চীংয়া তময়া

আর.কে এলাংবম

চীংয়া তময়া

Printed at The Azad Printing Works, Imphal.

১নবা ফোংবা—
আগষ্ট ১লা—৫৫ হং
থৱান ১৩নি পানবা
কোপী মশীং—১৫০০

২শুবা ফোংবা—
জুন ১৫—১৯৬২
ইঙা ১২নি পানবা
কোপী মশীং—১০০০

ফোংবা ঃ— শ্রীএলাংবম সুর্য্যকান্ত সিংহ
এলাংবম লৈকাই !

মমল

পঙ্হৌগী মফমদা।

নচাগী খুদোলসে কচ্চরি

হীরম-লামাই

মরোল থরদং

২শুবা ইডিসন অসিদা ৱারি মচা অনৌবা অহুমদং হাপচিঞ্জরে। "য়ুম্বানবা" অমস্থং অরাপ্পদা "লৈহৌরবা মরূপ" হায়বা ৱারি অনি অসি 'মখল-মথেল' মেগাজিন্দা; "নুংশিবা থিবা" হায়বা অসিনা গৌহাটিগী 'নহারোল' কোংগ্রবা ৱারিনি। ২শুবা ইডিসন অসি হাম্নদগী খরদং ইবা ৱারিমচাগী লাইরিক অমা ওইগনি হায়না নিংই।

— লেখক।

য়াওশং

বাজেনগী মমানা মচাশিং অদু অমমম মমিং কৌদুনা হৌদোক্লি "শ্যাম, বাধা, বাণী, হৌগৎলো হৌগৎলো, নাকথেংবা চৎলো, নুমিৎ থোকলে।" যাংহৌ থেংগল্লবা অঙাংশিং অসি ঙসিদি মমাগী খোঞ্জেল তাবদা, থোইদোক্ল যাওশংগী শেল নিবা চৎলে। হায-বদুদা ফুক, ফুক হৌগত্তুনা ফমুংদগী চোংথরমই। মমানা চারা রানখো, চাক খাকসম্বনি হাযবমই। অঙাংশিং অদুনা মমানা হাযবা তাদনা মপান্দা প্রপ্রপ থোকখিরমই। বাজেনসু মমানা হৌদোকপদুদা হৌগৎলমই। নুমিৎ থোরক্কদবগী নোংপোক থংবা অতিয়া অসি গুলাপ মচুগুম্বা তঙাং তঙাংবা অমেংবা মঙাল অমনা শিন্থুংনা শন্দোকলমই। লম্বীদা অঙাংশিংনা মক্প মপাং কৌনদুনা শেল নিবগী চেল্লমই। খরসু থোঙ্গাল খরদা চংখিদুনা শেল নিবা হৌবমই। রাজেন্না অযুক অঙনবা অসিদা মখোয়গী যুম মমাংগী অপিকপা লম্বী অদুদা তপ্প তপ্প চৎলমই। নৌনা যেন্নিং চোংখৎলকপা, অনৌবা উনাদনা শিল্লবা উপাল, কুবাও মপালগী অঙাংবা, নুমিৎনসু খজিক খজিক লিখৎলকপা থোই-দোক্ল ইংনা নিংথিববা অযুক অমনি। হঙ্গৎহন্দা তপ্প তপ্প চৎলিবা রাজেন অসি মপুক্লিংদা অনৌবা রাখল—অমুক্তং নৌনা উনরুরবা মদুনা মতম পুম্নমক্তা নৌদুনতা লৈহৌরিবা রাখল অমা নিংশিং নিংশিংনা মতম অদুগী নুঙাইবা—, মদুনা শুমহৎখিদুনা করিগুম্বা

ন্না অমতং ফোংদোকপা ঙমদনা অস্নুম হৌগ্রবা - দৃশ্য অমা, ঙসিগী য়াওশং অসিদা মাগী মমিংনা তরু তরু উরকই ।

মহাক্না অস্নুম্না লৈরিঙৈদা নুপী মচা অহুম্ন মাবু কোইশিল্লমই । খরাইদগী পিকপা নুপী মচা অমনা মাগী খুদাং পাইরদুনা "সে— পৈশা পিরো" হায়রমই । রাজেন্না হন্না য়েংথরকপদা পিকলবা নুপী মচা অমনা মাগী খুদাং পাইরদুনা চিংলমই । মহাক্ন অঙাং অদুগী মকোক নাল্লদুনা নোকলমই "করিগী পৈশানো ?" হংলমই "য়াওশংগী" খুমলমই । অঙাং অদুগী মশক মতৌ নিংথিজবা অদু উবদা লক্ননিংলদুনা "নংগী নমিং করি কৌই ?" 'বৃন্দা' "নমাগীদি" ? "যমুনা" রাজেন্না অঙাং অদুবু মুন্না য়েংলগা "নংবু যমুনাগী মচারনে ?" "মানি" অসি হায়দুনা রাজেনগী মখুৎ চিংলমই । মহাক্ন অঙাং অদুবু অস্নুম নুংশিনা য়েংউরগা "নংগী ফনেক অদুদি ইমানা লৈবীব্রা ?" নুপী মচা অদুনা "নংদি পৈশা পিয় য়াদে, চৎলগে— ।" অসি হায়রমলগা চৎপা হৌরমই । রাজেন্না তান্নদুনা "সে সে" হায়দুনা ফুরিংখাউদগী পৈশা শৌথোকতুনা পিরমই । অঙাং অদুনা হরাওনা চংখিবদু য়েংদুনা লৈহৌই ।

নুমিদাংরাইরমনি । লম্বীদা রাজেনগা ঐগা থেংনরমই । ঐনা "থাবল চোংবা লেংউসিদনা" হায়রমই । ঐগী পাওখুম অসি পিদনা মহাক্ন য়াম্না ফোংদোকনিংবা অমগা লোইননা তপ্ন তপ্ন হায়রকই "ঙসিদি ঐগা চান্নরম্বী নুপী অমগী মচা অমা ঐখোয়দা শেল নিবা লাকলমই । ঐগা ম্নাগা অস্নুকী মতিক নুংশিনৈ

হায়বসে ফোংদোক্লবা ঙমখিদ্রবনি। অদুবু মাগী মচানদি ঐগী খুদাং পাইদুনা পৈশা পিয়ু হায়রমই।"

তাং ২১।৩।৫৪ ইং
ইম্ফাল।

চীংনুংদা অহিং

ঐখোয়না চীং কাবা হায়রগা অঙম্বা চীংশাং, অখুবা লোকনুং চৎপগী শ্বাই, শ্বাই লাওনা ৱাবা অদু নিংশিংদবা ঙমদে। অমরোমদা চীং অদুগী ফজবা অচৌ অচৌবা উপাল, মনিং তম্না শাৎলিবা লৈ, চীংদোলদগী য়েংথরকপা পিতক লাক্তক তামনা উথ্রিবা তমপাকী লমদম্ পুক্লিং শুমহৎকম ওইরবা উ, ৱাগী ফজবা লৌবুক লমহাংগী নিংথিবা অসিগুম্বা মিৎয়েংকম অসিস্তু শিংথাদবা ঙমদে। মতম অমদা, নিংশিংবগী ফজবা অমমম পুথোক্লরকপদা অৱাংবা চীংদোল অমদগী য়েংথরকপা দৃশ্য অদুস্তু কাওদনা শিংথানবা য়াই।

ঐগীদি চীং কাবগী অৱাবা, চীংদোলদগী য়েংথরকপগী ফজবা অদুগী মরমদদি নত্তে। অৱাংবা চীংদোলদা লৈবা খুল অমগী অহিং অমগী ৱারিনি। চীংনুংদা নুমিৎ তারকপা হায়বা অসি অৱাবগী মশক্নি। মফম খংদনা লম্বী লম্মাংনরমই। লাইবক ফুরদগী পাম য়ানবগী লম্বী অমা থেংনদুনা লম্বী অদুগী মতুং

ইন্না লাকপদা য়াম্না নকপা হাওখুল অমা লৈরমলে। খুল অহুগীময়াইদা মৈ চাওনা হৌরমই। মৈ অহুগী মৈঙাল অহুগা লোইননা হাওবুং থিন্দুনা ইশৈ শকপগী খোঞ্জেলস্তু তারকলে। ইশৈ অহুদগী ঐনা খুল অসি খোংজাইগী খুলনি হায়বা খংলমই। হৌজিক্তি উ, রানা কুপশিল্লম্বা লমদম অহু লাম্থোরকপনা থরান· মিচাক্ত তরু তরু থোকপা, পানখৎলকপা থানা নোংচুপকী আতিয়াদা চিক্ত হুন্দোরকপা উরমই। খুল অহুদা চংলকপদা চাওরবা মৈকম অহুগী অকোইবদা পাখং লৈশাবী ময়াম পরেং পরেং লেংগোম্নহুনা নোমহৌ, নোমহৌ ইশৈ শকলমই, খরনা জগোয় শারমই। অমুকস্তু খংহৌদনা হোই লাওবগী খোঞ্জেন্না মকম অহু পুমনিল নিল্লমই। অহুম ওইনমক চীংনুংগী অচিকপা অহুাদ কোকপা ঙমলমদে। ঐনা খুলগী চিদাইদা তোপ্না শারিবা য়ুম অমদা চংলহুনা “তমপাক য়েৌগদবসিবু কয়াম রাৎলিবগে?” হংলমই। য়ুম অহুদা কনাস্তু লৈরমদে; অহল অমখক লৈরমই। অহল অহুনা মপাল থোরকতুনা “মাইস মঙারোম রাৎলি।” হায়রমই। অহিং অসিদা শাংলবা লম্বী অহু ইথস্তা চৎকদৌবা কিরমই। তমপাক তারবস্তু চৎকদৌবা লম্বী অহু চীংনা কোই শিনবা মী তাদবা লমহাং ঙাক্তনি। ঐনা চিংননা লেপলিঙৈদা অহল অহুনা “করি লমদগীনো?”

“ইম্ফালদগীনি।” “কদাইদা চৎলুই?” “কৌক্র চীং কারুবনি।” “নপাং য়াওব্রা?” “য়াওদে ইথস্তনি।” ‘থেংগ্রে-দনা।” ঐনা করিস্তু খুমদনা তুমিন, লৈরমই মমৈথংদা “ঙাস

অহিং'সি মক্ষম অসিদা লেকপা য়াগদ্রা ?" অহল অহুনা ঙহাক্তং রাখল তৌবমলগা "য়াগনি—, অহুবু হাওগী য়ুমদবু নখোই মৈতৈনা করম লৈগনি ?" ঐনা খর হরাওনা "ইপানা চানবিরবদি ঙসি অহিং'সিদা খর লেকচখিগে।"

অহল অহুনা মৈ চাওনা হৌগংপিরমই "ইপাগীদি ফিগা লৈতে। মৈ তিকতুনা অসুম লৈসিকো" অহুগা পান্দুম অচৌবা অগুমখক পুখোকতুনা পিরমই "পাননি, লৌহুনা চাও" হায়রমই। ইমুং অহু থাউমৈ থাল্লমদে। মৈ তিকপগী মৈঙালদা ঐখোয় অনি খর খর উনরমই। ঐনা "করিগীনো ইপা! ঙসি ইশৈ শকতুনা হরাওরিবসিবো"। "এঃ ঙসি লৈশা পাখং ময়াম শিকার চৎলুবদা শা য়াম্না ফারকই—। অহুগী হরাওরিবনি।" মসি ঐগী মহৌশানি অতোপ্পা অনৌবা লম য়েৌবদা লম অহুগী চৎনবী হংবসি মরু ওইনা মথোং কারকপশিংগী অপাম নুংশিগী মরমদা খংনিংই। চীং অমসুং তম্পাক্কী নিপা নুপীগী সংসার অসি মথং মথং চাংদম্নহুনা হংলমই। চীংগীদি নুঙ্গাইরক্তা লোক্কী অরুবা ঈশিং চোল্লি। তমপাক্কীদি লৈডোইগী লম ওইবনা তুরেলগী ঈশিং অসি মহৌশানা নৈগল্লি। অসুম্না অপাম নুংশিগী রাগ্নি শাম্নরকপদা অহল অহুনা "ঐ রারি অমা নিংশিংলক্লে।" হায়রমই। অসি হায়রম্লগা তুমিন লৈখিরমই। চাকখৎলকপা মৈরিগী মরক্তা লুমথরবা অহল অহুগী মমায় অহু উরমই। মগাক্ত ঙহাকতং তুমিন লৈরগা "অশম্বদা মহায়গে।" অহুগা অমুক নিংশিং নিংশিংনা "নহা ওইরিবৈগী মতম হায়বসিদি অরা নুঙাইবনা পিক

থল্লি। ঐগী মরূপ অদু মৈতৈনি। চহি য়াংখৈরোম হেল্লে, মহাক হাও ওন্দুনা চীংনুংদা লৈখিবা—।"

"মতৌ করম্না ওনখিবা ?"

"মহাক্কী চান্নথোইবী অমা লৈরমই। মখোয় অনি মিকুপ অমতং লাপথোক্লবা ঙমলমদে ? অদুবু লৌনবা য়াদবা হায়বা অসিনা মখোয় অনি কাইনবা তারমই। মখোয় অনিনা লাপথোকনগদবগী অৱাবা অদু খাংবা ঙমলোইদবসি উবদা নুপী অদুনা নিপা অদুদা হায়খি "ঐগী পুন্সি অসি অতোপ্পা অমগী মনাক্তা মিকুপ অমতং লৈবা ঙমলোইদৌরে। হয়েংমুক্কী মপোক্কীদমক লন্থী য়েংলসি।" হায়রমই। নিপা অদুনা নুপী অদুগী রাখল অদু হিক্তোকপা ঙমখিদে। নুপী অদুনা তাকপা মতুং ইন্না নিপা অদুনা মাগী চান্নথোইরবী অদুবু মখুৎমক্ক অমুক্তদা থাংনা ককতুনা হাৎলমই। অদুদগী মহাক্ক খুদক্তা সরকার বহাদুরদা চেনখত্তুনা রাগ্নি পুন্নমক তমলমই। "ঐবুস্থু থুনা হাৎপিরো—। পুন্নমক ইবানি উননবগীদমক্কি।" হায়রমই। সরকারনা মুন্না তাবীরগা অস্থুম্না হায়রকই "নখোয় অনি হয়েংমুক্কী মপোক্তা থুংননবগীদমকতা ওইরবদি নংবু হাৎপা য়াদ্রে। নুপীগীদমকতা থৱাই থাবা নিপা অদুদি হয়েংমুককী মপোকতা মী ওইনা পোকত্রে। মরম অসিনা নখোয় অনিগী রাশক অদু কাইহনবা চুমদে।" হায়রকই। সরকারগী আইন অদু তাবদা খুদক্তা নুমিৎ অদুদগী মহাকন চীংদা অস্থুম চৎখিরমই। মাগী জাত্তিগী সমাজ

অদু থাদোকতুনা চীংনুংদা চাও ওন্দুনা মাগী শিগদবা মচম অদু ভাইদুনা লৈখি।"

"করিগীদমকতা মহাকন মচাককী সমাজ থাদোকইবনো ?"

"ইবুঙো ! মচাক য়াওদ্রবা সমাজ অসিদা কনাগী চরাও কুম্মৈবু য়েংউগদগে ? নিংথিবা ফিজেৎ লৈতেংসিবু করমনা শিংথারুগদগে ?"

"ওঃ নুংশিদা , মচাক অদু কয়াম অহল ওইরে। মকম কদায়দা লৈ ?"

"মহাকন পাখং ওইনা লাকভৈদগী চীং অসিদা লৈরকপনি। হৌজিকতি অহল ওইরে। চহি ৮০ (মরিকু) শুরে। মহাককী লৈফমদি খুল অসিমকনি।" ঐনা হবাওনা "ঐবু অমুক্তা উনহল্লুবা।" অহল ওইববা মায়থোং অদুনা নোকফেৎ তৌরমই "করিগীনো।" "মহাককী মশক অদু য়েংনিংই। মহাক কমদৌরি" "ফৈ য়েংউসে" হায়রমলগা তুমিন লৈরমই। চীংনুং ওইবনা য়াম্না ইংলমই। আহংসু থেংজিল্লকলে। হবাওবগী পুং থিনবা, হোই লাওবা ইশৈদ লেপত্রি। ঐনা নীপা অদুবু উনিংবনা তক্তনা তকশিল্লমই। অহল অদুগী মথুৎ পাইরদুনা "ইপা ! হৌজিকমক উনরুসি—। হৌজিকমক চৎলসি।" হায়রমই। অহল অদুনা তপ্পা "নিপা অদু ঐনি।" হায়রকই।

তাং ৪। ২। ৫৫ ইং, মোতবুংচীং।

শকখংনবা

নুমিদাংবাইরম চৎথোকপা হায়বসে ঐগী মতৌশানি। ঙসিদি চীং কারুগে হাযদুনা মাংদা উবিবা চীং অসি য়েংলদুনা চৎলমই। চীং অসিগী মতোন্দা পিক্তক তৌবা হাওখুল অমা লৈ। চীং অদুদি লমহাংদা খিনবা লৈতোংগুম তৌই। মায়কৈ মরিমক্তা লৌবুক লমহাংনা কোইশিল্লি। অথাপ্পা মফমদদি তামনা উববা চীংজাওনা মথং মথং লোই.বাই, লোইবোই অতিয়া পক্ল রাংখ্রি। চীংনুংগী তমপাক, অহাংবা মী তাদ্রবা লমদম অদুদা ইথন্তা চৎলবস্থ নুঙাইবা পোকলমই। হন্না হন্না য়েংবদা নুমিৎ তারমদাইগী চীংনুংগী ফজবা খরদি উবা ফংলমই।

চীংখোঙ অসিদা নুঙ্গায়রকতা তুরেলগী ঈচেল অমা রাঃ রাঃ লাওনা চেল্লি। ঐনা তুরেল অসি লানথোকতুনা চীংগী অপিকপা লম্বী অদুদা মথং মথং কাখৎলমই। চীংদোল অসি য়ৌবদা মপুং ফাদ্রিবা থানা চীংদোল ঙান্না থোরকলমই। চীংদোল অদুদা লৈশাবী পাখং ময়াম "হোই" লাওদুনা পুন্না ফৌ শুমিন্নরমই। ঐনা মখোয়গী মনাক্তা চংশিল্লদুনা শকখংনবা হৌরমই। ফৌ শুরিবা নুপী ময়াম অদুগী মরক্তা নুপী অমদি ঐবু শক খংবগুম তৌনা ফিরুক খুমজিন্দুনা ইকাইবগুম তৌখিরমই। ঐনা শক খংনিংলদুনা শেংফাত্তবা খুল অদুগী লোল লোল্লদুনা নুপী অদুগী মনাকতা চংশিল্লমই। মহাক মুন্না তারগা ঐগী লোল অদু চুমথোকপগুম তৌনা "ঐদি মৈতৈনি।" ঐনা

ঙক্‌লত্তুনা "মফম'সিদা কৈদৌবীরবা ?" মহাক্না চিংনবা লৈতনা রা ঙাংথোকনিংলংই অদুবু কবিগুম্বা অমা নিংশিংলকপগুম তৌনা রাঙাংখিদ্রে। মরক মরকতা "হিংনবা য়েংদুনা পংচং চৎলবনি" "লৈফমদি—করি লমদগী "ইরবনো ?" "লরাইদগীনি।" "করি লরাইদগীনো ?" মহাক খুমলমদে। ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলদুনা লৈবমই। মমৈথংদা "ঐগী অশেংবা ইযুমদি সহবনি।" ঐনা অসুক হেন্না খ নিংলদুনা "সহরদগী করম তৌনা মথং মথং অসি য়ৌবকইবা ?"

মহাক্না ঐবু নমতাই ওইনা মরকতগী ওইনা হায়বকই— "হৌখ্রবা মতমবু অসুক তানবা ফংখিগদ্রনে ?" অসি হায়রম্লগা মপুক্নিং নুংশিবগুম তৌনা ফমথখিরমই।

"মফম অসিদা লৈবীরম্বদি ?"

"কেদৌরুগদগে, হৌখ্রবা রাবু অমুক নিংশিংদুনা—। পুক্নিং লাইমন ওইনবনি।"

ঐনা নোক্ন "অরাবা হায়বসিদি ময়ামদা রারি শাদোকলগা খরসু ময়েং মতানি।"

নুপী অদুনা ঐঙোন্দা হাইফেত্তুং য়েংলমলগা "মরাল লৈজদ্র-বা মীদা ঐগী পাপকী রারি অসিবু তাহন্দুনা করি অমুক কান্নগদগে ?" ঐহাক রা ঙাংফম খংদনা তুমিন লৈরমই। "অদুদা"— ঐনা হায়রমই "মী হায়বসিদি মহৌশানা অমনা অমগী মতেং পাংনফম থোকপনি।"

"ঐগী কান্নদ্রবা রা অসিবু তারুহুনা করিবু কানরুগদ্গে ?"

"অস্থুক নহা ওইনবু জাত্তি ইমান্নবস্থু লৈত্রবা চীং অসিদা করম্না লৈরমলিবনো ? হায়বসিদি খণ্ডহ্নবীবা য়াই।" নুপী অহুনা চৈ অমা চিক্লহুনা তুমিন লৈরমই, অস্থুম্না ঙহাক্তং লৈরুরগা "তাবিনিংলবদি হায়জ্গে" অসি হায়রনগা মথং মথং হায়থরকইঃ -

"ঐদি লাইশ্রমনি। ঐগী শাগে নাতৈদি অপিকপা নৎলমদে। সমাজদা শকনাইবা ঙাক্তনি। লৈফমনা থাংমৈবন্দনি। ঐগী ইমিংনা বীমলা কৌজৈ। পিকলিঙৈদা লাইবিক তমজরমই। লাইরিক্তগী হেন্না জগোয় ইশৈনা পুক্লিং চংজরমই। ঐগী ইমা ইপানা শুনা লিংখৎপা জগোয়দা ঐনা থৌরাণী, মকোকচংবী শারমই। ঐগী অঙাং ওইনা হৈশিংবা জগোয় ইশৈদগী নুংশিবীবা মীশিংনা থৌরাণী শাবী হায়নস্থু কৌবীরমই। ঐহাক ইহৈ মপুং ফানা তমখিদ্রে। খুবাক ইশৈ, বাশক, পাসখেলানচিংবা য়াওহুনা পুন্সি অমুক চৌরমই। ঐগী মথোৎকারকপা মতম অহু ঐগী মাংনবা মতমনি। (ঐঙোন্দা য়েংলমলগা) খস্থু খ বীবমগনি। জগোয় শাবী, ইশৈ শকপী'সিদবু মনম চাওবীনি হায়নৈ। শক থিরবস্থু মতম অহুদা ঐবু চানবীবা, নুংশিবীবা ফন য়ামলমই। অহুবু চংলকইবা মীশিং অহুদা ঐনা করি তৌরুগদগে ?"

মতাং অসিদা ঐনা "ইবেম্মনা নুংশিবীবস্থু ময়াওদ্রনে ? মীনা অহুক য়াম্না নোঙ্গরবদবু — ।"

মহাক্ন নোকলমই "য়াওই। ঐগী পুক্লিংদি অনি শুজদবনা ।"

"নুপীসিস্থু নিপাগীমক্তা রাখল খরগস্থু মখনব্রা ?"

"কবি রানো? নুপীনা খল্লিবসি নিপানা শিংথাবীদবনি। নিপানা নুপীবু খনবীবদি উজদ্রেদা -।"

ঐনা নোকলদুনা "ঐদি। ঐদি নুপীগী রাখল যান্না পুববা মীনি।" নুপী অদুনা "ওই - ওই" হায়না নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবমই। "অদোমগী রাবিসু তাজবা তাবেদা— ।

"ঐগী নুংশিবগী রাবিদি থা অসিনা নোচুপকী চীংযাদা হায়থদ্রিফাও তমহৈদে।"

নুপী অদুনা ইকাইবগুম তৌনা মক লুকথনা খজিক খজিক নোকলমই।

ঐনা অমুক "নহাক্কী রাবি অদু লিথবে" হায়বমই। মহাক্ক কবিসু খুমদনা তুমিন হৈবমই। "ঐগীদি লোইজবে। তাদগী অমুক তাবাস।" হায়বমই।

"ঐগীদি ঐনা লোৎনা নুংশিজবা চাক্তনিনা রাবী মপুং ফাদ্র। মপুং ফাবকলবা মতমদা ইবেম্মা নাক্ত চেল্লকতুনা লৈজগে?"

"কবম্বা মতমদা মপুং ফাগদগে?"

"থা অসিনা মপুং ফাবকপা মতমদা।"

'থানা মপুং ফাদ্রিবৈদদি যাব্রোইদ্রা?"

"য়াদে।" "পুর্ণিমা নুমিৎ খুদিংগী নিংশিংবীবসিদি— ইনমা অদুদি থাগুম্ন ফজরম্লগনি।"

"থা মাল্লি, থ গুম্না ফজৈ, থাগুম্না ইই, থাগুম্না থাপ্পি। উনব ঙমদনা অম্মম লৈরিন সনি। অদুবু থাগী মঙালগুম্না মহাক্কী মঙালদ কত্তুনা ফাওই।

ইংম্মদা ?"

"ঐনি দ থাগুম্ব দ ংচদে। বসন্তগুম্ব নি। বসন্তগুমনা নৌই। বসন্তগুম্না দ থজে। মহাক্কী রাখল খক্তকবনা ঐগী থম্মোযনা বসন্তদা ওইজব।" ঐখোয অনিমক অমুক্তদা নোকমিন্নবমই। অদুদগী মহাক্ক রাবি লিগবমই ঃ—

'ঐগী লুহোংবগী নুংশি লেপলে। লুহোংবা অদুস্তু নীপা অদুগা ঐহাক্কনা শক্তবান। নৈনা মহাকপু থোইনা তেন্না নুংশি-বমই। তাংং লুহোংগ ন তোবা নুমিৎ অদুগী ঙসি অদুদা ঐবু লৌবা নিপা অসিনা ঐবু ফাহুনা চিংলমই। মসিদগী ঐনা নিংবা কাইবা তৌরবান। ঐখোযগী অহল লমন্না ঐখোযবু ফারহুনা তোঙান তেঙান থমলমই। নিপা অদুবুনা জেলদা থমলমই। ঐগী ইচল হবদা ঐনা অম্মুন্না খুমই! ঐহাক ইশানা য়াহুনা চৎপ না। নিপা অদু জেলদগী থাদোকপিগু।" হায়বমই।

ঐনা মরক থৎলহুনা "নংনা লুহোংগদৌরবা নিপা অদু থোইনা নুংশি হায়বা নত্র ?"

"থোযনা নুংশি"—। তৌজিকস্তু নুংশিবিবনি। "হায়রম্লগা বাবু! নুংশিবা মাগী মফমদাদ অশেংবা থম্মোয়না সেবা তৌজ-নিংই। মীনোক চংলবা হকচাং অসিনা করম্না ঐগী ঈশ্বরবু সেবা তৌরুগদগে ? ঐগী পাউ অসি তাবদা ঐগা লুহোংগে তৌরম্বা

নিপা অহুনা পুক্চেল চাওনা হায়বকই "য়াম্না ফবে। হৌজিক্তি ঐগী ইচলগুম্না ইশামক্ক দান পিহুনা মখোয় অনি লূহোংগনি। ঐগী নুংশিবগী লানলবা পোৎচৈ পুন্নমক অসি মঙোন্দা ইচন শবতুনা উনগনি। মহাক্কী পুক্চেল চাওবা অসি উবদা ঐনা মায় চঙম্পা ওমলমদে। পুন্সিমগী ইকাইবা ফংলিবসিনি। মতাঙ্গ ঐবু নুংশিবম্বগী রাখনা পুন্নমক অসি থাদোকতুনা তবাম তবাম বাংলা হায়না কৌখি। ঐগী রাখন্দা চিংনবগী মনি অমা ফাওবা তহনখিদে। ঐদি নুংশিবগী দোষ ফংলবী নুপীনি। অহুবু ঐনা মারুদি কাওবা ঙমদনা অস্থুম লৈহৌবে।

"অহুদগী কমদোবা? নীপা অহুগী মমিং না কবি কৌনবগে?"

"মহাক্কী মমিং সমরেন্দ্র কৌই। ঐনদি তাইবুঙো, তাইবুঙো কৌবমই। মহাক হৌজিক ফাওবা নুপী থিদ্রি। নহা ওইবিঙৈদা মশক মতৌ—য়াম্না ফজবমই। হৌজিক তি অঙাওবদোনা তৌবে। মশম মনা কবি অমতা কককিদ্রে। খরাদা লোংগ্রিগুম্না ফিনা কোইশিন্দুনা শেৎপা অসিনা মাগী ফিজেৎ ওইবমই। ঙসি ফাওবা ঐবু উবা মতমদা "বীমলা" হায়না মচনগুম হবাও হরাও কৌব।"

"ওঃ, অহুদগী কমদোবে?"

"অহুদগীদি—, ঐবু লৌবীবা নিপা অহুনা নিপাগী পুকচেল অসি ময়েক লানা খংহনবীবমলে। মহাক য়াম্না ওক্তবা নিপা ওইবমলে। ঐনা কৈদোরুগদগে? ঐগী আশা কাইরবনিনা মনা মনিল নাইদনা মাগী তুং ইল্লমই। মহাক্ক ঐবু অসামদা

পুবীরমই। অসামদা চক্রিরৈঙগী মমাংদা ঐনা য়াম্না হায়জৈ। ঐদি নুপীনি, দেশতা পুবীগনু, ইপাগা ইমাগা কাইনজবা ঙম-জবোই। অমুক্ত মুন্না খন্তবীযু হায়রমই। মহাক্ত য়াবা তৌখিদে। নুপীনা মরা মপুরেইবগী মতু, ইন্দ্রবদি কনাগী নাক্তা লৈগদগে? চত্তবা য়াদে চৎকদবনি। অস্তুম হায়বীদুনা ঐবু অসামদা পুবীরে। মহাক ড্রাইভরনি। অসামগী মফম অয়াম্বদা ঐবু পুবীবমই। শিল্লোং হায়বসে খংবীরমগনি। খাসি নুপী অসি মশক ওন্থোক্ত ফজথ্রে, লাইগুম্ন ফজৈ। মখোয়বু উবদা ঙাওদনিঙাই লৈতে। নুপী ওইবী ঐখোয় ফাওবা মখোয়বু পাম্বা য়াওই। শিল্লোং অসিদদি মহাক ঐগী নাক্তা চংলকখিদ্রে। তরানি লাক্তা, থা অমা হল্লক্তা অস্তুম তৌদুনা ঐবু থাদোকপিরমলে। ঐনা মাগী মফমদা কপ-তুনা হন্না হন্না হায়জরমই, ঐবু থাদোকপিবা তৌবীগনু মীরৈবাক অসিদা ঐবু অমুক হেন্না রাহনবীগনু হায়জরমই। ঐনা হায়জবা মহা-তাবীরমদে। রারবা মতম অসিদা তৌজিক লৈরিবা ঐগী ইচা নিপা অসি পোকলে। ঐনা ইচা নিপা পিশকস্তুমগা, মহাক্তস্তু হন্না য়েংবীদা কয়া রানা মতম লেল্লকলে। ঐনা তত্তনা যুমদা থিনবীরো হায়রমই।

মহাক্ত থিনবা ঙমলোই হায়না য়ারমদে। ইচা য়াওরম দ্রবদি ইশা ইথন্তা চেল্লকলগদবনি। অদুগা অমুক্ত মহাক্ত থিন্দ্রিমখৈ যুমদা চৎনিংলমদে। মরমদি ঐনা অহল লমন পুন্নমক্কী আশা থুগায়দুনা ইশানা য়াদনা য়াই হায়দুনা মহাক্কী তুং ইল্লকলবনি।

অদুগা নিপা অমবুনা ময়াম মমাংদা পুন্সিসিমগী ইকাইবা পিরম-লবনি। মহাক্না থিনবীয়ু ময়াদ্রবা অদুদা ঐহাক শিরʼনি হায়দুনা চারা হেনবা হৌরমই। ঐদি মফম অদুদা শিবগে হায়না থোরকপা মশিং য়ামলবনি। অদুবু ইচা অসিগী খল্লবদা পুক্নিং অমুক, অমুক হন্থরমই। নুপী ওইবীনা খাডবা ভমদ্রবসি মহাকপু থগইদনা অতোপ্পা অমবু কোইবা অসিনি। ঐগী অরেপ্পা পুকচেল অদু উবদা মহাক্না ঐবু নুমদা থীনবীরমই। ঐনা থুংবদা নুঙাইবা অমুক লৈখিদ্রে। ঐবু পোকপা ইপা অদু লৈরমদ্রে।

“নিপা অদুস্তু ময়ুম যৌবা মতুং খর লৈরগা নারে। মহাক্কী লৈনাদি ঈ ওবনি। মহাক্না য়াম্না কন্না নাববা মতমদা ঐবু তত্তনা কৌই। ঐনা স্থচৎ চত্তে। মহাক শিবা য়োনা নারে। মহাক্না পাউ থারকই :— ঐহাক হিংগনি হায়বা থাজদ্রে। হিং-হিডৈসিদা নহাক উনদুনা নহাক্কী নফমদা লাল্লে— হায়না হায়জনিংই। মহাক্কী রাহৈশিংসে ঐগী নাকোংদা হাপখিদে। মমৈথংদা অহল, লমন লৈকাইগী মীনʼ য়াম্না হায়মল্লদুনা ঐনা নোংমদি চৎলুই। অদুবু মহাক উন্নহৌদ্রে। ঐনা চংপা নুমিৎ অদুদা মহাক শিরম্লে। মহাক্না ইরম্বা চিঠি অমথক ফংলমই। অস্থুয়া ইরমই :—

বীমলা !

ঐদি নংগা অমুক উন্নরবোইদো। ঐনা হায়নিংবদি শিদ্রি-ডৈগী মমাংদা নংগা উননিংবনি। নংগী নফমদা য়াম্না লানখ্রে। ঐবু ডাকপিযু।

"মতাক শি হায়দুনা ঐতাক থোইদোর নুঙাইতবা তৌবমদে। অমবোমদা মতাক্কী শিক্ষম থোক্লবনি হায়না খল্লমই। মতাক্ক ঐগী আশা মথং মথং মাংহল্লকলবনি। হায়দুনা কানদে, মতাক নুপীগী থাম্মযবু মশক খদে। মীগী আশাবু মপু ফাহনদা। মতাক শৰম মিতুগী প তাবা ঙমদে। হায়দুনা কান্নদে মতাকপু নিংশিংউবগা হায়ফম খদনা পংশাওদা শাউনই।

"তাদে। কববু হায়কগদগে? ঐগী লাইবক অসিনু। তমগদোববু হকইদে—। অমবোমদা ঐগী মপোক অসি যংলক তবা হায়বদুনি। ঐবু পোকপা ইমা অহুবু অতোপ্প শাপা অমদা মযুম অমুক পানদ্রে। ঐগী দই চল ইনাও কনাসু লেজদে, ইথন্তনি। ঐনা মতম পুন্নমকতা কপতুনতা লৈবমই। ইমানা ঐবু মাগী মনাকশা কৌবমই। মতাক্কী মনাকতা লেবু হায়রমই। ঐনা যাদে। ঐনা হায়বমই "ঐদ পোকতবা ইপাগা লৈামন্নবা ঙমজবোই। ঐবুদি পোকতবা মচানিনা নোংমা শাওনংবা নুমিত্তা মচাগুম্মা ফু চৈহুনা রক্ষনি ঙাইদো। মহু পুন্নমক ঐ যেজবা ঙমজরোই। ইমানা ঙস কৌবীবা অসিদা ঐগীসু রা হায়জরমগে। ইমাগী নংবা অহুন থুংবীতৌরো। নচাগদি থাপ্প অসুম লৈনরসি।" অসি হায়বল্লগা ঐনা মযুমদা লাকলে। ইপানা শারম্বা যুম অহুদা ঐগী পিকলবা ইচা অসিগা ঐখোয অনিদা লৈবমই।

মতাং অসিদা "তাদা" হায়না কৌরম্লগা মক লুকথনা কপলমই। মপি তৈথোক তৈথোক্ক হায়বকই।

সন্ধ্যাগী মতম য়ৌরকলবদা মক্ষম পুন্নমক য়েংখি য়েংখিবদা ই'চিক চিকলমই। ঐবু লুনা তৌবিরম্বা ইপা অদুস্মু উন্দ্রেদো—। ইমা তৌই পুন্সিসিমাগী বিদায় পিনরমলে। ঐনা কপ্পা নত্তনা করিস্মু তৌনিঙাই লৈরমদে। অসিগুম্বা অচিকপা মতম অসিদা ঐনা লৈশারিবৈগী মতমদো অমুক নৌনা নিংশিংলমই। মতম অদুদা নাচোম শেম্বদা কয়াদা থৱাই য়াওরম্বা—। ঐনা নাচোম শেমলম্বা লৈ মধুমতি, যাতিকুপ্পী অদুস্মু শুমাংদা ইভৌ ভৌনা শাৎলমই। অদুবু ঐনা অমতং হেকতুনা নাদা চিংনিংখিদে। ঐনা অমুক নৌনা লৈশারীবৈ মতমগী ভাওমিন্নরম্বা তাইবুঙো সমরেন্দ্রবু নিংশিংলমই। মরক মরকতা "মহাক্কী দোষননিকো।" শোল্লমই।

"নোংমদি ঐনা কৈথেল কাবদা কৈথেলদা খংহৌদনা তাই-বুঙো সমরেন্দ্র অসি উনরমই। মহাক উবদা ঐ খোং থাংবা খংদনা চপ লেপ্তুনা লৈরমই। কোক উরু উরু ভাওবগুম তুগে তৌরমই। মহাক্ক মচনদৌনা হঙ্গোইবা লৈতনা "বীমলা!" হায়না কৌবীরমই "নহাকতি য়াম্ন রারে হায়না তাই; করম, করম তৌরি ইবেম্মা!" হায়না হংবীরমই। ঐনা করিস্মু খুমদনা লু লুকথনা লৈরমই। মহাক্ক "সে ভা চাওসে" হায়দুনা লুপা তরাখক ফুরিখাউদগী পুথোকতুনা পিরমই। ঐনা লৌগে হায়বস্মু ঙমদে, লৌরোই হায়বস্মু ঙমদে। রাঙাংবা ঙমদনা তুমিন্না লেপতুনা লৈরমই। মিত্তগী শিন্থরকইবা পি অদুস্মু ঐনা মহাকপু উহনিং-লমদে। ওহাক্কুং মক্ষম খংদনা লেপলমলগা "তাইবুঙো! ননাইবু

অমুক ৱাহনবীরগনু।" হায়রমলগা য়ুম তান্না চেল্লমই অদুগা ইমুংদা থোং লোনশিল্লদুনা কপলমই।

"ঐহাক ইম্ফালদা লৈবা ঙমদ্রে। মহাক্কী মশক উরগা ঙাওই, তৌফম খংদে। অদুদগী ঐনা লরাইদা হায়থদুনা তাদশিং অমগী মনাক্তা লৈরিবসিনি। লরাইগী শিনফম শুদুনা, লৌউশিংউবা ৱাওদুনা ইচাবু থাক্লবা হোৎনরিবসিনি।"

মহাক্কী ৱারি অসি তাবদা মিতগী পি তাদ্রবস্থু পুক্লিংসে ইনৌ নৌরমই। অহিংস্থু অথেংবা ওইরকপনা তৌজিক্তি থা অসি য়াম্না ঙাম্না লংনা থোকলমই। চীংদোন্দগী অস্থুম য়েংখিবদা চীংদোল অদুগা শম্নথ্রবা চীংদোল পরেংদা মরক মরক্তা লাম্মৈ চাকপগী মৈরি অমমম উরমই। মী, শা কনাগুম্বগী খোঞ্জেলস্থু তাখিদ্রে। খুলগী ফৌ শুরম্বা পাখং লৈশাবীশিংস্থু হিপনখ্রে। মহাক্ক চীংদোল অদুদগী তামলবা লমদমদা মমায় মখা পাংনা অস্থুম মিৎফম হোংদনা য়েংলমই। থাবলনা মমায় অদু ইরং লংনা উরমই। ঐনা মহাক্কী মতৌ অদু উবদা খংহৌদনা "নুংশিবা হায়বসিবু করি ওইরিগবা?" হায়দোকলমই। মতম অসিদা চীংনুংদগী মফম খংহৌদনা "তাম" হায়বা উচেক্কী খোঞ্জেল অমা তারমই। নুপী অদুনা "বাবু! অসিস্থু নুংশিবগী খোঞ্জেল অমনি।" হায়রমই।

তাং ২।২।৫৫ ইং মোতবুং

লুহোংবা

নুংথিলগী মতমনি। কান্তবাবুগা ঐগা ক্ষমুং অমদা হিপললহুনা ঐগী "প্রণয়" কবিতাদু পাথরমই।—

লুহোংবগী অচিকপা অহিংদা
থাজনা মুনা য়েংলম্বদগী
খঙহৌদনা কন্না নোকথোরকপদা
থাবলগী পল নিংথাইরবলে।
বসন্তগী অনৌবা ক্ষমুংদা
য়াতারিবা যৌবনগী থাজদা
কামগী খুৎন নাল্লকলবদা
অহিংগী অচিকপা চুপথোকখ্রে,
পোত্থাবা য়াখিদ্রে নুজাসে।

কবিতা অসিগী মনুংগী ভাবতি মপামদা ইকাই হঙ্গাই-রিবা নুজাশিংসে মযুম পাল্লকলবদা মপামদা হঙ্গোইরম্বা অদুক্কী মতিক শরুক চামা হেন্না ইকাইদবা ওমই। শন্না তায়রবদা নুজাসে শক খংনরক্কবা পাখংগী তমপাক্তা মোম্লাং ওইনা য়াতারিবসিনি। পাখং অদুগী মক্ষমদা নুঙ্গাগী অচৌবা থম্মোয়গী রা ফাওবা পুথোকতুনা রারি শারবনি। ঐনা পিববা অবগুমেন্ট সদ কান্ত বাবুনা ইতৎ তত্তনা মমিৎ উইশিন্দুনা খনবগুম তৌরমই, মরক মরক্তা "নংগী আইদিয়া'সি—" হায়না মুরুম মুরুম শোনবগুম তৌরমই। লুহোংবগী অনৌবা রাখন্না মাগী থমোয়গী অতিয়া কুপখিরমই।

\+ \+ \+ \+

কান্তবাবুগী মমানা ঐবু কৌরদুনা লুহোংবগী মৎমদা রারি শারমই "কান্তবাবুগী লুহোংবা অসি খর চাওনা থোক্কদৌরি।" তায়বমই। লুহোংবগী পোৎচৈনা ইমুং মনুং থনখ্রে। মফম অমদা অরাংফম ফমলি, কা, হৈ শেমলি 'হৈজবোৎ'সিবু পোৎ চাম-রোম পুববদি কাবোক দোনা খরদং হম্মসি" অসুম্না নুপী কাংবু অমনা হিদাকপু থিংগৎনবদুনা রারি শারি। ইমুংদসু "কাংখল অসি ফজৈ, ফজদে, ওইনা নমই, হা ফিমাইনা মনুং চনখ্রেয়ে।" অসিনচিংবা নুপী কাংবু অমসু খুনদিন্নরি। কান্তবাবুগা ঐগা তুমিন্না চৌকি অমমমদা ফমল্লদুনা কান্তবাবুগী মচে মন্দোলশিংনা লুহোংবগী অনৌবা আশা, অনৌবা রাখল পুথোকতুনা পুক্লিং মকা লান্না রারি শাবদু তারমই। লুহোংবগী ফমুং থাবগী মতাংদা কান্তবাবুনা থোইদোক চেন্দোক্ল পুক্লিং চংলমই। কান্তবাবুগী মমানদি ফমুং অসি তোঙান্দনা ইমুংদা অসুম পুন্না থানিংলমই। অদুবু কান্তবাবুগী মন্দোন্নদি কন্না য়েংখি—ফমুং তোঙালবা তৌগদবনি—, ঐখোয়গী ইচে'সিমা মতমগী ইরাংদি খংজ্রদুনা—। "মন্দোলগী রাঙাং তাবদা কান্তবাবু হায়নিঙাই লৈতনা হরাও-রমই, মন্দোলগী মখোঙ পাইদুনা চুপনিংলমই। অদুবু মপাল থোকউবদি য়াদ্রবনিনা লুহোংবা লোইরগা মন্দোলগী ফুরিৎ অমতংদি খোনগে নিংখি। মতাং অসিদা ঐনা "কান্তবাবুগী খম্মোয়দা নুংশিবগী কা মচা অমতং লৈরমলবদি খম্মোয়গী রাণী ওইগদৌরিবী ক্লাস টেনগী ছাত্রী সুমতিগী য়াওনফম নত্তনা কনানা খুৎ থিংজিল্লগদগে।" ঐগী রাহৈ অসি ফান্তবাবুনা অনিরক

হলহন্নিংলমই। অদুবু "মসি অতাওবা রাহৈনি।" হায়দুনা ঐনা য়াখিদ্রে।

বর বার্ত্তনগীদমকতা কান্তবাবুনা মাগী অথোইবা মরুপকী মিং খর মথং মথং হায়রকই। ঐনা কলম পাইদুনা খোংচিল্লি:— শ্রীকান্ত, নীলকান্ত, নিশিকান্ত, রাধাকান্ত, মমকান্ত, নবকান্ত, লক্ষিকান্ত, রজণীকান্ত,—।"

"রজণীকান্ত হায়বদি ?"

"হেরা বাবুবু হায়বনি।"

"এঃ ঐগীদি হাপ্পীরুগনু, কর্ম্মধারী ওইনা লৈজরগে।"

"বাবু! মী অমা চিংথগোরে— বার্ত্তন তৌদ্রবদি প্রমান্ন মপুল মপুল হুঞ্জিল্লকতুনা ডাকল্লাকপা ওমহৌরোই।"

"কনানোনে ?"

"নলিনীকান্ত"

"নলিনীকান্ত হায়বদি ?"

"তেরা, গৌহাটিগী"

"ওঃ প্রেফেসারদো—। মহাক নহা ওইনা কোইখাক অমা তৌই। মাগী থম্মোয়দো কাতুক কারল য়েকশিল্লমগদবোইগা মানথ্রেদা— !"

"হাই— মী সাধুনি। মাগী বাইপোষ্টা থাবা হায়বহুনি।"

"নুপীগীদিঃ—। সরোজনলিনি, সরোজিনি, সবিতা, স্বর্ণময়ী, স্বর্ণলতা, সাবিত্রী, সরোজলতা, স্নেহপ্রভা, সরযু— ।"

"সরযু হায়বদি ?"

"অঙাং ওইরিবৈগী লাইরিক তম্মিন্নরিবৈগী মরূপনি। মহাক নহা ওইনা রাখল খল্লকলবীনি।"

"এঃ কৈনো অমা নিংশিংলক্লে। মণিলৈমদো নংগী লুহোংগদৌরে তাবদা চিন্তা তৌবনা পোথাবা ওইখ্রে। মিত্তগী পিতানা নংবু নিংশিংইয়ে। নংগী নশক উরগা থওইরমদবদো চিঠি অমা পিরকই—।"

"কনাদা পিরকইবা ?"

"ইচে শ্যামাদা পিরকইয়ে—'ঐ কাওরুরে। য়েংউ ?"

চিঠি :—

কান্তবাবু।

ঐ লমন তোঞ্জরে। হয়েংমুক্কী মপোক থাজবিরদি—।

মণিলৈমা।

'মাগী চিঠিসে শারৈ কোন্নবা কান্নগনি। মতম অমদা ঐনা মাগী আশা হংউবদা পাউথুম পিরমল্লবদি ঐগী নাক্তা লৈজরমগদবনি।"

"অঙ চুম্মী—। নুপীনা শক অতুক য়াম্না যত্তরবদি নিবা কাইবা নত্তনা করি ওইরক্কদগে ?"

"ঐ মাগী রা তাজনিংদ্রে, মাগীদমক্তস্থু পুন্সি কেমথ্রে' ডাইখো, ঐগী বার্ত্তন অসিদা হাপনবা নংগী কবিতা মচা অমতংদি শেম্মুদনা—।

"কবিতা-', কৈনে অসি য়েংউ, ঐ শেমখ্রে।"

কবিতা :—

বসন্তগী অনৌবা লৈেকোনদা
যৌবনগী লৈরাং শাংকাইরকলে
হায়বা কবিতা অসিগা
যৌবনগী অনৌবা লম্বীদা
স্বর্গগী লৈরাং খিকথবকলে

হায়বসিগা কনানা ফজে। নংনা অপাম্বা অমা খনবা য়াগনি। ঐগীদি শিজিন্নবা য়াগনি, পুথোকরকইবসিনি।"

'অবোনবগীসিনা ফজবা হেল্লি। অদুবু ময়ামনা মথক্কীসে পামলমগদ্রা? অদুবু ঐদি মখাগীসিনা ফজে—।"

"ময়ামগীস্থ য়েংদবা য়াদে।"

"ফরে বার্ত্তন তংখাই অমনা মখাগীসি ওইহল্লো। বাবুনা বার্ত্তনসে তৌবীবা তাই।"

"অদুবু কয়াম তৌগদৌরিবনো?"

ঐগী লুহোংবা অসি ময়ামদগী থোইদোক হেন্দোক্ল চাওরে। ঐখোয় পাবুংনা ঐগীদমক থোইদোক হেন্দোক্ল অখাকপা লৈখিদরে। বর বার্ত্তনসে চনিরোম খর হেন্না তৌবা তাই।"

"লুহোংবা লোইরগা কমদৌবা?"

"নো এডমিনিসন—। খংলব্রা?

"এঃ"

"বাবুবুদি রিথ পার্মেসন—।"

মণ্ডানি চাক্কৌবগী নুংদাংনি। কা অসি ইনৌনৌবা পোনাপিক থল্লি, য়েংখি য়েংখিবদা ইর, ইব লংনা উরি। অদুবু

কাংথোল অহনবা, উপু অহনবা, অসিনা ফজবগী মতাংনা শিজিন্নবা যাখিদ্রে। ফজবগী মতাংদি মী অহনবসিদা, যেংবা তাবে। মতম বুইনা মমা মপাগী মনাক্তা চাওজরব্রবী সুমতি ঙসি কান্ত-বাবুগী ওইথংবা নাকন্দা ফমলবে। ফম্বদা নত্তনা মোনলাং অমতদা যাতামিন্নববনি। ঙসিগী লেমর্টন অসি খর হেন্না ঙাল্লি। কান্তবাবু অমস্তু স্তুন ত চৌকি অমমমদা ফমলদুনা লাইরিক পারি। মৈ তকপগী খুৎ তংথোকপনা মরক মরকতা খুৎ থেঙ্গাইনবস্তু য়াওবমই। কাবগুম্বা মতমদস্তু সুমতিগী খুৎনা কান্তবাবুগী খুৎকী মথক থংবস্তু ময়াওই। কা আসগী মনুংদা মখোয় অনিদা মঙাইববস্তু কান্তবাবুনা ৱা ঙাংথোকপা ঙমখিদে। অদুবু ৱা ঙাংনবগী হাযকুরবাদ মিৎনা ফল্লপ, ফল্লপ য়েংবসি ৱাবকলদুনা মচক য়াওবকলবনি। সুমতিস্তু কান্তবাবুনা ৱা অমুকতং হৌদোবকলবদ মতুংদি ঐ শমথরব্রুগে খল্লকলবনি। কুইাদ কুইদ্রে, কান্তবাবু ৱা ঙাংবা হৌরকলে, সুমতিদা হাইকেৎতং য়েংলমলগা "লাইরিকসি ফন ফজৈ—" খুদক্তা সুমতিস্তু "ঐনা পারি'সিস্তু ফজৈ-' লাইরিকতুবু কনানা লেংবনো ?"

ফোংদোকনিংবা ৱানা হানখিদুনা কান্তবাবুনা হায়রকই "লেংববুদি ৱাইটরনা লেংবনি—। অদুবু লুহোংবগী মমাংদা নুজাশিংনা করি খল্লমগদগে ?"

সুমতি নোকফেৎ তৌরমই "খংনিংব্রা ?" হংলমই।

কান্তবাবু ' অঙ ! কনিনা যৌবা ঙমদবা ৱাথল কয়া লৈরম্বা তাই।"

সুমতি "নীপাগীদিনা- ?"

কান্তবাবু "সুপীগী রাখন্না ফজবা হেল্লমগনি।" সুমতিনা নিংশিং নিংশনা মথং মথং হায়রমই মতম অদু নিংশিংই। হায়বা লাকপা নুমিং অদুদা ঐগী পুক্নিং অসি ইরাং লাংলমই। চাকস্থ খিংথং চারগা পুক থনবগুম হৌরমই। ঐখোইগী ইচে, ইনে খুড়াহোইনা চাক্কৌবত্ত ইমা ইপাগী শাগৈদা তিল্লিখৈদা চাবা চাক অদু ওইরমদ্রে, মখোইগী শাগৈদগী লাপথোরকলে। লাপথোবকপা মতিক নকশিল্লকইবসিনি—। মতাং অসিনা কান্তবাবু নোকফেৎ তৌই।

"ঐগী মরূপ মপাংশিংনা সুমতি নংদি অনৌবা সংসার অমা ফংগদৌরে হায়না তক্তনা লাকনখি। মতাং অসিদা ঐনা ইকাইবা উৎলবস্থ থম্মোইদা মফম খংদনা নুংশিবগী ইপুং কয়ামরুম চেম্থরমই। তক্তনা মখোইগী লক্লবা তানিংলমগ—, মশেল মঙাল—। মখাদি হায়জবা ঙমজদ্রে।" অসি হায়রমলগা সুমতি মরু লুকথরমই।

কান্তবাবু মরোল থোবখিদ্রে। সুমতিগী থুমলবা রাহৈশিংনা মাগী থম্মোই পুনখিরমই। মিৎনা য়েংবা অসিনা সুমতিদা পাউখুম পিরমই।

সুমতিনা অমুক তপ্প তপ্প হায়রকই "লুহোংবগী মতম নকশিল্লকলে, নুংশিরবা ইমা, ইপা কাইনগনি খল্লুবদা মিত্তগী পি শিন্থবমই, অদুবু থম্মোইদি চোৎখিদ্রে! মসি মতম ওইরমাল্লে। ঐনা নীপা ওইরমলবদি য়ুম থাদোকতুনা চৎপা ফন রাররমগদবনি।

অদুবু ঐনা য়ুম 'অসি য়ৌরকপদা চিংনবা লৈখিদ্রে। অসি হায়রমলগা "মখাদি নংগী য়ুমদা লৈরবনিনা—" হায়রমই।

কান্তবাবু "লুহোংলিউৈদা করি রাখল পোকখিবগে?"

সুমতি "মদু ঐ জ্ঞান তাদনা তৌখিবা থবকনি। মেজিক যাদুগী খুৎনা ঐবু ওইহন্নিংবা মওংদা ওইহনবগুম তৌখি। ঐগী পাবুংনা পুজা তৌদুনা মন্ত্র শোনবগী মতাং অদুদা থোইদোকন পুক্নিং নুংশিবা পোকখি। মতম কুইনা মনাক্তা চাউজররকলবী মচানুপীবু বীদায় পিরিবনিকো খল্লুবদা খঙহৌদনা পিগী ঈরা চেনখিরমই। মপা মচাগী নুংশিবগী মরক্তা লাপথোক্লবগী লৈচিল অমা খনবগুম তৌরমই। অদুগা লৈ হুকপগী মতাংদা হায়কম খঙদবা থম্মোইদা আশা অমা পোকখি। মসি ঐগী থম্মোইদা মতম কুইনা লৈহৌরগনি। মসিনা লুহোংবগী ইত্তোপ তোপ্পা মন্ত্রগী মগুণ ওইরমাল্লে। মতাং অসিদা তিল্লিবা লুহোংবগী মীয়াম অদু লৈতেংগী লৈরাংগুম উরমই। ঐনা—।"

কান্তবাবু "মদুদি খঙনিংইবা—তুমিন লৈরগনু।"

সুমতি "ঐনা আশানা ভাওরবী—লৈকোন্দা খিরিবী—"

কান্তবাবু "মরিক চুমদ্রি—"

সুমতি "ঐগী আশানা মুন্দুনা কেল্লকলবদি কনানা খুনবীগনি?"

কান্তবাবু "মদুনি" হায়রমলগা সুমতিগী কুশুম লৈগুমলবা খজাইদা মুন্না য়েংলমই।

সুমতি "নিপানা নুপীবু মুংশিরমগনি হায়বসে থাজদে।"

কান্তবাবু "ঐনা নংবু নুংশিবদি থমোইগী ৱা ওইবনা ফোংদোকপা ঙমদ্রবনি।"

সুমতি "অদুনা ওইৱেসে নহাল নুংদাং—"

কান্তবাবু "আ - মদু" হায়রমলগা খ্‌ৎহৌদনা মোমোন নোকথোকলমই।

সুমতি ইকাইরপ তৌনা ঙহাক্তং তুমিন লৈরমলগা "নংগী বর বার্ত্তাণদা কবিতা মচা মওং অনিগী য়াওবদো কন কৈজে। কনানা শেম্বনো ?"

কান্তবাবু "ঐগী মরুপ এসাংলৈকাইদা লৈবা রজনীকান্ত হায়বা'ধুনা শেম্বনি।"

সুমতি "আরকে এসাংবম হায়বদুরা ? মদু মীনা ঙাওরে হায়নৈ চুমব্রা ?"

কান্তবাবু "অও, অদুম হায়নৈ। ঙাওবদি নত্তে, ৱাখল অমা তৌই। হায়বনি।"

সুমতি "মহাক নহা ওইনা ৱাখল খনগল্লি-। হয়েনদি ঐগী ফমুংদা তুম্বীরগনু।"

কান্তবাবু "ঐগী ফমুংদা অমুক তুমসি হায়ব্রা ?"

সুমতি "ঐ নংগা তুমমিন্নবা ঙমজরোই—।"

কান্তবাবু "করিগী ? ফুরি শিকউকা হায়ররোইদা -।"

সুমতি "নংনা ঐগী নাক্তা হিপলগা থম্মোইসে লাংতকনৈ।"

কান্তবাবু "করি তৌরবা ?"

সুমতি "নংদি মীগী আশাদি উবীদে ।"

কান্তবাবু "ওঃ নংগী আশা -. খুদোনবীনা নঙ্গন্দা ইবকউন্দনা।"

সুমতি "ইকাইদ্রা ?"

কান্তবাবু "হকাইরগা অচুম চারু, চারু লৈজবা হায়বচুনি । কমদোকনি।"

সুমতি "ঐগীসু ইকায়দব মতম লাকখিনি।"

কান্তবাবু "ওঃ নখোইগী মতমদো-, মতম অচুদদি ঐ নংগী নন ক্রা হিপ্পববাই।"

সুমতি "ঐদ নংগী ফম্মুদা হিপকনি।"

কান্তবাবু "হিপাচৌ, ঐনা মিকপ থোকপিদ্রগা লোইরে।

সুমতি "খুজিন্ন শিকলবদ ।"

কান্তবাবু "এঃ তুমলিদ্রেদবু "

সুমতি নোকলমই "পাঙ্গল শোনবী ঐখোইগীসু উপাই থিবা তারেদনা-।"

কান্তবাবু "ফরেনে, নংগী উপাইদো তত্তনদি শিঙিন্নরকনু -।"

\+ \+ \+ \+ \+

নোংমা সুমতিনা লাইরিক তম্বা কুম্মকপদা কনাগুম্বা অমনা "ময়ুম পাল্লবসু লাইরিক তম্মী" হায়না নোক্করমই। সুমতিনা ইচং থৌনা পাউখুম পিরমই। "নীপানা মতু থিরগা লাইরিক তমলিবসিদি- । নখোইগুম্বা নোক্ক চাওবা অসি লৈচুনা নুপীগী সমাজ মাংলকলবনি।" নিংথৌকাবা নুমিৎনি। কান্তবাবুগা সুমতিগা, সুমতিগী মপামদা চাক্কোবা অমা চৎলুবা হল্লকপদা

লম্বীদা খব অহল ওইরবা নীপা অমনা অস্থুম্না নোক্নরমই "মতৈ মনাও লম্বীদা রারি শানা চৎলহুনা—।" স্থুমতিনা নীপা অহুগী রাঙাং লোইদ্রিবৈনা পাউখুম পীরমই। পুন্সিসিমবী অক কন্ত তাথোক তাশিন তৌহুনা পুন্সি লেনমিন্নগদবা মাগী স্বধর্ম্মিনীগদি লোয়নব্রহুনা সতী কনাগা রারি শারুগদগে। মসিগুম্বা পুকচেল পিকলবা রাখল অসিদগী নুপীগী থম্মোয় নৈরকলবনি।" কান্ত- বাবুনা স্থুমতিদা হায়খি "হৌজিক্কী লুহোংবা অসি মতমগী লুহোংবা হায়বহুনি। থাইনগীনা থাইনগী—।"

স্থুমতিনা খুমলমই "চুম্মী, নুপীনা ইমুংদা কাচিন লাইমুগুম লৈবসিনা গুহামনুংগী হঙোই ওইরকপা নত্তনা করি ওইগদগে? মখোয় অহু মমা ওইরকপদি থাজদে। মপ্পি ওইরকপদি খন্নবা য়াই।" মখোয় অনি অস্থুম রাবি শাহুনা লাকপদা কান্তবাবুনা রাখল অমা য়াম্না খংনিংবা পোকতুনা স্থুমতিদা হংখি "লুহোং- দ্রিবৈগী মমাংগা হৌজিক্কী রাখলগা কয়াম খেনবগে?"

স্থুমতি "মহুদি খেনমমনখিহুনা ইশা ইথনতবু থাজবা ঙম- লকত্রে। মমাংঙৈদা ছাত্র অমনা ঐবু আশা তৌখি। ঐনা মাবু উবদা লু লুকথৈ মমাংদা খোং থাংহুনা চৎপা ঙমখিদে। মহু নিপা নুপীগী মিৎয়েংগী শক্তি হায়বদো ওইরমাল্লে। অহুবু ছাত্র অহু হৌজিক্তি হরাও হরাও "ইবুঙো" হায়না কৌবা ঙম- লগনি খল্লে। মসি করিগীনো খঙদ্রে। মাহুস্থ নত্তে, অন্নান্বা ফিজেৎ লৈতেংলিবা পাখংশিংসে মাংদা চেন্দুনা শান্নরিবা অঙাং- দোনা উরকপস্থ য়াওরকই।

কান্তবাবু "রাখল অদু ফন খেন্নবোইরে, ঐস্থু হৌজিকতি লৈশাবীশিংসে মনাকতা চোংশিন্দুনা রারি শাবা ঙম্নগনি নিংলকে।"

সুমতি "নংগী নকোই খর চরা, চবা খাকইবদো কবিগীনো।"

কান্তবাবু "মদু হংল্লক্কনু। নুপী অমগী চাক্তক্কগী খাক খবনি। মচাকথক্তা সংসার অসি অরেম্বনি খনখি।"

সুমতি "ঐ লাকলবদি কোকথোকওদনা—।"

কান্তবাবু "আ মদু খন্নবা য়াই।"

সুমতি "নখোইগী অরাংথংগী হনুবীচুনা ঐবু মৌ ওইবগা খোইগা শেংলি হায়না নোক্লরিবদু কবিগীনো?"

কান্তবাবু "অঙ! মানা নংবু তত্তনা নোক্লবগুম তৌই।"

সুমতি "মসি নোক্লফম থোক্তে, মতম্ননি। মখোয়না লৈশারকপা মতম অদু হৌজিক লেংদনা লৈরমলবদি ঐস্থু অস্থুন তৌরমলোইদবনি। মানা চৌজক্কী মতমসিদা লৈশাবী ওইরমলবদি খোইগাদা নক্তে, খরবু চোস্তনা শেংলমগনি।"

কান্তবাবু "নংগী শমপোংবসে খরদং হন্তবনা ফৈ।" সুমতি নোকফেং তৌরমই "হৌজিক্তা পোংচৌদনা করম্বা মতম লাকখিদগে?"

কান্তবাবু "হায়বদি মমা ওইগদৌরে—'সিরা?"

সুমতি "ওন্থোক্ল তঞ্জাখ্র।"

কান্তবাবু "নুপী ওইবীগী গুণ অমা'নিদং হায়য়ু। মমা ওইবা য়ারগদ্রা য়েংগে।"

সুমতি হায়ক্লেতুং ইকাইরমই "নুপা ওইবীগী গুণ দি থংম্মোয়গী খাংবা কনবগী শক্তি—। অমনা যুমগী মবেম্মা। খংবীবরা ?"

কান্তবাবু "অহুদি থংম্মোয়গী শক্তি অমতং প্রমাণ পিহ্নবা হায়যুদনা –।"

সুমতি "হায়গদবা ইকাই ।"

কান্তবাবু 'এৈভোন্দবু ইকাইরিবা – ?"

সুমতি তপ্প তপ্প হায়বকই "নিপাগী থংম্মোয়গী লিক্লা অহুবু নুপীগী থংম্মোয়দা য়োকলগা মচাগী মুত্তি শেমগৎলি।"

কান্তবাবু "ফবে, ফরে, নং মমা ওইবা য়ারগনি।"

সুমতি "নিপাগীদি – ?"

কান্তবাবু "নিপাগী গুণদি নিংতম্বা পামই।"

সুমতি "হায়বদি থংম্মোই য়াওদে।" মতাং খাইদা কান্তবাবু এম, এ, ওইহনসু পাউখুম পাক পিবা ঙমখিদ্রে। অসুম্ন খুমলকই নংনা নমিৎ উইরুম, উইরুম তৌহুনা রা ঙাংবহু তত্তনা শিজিন্নরক্কনু। মহুন' এৈবু তত্তনা ঙাওহল্লি।

\+ \+ \+ \+ \+

নুমিদাংরাইরমনি। কান্তবাবুনা মফম মবাস শংতুনা চৌকিদা ফমলি। মরক মরকতা দ ড়ুপা অমুক অনৌক য়েংলমই। অমুকসু "পুং মরি তাবা ফাওবা" শোল্লমই। সুমতি লাইরিক তম্বা কুম্মকত্রি। কান্তবাবুদি সুমতিগা লোইননা সিনেমা য়েংবা চৎকদৌবগী শেম শাবা লোইরে। মহাক্ন অস্থুক লাংতক্নলা ঙাইরিঙৈদা সুমতি লাইরিক তম্বা কুম্মকলে। কান্তবাবুনা ঙাইরিহু

সুমতিনা উখিদ্রে, ইমুংদা থুনা য়াংনা চংখিরমই। টেবিলদা লাইবিক লংশিল্লমলগা মফি হোংবা নংদনা চাকখুমদা চংখিরমই। সুমতি চাকখিবদা নোঙ্গজববসু যৌবনগী মপুং ফারবা মুর্ত্তি অদুদি ইহাং হাংনা তরু তক উরমই। কান্তবাবুনা চাকখুমদা চংলকপপদা অহাংবা ফিজেক্তা চাকথিবদু ইকাইবদুনা সুমতিনা চফু পোপ থাদরমদুনা কাচিন অমদা চেনশিনখিবমই। কান্তবাবু খংবগা লোইননা য়াম্না কন্না "চফ্ কাইবে।" লাওরমই।

ফমুংদা ভদাইমখৈ তুমলিবা কান্তবাবু অসি "চফু কাইরে" হায়না কন্না লাওবদুনা মিকপ থোরকলে। ফমুং ময়াইদা ফুক হৌগংতুনা ফমলমই। ঐসু মানা কন্না লাওরকপা অদুদা উইরুম, উইরুম তৌদুনা প্রণয় হায়বা কবিতা অদু পাইদুনা হৌগংলমই। কান্তবাবুগী মংো উবদা মহাক্ল হায়খিবা "ঐনা নুপী থিরবদি ছাত্রী লৌগনি। লাইবিক তমহনগনি।" হায়বা নিংশিংলকতুনা, ঐনা নোকমি নোকমি তৌদুনা "নুপী মচা অদুবু লাইরিক তম্বা কুম্মকলব্রা"? হংলমই। কান্তবাবুনা খর ঙকলপ তৌনা "আ-নংগী কবিতা'দু ফন-ফজৈ" খুমখি।

তাং ৬। ১২। ৫২ ইং

ইম্ফাল।

নিপা নুপী

মীগী নুঙাইবা তিম্নদে। নকশিন্নরগা নুঙাইবা অমা, থাপ· তোক্লরগা নুঙাইবা অমা; অমনা মশক উদবা পোৎশক্তা রাখন্না নুঙাইবা অমা—। ময়ামগী ওইনদি নকশিনমিন্নরগা নুঙাইবসিনা মশিং য়ামলম্বা য়াই। বীরেনগীদি ঐনা ইতোপ তোপ্পা হায়বা ঙমই। মহাকতি হকচাংদা নুঙাইগদৌবা শরুক অহু রাখন্না নুঙাই· থোকই। ইন্দ্রিগী খৌরাংবা থমদে, হকচাংগী ফজবা থনদে। মতম নুঙাইবা শরুক পুম্নমক রাখন্দা শিন্নরমই।

হন্দক মরক বীরেনখোইগী ইমুং অসি য়াম্না ইরাং লাংবগুম তৌই। বীরেন্না মখোয়গী ইমুংদা মিকুপ অমা ফাওবা লৈনিংদে। মচে, মন্দোল, মতৈমাশিংনা তত্তনা মুরুম, মুরুম শোল্লি "নুপী থিবা মতম ওইরে, মশানা খঙনা পুশিল্লক্কেস্থ হায়দে। মীনা হায়বস্থ য়াদে। হায়বদা হায়জিল্লরগা খনখিগে। খল্লিঙৈদা হনুবনা হাল্লগনি। "অমনা অমুক" লাইরিক তম্মীনিয়ে নুপী থিবগী লাইরিক্কদি তম্মকতমাল্লে।" নুপী ময়ামগী খোঞ্জেল অসিনা বীরেন্দা অন্দোলনগী খোল্লাওগুম লাওরমই। বীরেন্না খল্লমই, "অমুকস্থ মথন্তা হংলমই" নুপী থিরসিরা ? নুপী থিরগা কৈদৌবা ? থিদ্রগা কমদৌবা ? খিবা তারবদি মশক ফজবা, ঐনস্থ নুংশিবা—।" অহুম ওইনমক মহাক্কী রাখন্দি ফোংদোকখিদে। করম তৌনা নুপীগা মরী লৈনবা হোৌবা, নুপী থিরগা ওইরক্কদবা ফিভম। লৈমিন্নরগা কয়াগী মতিক নুঙাইবা, কাইনরগা কয়াগী মতিক

ৱাবা মওং মওংগী ৱাখল হৃক্তিল হাঞ্জল খল্লমলে । মমৈথৎদ নৈ্থ নিপা মচানি অমুক্তংদি লইবক চাং যেংগে খল্লবই । মতৌর লৌগদৌবিবা নুপী অসিসু মশক মাংতা যাম্ন ফজবী নুপী ওইবনই ।

লুহোংবা হায়বসু মীওইবগী মপুং ওংবা অবাংবা থাক অমনি । সমাজগী থৌদাং লাকলবনি । নহুগা লইনবা চঙল, লমন, মাবমতাগী —। মহাক্কী ৱাখল অসি মথন্তগী নৎলকত্রবন ময়ামগী শকুকসু যাওবক্লবনি। বীরেন্দ্রদি অসি পুন্নক নত্তৈনবা ওইববে । মহাক্কী নুপী অহুগা মিকুপ অমতং তিন্নব যাদ । নীপা অমগী মথক্তা নুপী অমগী চপ চাবা মিৎয়েং লৈ হাননসে মহাক্ক শুকযা য়াবমদে । নুপীগী মপামদা কবিগুম্বা থৌদেক অমা থোবকপদা মহাক্ক নিংথি নুডাইনা চৎলু য়াবমদে । অস্নুম্না মতুদা হায়রমই "নখোয়গী অহল লমন্নিযে ৱা ঙাংবগীসু লোইবা নাইদে, নিঙোল মৱানি হাযতুনা পংবা তাবিগদৌবোই নিংমাল্লে । লুহোং-বদা বেন্দ য়াওবম্মী হায়তুনা শাওবকপদা অহুনগী যাম্না শাওনিংতুনা লৈরিবনি । নুমিৎতু লুহোংবা তোল্লসিবা খনখ্রবনি । নমায যেংতুনা হন্থবিরবনি ।" মাগী নুপী অহুসু পাউযুম হৈবা ওইবমই "মাগী মচা নুপী লৌবীবগা পোংবীবিবোইবে । নুমৎ খুদগী চংতুনহুম খুরুম্মুগদবনি ।" হায়রমই । বীরেন্না মগাং আসদদি ইচং পংথৌ থৌবা ঙমলমদে "অমুক চৎপা তৌদ্রবসু ইবেম্মদা অসুম পুন্না খুরুম্বদি য়ারোইদ্রা ?" মহাক্কী নুপীনা "ইকাইসু নাইদে —।" হায়রমই ।

বীরেনগী নুপী মুহিণী নীপাগী পুকচেল য়েংবী হৈবীনি ।

নুমিৎ খুদিংগী বীরেনগী খোংথাং য়েংবা হৌরকলে। অতিং খজিক্তং থেংনা হক্তিন্নকপদা চান্না হেল্লমই, ফি খজিক্কং নান্না শেংতুনা চংখৎবদি নুমিৎ তবেংনি কৌনদ্রে। "নোংমদি মৃতিণীনা হংলমই" নহাল খোংনাংখোঙদা কা চানিন্নবা নুপীদো কনানো। "বীরেন্না ঐগী মরূপকী মচননি। ইচনগুন্না হ[illegible]ইনবা [illegible] পিজবনি।"

"ইচন ওইহুনা [illegible] য়ান্না [illegible] অমা তৌনৈ হায়বদি।" বীরেন তুমিন লৈবমই, [illegible] লৈরগা "নহাক লৌ[illegible] নুপী [illegible] শাবা য়াদবা তারে।"

"[illegible]ন্দক মবক্তি [illegible]বি শাবগা য়াম্না হৈবরে।"

বীরেন্না খব শাওনা "কদিনো? নহার্ক হায়রিবসিনু?" মৃতিণীনা কাবিস্থু [illegible] "নহাক [illegible]ইদা হল্লকইবহুনা ইচল কনাগীদা চংপকবা?"

"মহুদি সিনেমা ডবলসো [illegible]নি।"

"বন্ন ই ডবল সো য়াম্না লৈবমাল্লেদা—।"

বীরেন তুমিন লৈবমই, শা[illegible]নি বনস্থু লোইরে। মতা অসিদা মাগী অঙাং অহু ইনুংদগা কপ কপতুনা [illegible]। বীরেননা মৃতিণীদা "অস্তুন্না হাযববই" [illegible] অমা পোকলগা ইচাও চাওথোকলহুনা— ।"

বীরেনসে মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীগা মত ইতন ভিন্নদ্রে। মতুদগী নাম্থোকলগা মমা মপাগা অমুক ঙংনরমই। মমা মপানস্থু" "হৌজিক্তি যুম পাল্লবনিনা মহৌশাগুম তৌনিংবদা তৌহুনা লৈথোকপা য়াদ্রে। শেল থুম চোকশিনগদবনি। অঙাং নুবী মফি

মরোল অরাৎ অরাৎপা য়েংশিনগদবনি। পংকোই কোইথোকপা পংচৎ চথোকপা য়াদ্রে। হৌজিকতি য়ুম অসি নহাক্ত পুরগদবনি।" বীরেন্না করিস্সু খুমল্লমদে। নোংমদি য়াম্না শাওনিংলমাল্লে অস্সুন্না খুমলমই "বাজিগা ইমাগা লৈরিবৈদা য়ুম অসি য়ুমফমগা কোম্নরা থোনগৎপিরম্মো। মপুং ফানা মপুজরগে।" বীরেন্না মহৌশাগুম মতম কাইথোকতুনা শিজিন্নবা ঙম্মক্রে। লাইরিক অমফাও পানবা মতম শংশিল্লক্রে। থর তৌরে—মীগী লুহোংবা থোক্লে, পোৎয়েংশেল চাওবগী ষষ্ঠীনি চত্তবা য়াদে। লৈকাই চাক চাননিয়ে – মতুগী শেল। নন্দোলনা নারে, হংদবা য়াদে -। নংগী নকুবোক্ত লাও'য়ে—। নুমিৎ খুদিংগী মাগী নাকোংদা ঙ্ংঙং ঙংলমই। মখোয়না হায়বা ইন্দ্রগস্সু "নতু থিরবনি" হায়বগুম মতৌরমই। বীরেন্না "ঐদবু তোঙান্না লৈজরগে, মহোইদগা তিন্নজররোই।" খল্লমই।

বীরেন মথন্তা তোঙান্না লৈখ্রে; অরাংথংবা য়ুম মাগী লাইরিক তৌফম অতুদা কনাস্সু চংহন্দনা লৈরমই। মফম অতুদা ফিলোসোফিগী লাইরিক মখৈ পুশিন্দুনা পারমই। পুন্সিগী মওং মওংগী খোল্লাও অয়াকপা, অখাবা, অথুম্বা পুন্নমক অমমম নৈনতুনা য়েংলমই। অতুবু মথন্তা লৈবা অসিনা অমুক হেন্না মীরা তাবা মশিং হেনগৎলমই। লৈকায়গী মীনোক লাকলমই, য়ুমথোং খুদিংদা মহাকপু অঙাওবগুম ঙাংনরমই। মমা মপাগা তত্তনা খৎনবা হৌরকলে। মমানা হায়রকই "নং অঙাং নত্রে, খংলত্রা? নতু থিরবনি। নং তৌ'শারিসিবু কৈদৌরিবা হায়'তুনো? তোঙান্না

চাগে হায়রবস্থু নতু অসি পুশিল্লু। ইমাহোই করি অমতা শাও-রোই।" বীরেন্না করিস্থু হায়রমদে, মরব মরক্তা করিনো তৌ-রিসিবো খল্লমই, তাবা ঙমলকত্রগা অমুক অমুক লাওহৎলমই "খংদে চৎলো ঐঙোন্দা করি অমতা হায়বীরগনু।" মমানা শাওবগী হায়নিঙাই লৈরমদে "নং তৌরিসে লৈকাইনা নোক্সবা তাবা ঙমদ্রে। ইমাহোইগা লৈমিননিংদ্রবস্থু নতু অসি পুশিল্লু।" বীরেন্না "ঐ নুপীগা করি'তা খংদে। ইমাহোইনা থিজবনি। ইমাহোইগা অদুম লৈনিন্নৌ।

বীরেনগী মমানা "কৈনো? ইবুঙো নচা অমা পোকথোক্লগা নতুগা কাওরবোইরে।"

বীরেন্না "খংদে, খংদে, ঐ নুপীগা স্থুকখং খংদে। ইমা-হোইনা থিজবনি।" অসি হায়দুনা য়ুমগী থোং থোংনাও পাল্লিবা পুন্নমক লোনশিনখিরমই। বীরেনগী মমানা হায়নিংঙাই লৈতনা শাওনা চৈরমই "নপাঙ্গল চাওরগা মী উশিস্তে, মমা মপাদা ব্যবহার খংদে। নংগা তিন্নদ্রগা কৈদৌনি। পুন্সিসিমগী কৌনরোই, পুন্সি'সিমগী চংনরোই।" মখোয়গী ইমুং অসি য়ুম পানবগী অমুক্তং কাংখোং চাইবা হায়বা অদু তৌরে।

হৌজিক্তি মুহিণী নুমিৎ মঙানি তুমিন লৈরম্নগা কনাস্থু খংহল-লমদনা, বীরেনদস্থু রাহৈ অমফাও হায়রমদনা মাগী মচাদু পুরদুনা মপামদা চৎখিরমই।

বীরেন্দি কমদৌরি। য়ুমপানবগী রাখল অসি মহাক্ল পুবা ঙমদে হায়বসিদি মহাক্কী মতৌদগী খরদি খংবা ঙমলমই। অদুবু

নিপানা নুপীবু নুংশিফম থোকপা থম্মোয অতুদি মঙোন্দা শুকনৈ লৈত্রব্রা ? মুহিনীনা মপামদা চংখিবা নুমং অতুনগী বীরেনগী রাখল অমা হোংলমই। নোংমা নোংমগী মুহিণীবু কাওদনা নুংশিবগী রাখল অমমম হাপকংলমই। নকনবিঙৈ মতমদা যেংনিংলমদববু লাপথোক্লরবসিদদি মাগী রাখন্দা লুপলমই, লাইগী মচ গুম ফজরমই। মুহিণীগী রাখল নত্তনা মঙোন্দা শান্তি লৈবমদে। নুমিদাংরাইরম চথোকপা মতমদস্মু কনাগস্মু তিন্নরমদে, মথন্তা অচিকপা মফম অমদা চংলমই। খোংথাং খুদিংগী মুহিণীগী রাখন্না পুরমই, অমুকস্মু মমিত্তা তরু তরু উরমই, খংহোদনস্মু "মুহিণী" হায়না হায়দোকখিবস্মু য়াওরমই। মহাক্কী অসিগুম্বা রাখল অসি মরূপ মপাংশিংগী মফমদস্মু রারি শানিংলমদে। কনাবুস্মু খংহননিংলমদে। অমরোমদা অয়ুক নুংথিল ফাওবা মপাল থোক্কদবা ইকাইনরমই। অহিং ওইরকলগা মীনা তুম্ন হিপ্পথ্রবা মতুংদা বীরেনদি মপাল থোকলমই। কনাস্মু চত্রবা অহিং অসিদা থুংফম নাইদনা চৎলমই, অমুকস্মু উপালগী মখাদা পোত্থারমই। অমুকস্মু থোংগী ময়াইদা লেপলমই। অহিং খুদিং অসি মহাক তুম্বা ঙমলমদে, কোইচং চংপনা পোত্থাবা ওইবমই।

নোংমদি অহিং অতু বীরেন্না ইকাইবা রাখল পুন্নমক হুনদোকলহুনা মুহিণীগী ময়ুমদা চংলমই। অতুবু মহাক লাকই হায়হুনা কনানস্মু কৌবীরমদে। ফিদা ফাওবা থাবীরমদে। মুহিণীনা মাগী মশক উবদা থোং লোনশিনখিরমই। লমলানবা, শকখংনদবা মীগুম বীরেন্না মিনিট মঙারোমদং মরু লুকথনা

লেপসমসগা চংখিবমই। মপুক্লিংদা খল্লমই "ঐনা তৌরিসিবু কবিনো ? কাওগে নিংউরবস্থু কাওবা ঙমদে।" অস্থুন্না তত্তনা মুকুম মুকুম শোল্লমই। মপুক্লিংদা অমুক্ক মাগী মফমদা হায়জরুগে খল্লমই। হন্দকীসিনা অনিরক শুবনি। মহাক্ক মুহিণীবু উবদা ইকাইবা পুন্নমক থাদোকতুনা "মুহিণী।" হায়না কৌরমই "ঐ নংগী নফমদা য়াম্না লানথে।" হায়রমই। মুহিণীনা "কনানো ? নশক খংদে, ঐবু কৌবীরক্কনু।" হায়রমই। বীরেন্না তৌনিঙাই লৈরমদে "মুহিণী! নংবু কাওঙমদবনা মফম অসিদা অমুক্ক চংলকইবসিনি। নহাক য়াওদ্রবদা ঐগী পুন্সি অসি লৈফম খংলোইদোরে।" মুহিণীনা লমন খুমনিংবগী মওং ওইনা "নহাল-ঙৈদদি রাখল খলহৌদ্রগা তৌজিক্তা ভাব তারকপ্রা ? নশানা নুঙাইনা খঞ্জহৌরগা করিগী চংবীরকইবনো ? ঐখোয়স্থু অহল লমন য়াম্না লৈ। ইমাহোইনা য়াম্না শাওই। অমুক হন্না মফম অসিদা চংবীরক্কনু।" বীবেন্না অমুক রা ঙাংগে তৌবকপদা মুহিণীনা ইমুং চংখরমই।

হন্না হন্না হায়জরুবদা মুহিণীনা মাগী চংজফম পিবীদ্রে। বীরেন্না হৌজিক করি অমুক তৌগনি। মমা মপাগী মফমদা হায়জগদোবস্থু ইকাইরমই। অদুগা মুহিনীবু নুংশিবসিদি থাদোকপা ঙমদ্রে। মহাক্ক খল্লম্বদি অস্থুক য়াম্না অরাবগী মশক ওইবা খুদোংথিবা লম্বী অসি থোরক্কনি খল্লমদে। য়ুমপানবগী মরী অদুস্থু মুন্না খংজবা নত্তে। চুমনদা নুপী থিজবনি। অমুকস্থু অঙাংগুম লৈজবনি। মরু ওইনা নিপা নুপীগী সংসার অসি করম্বা মওংদা

লৈরিগবা ? করম্বা ৱাখলগী ঈথকনো ? কুমগী নোংগুম পবেং পরেং পাইমিন্নরকতুনা পুখ্রি অমতদা পুন্না তামিন্নবা ওইরমগদ্রে ? নত্রগা সমদ্রগী ঈথক্কুম মতম নাইদনা তত্তনা ঈহৌমিন্নদ্রা ? নত্রগা মরুভূমিদা শি পা নুংশিৎকুম প্রলয়গী ৱাখল অমমমদা লুপনরমগদ্রা ? নত্রগা লৈদগী চেন্না থোৎপা, খুৎনা শোকপা য়াদ্রবা খুদোল অমমম— মদুবু থাবলনা খজিক খজিক খোম জিন্দুনা চেৎনা কিশি কিশনবা—।" অসি পুম্নমক নত্রগা মরুধ্যান লৈব, নুংশিবগী মরুভূমিরা ? হৌজিকমক্তি বীরেনগী থম্মোয়দা পোথাবা য়াদ্রবা নুংশিবগী চাকথেকলবা মরুগী নুংশিৎ শিংলি।

হন্দক্ক অহুমরক শুবনি। বীরেন্না মুহিণীগী মফমদা চংজারমই। য়াম্না নোল্লুক্ন নুপী অমদা নিপা অমনা পুন্সিগী অরোইবা হায়জফম অদু মুহিণীগী নাকোংদা তাহন্নিংলমই। "মুহিণী! ঐগী থম্মোয়না কাওঙমদ্রে। ঐবু ঙাকপিনবা নংগী থম্মোয়দা ৱাখল মরিক অমফাও লৈররোইদ্রা ?" মুহিণী চপ লেপলমই, করিস্থু খুমদনা বীরেনবু য়েংলমই। অস্থুম ঙহাকতং তুমিন তুমিন লৈনরগা বীরেন্না মচা অদুবু লৈপাকতগী পমখৎলমই। মুহিণীনা করিস্থু হায়দনা বীরেনগী মখুত্তগী অঙাং অদু মুল্লগা ইমুংদা চংখিরমই; অদুগা মাগী ফমুংদা মমাই অদু ফিনা কুপশিল্লদুনা কপলমই।

মুহিণীনা বীরেনবু শুকনুং নুংশিদ্রব্রা ? বীরেন্না হঞ্জিল, হঞ্জিল লাঞ্জরে হায়জবদা মিচিনফাও করিগী য়েংবীদ্রিবনো ? লৈকাইগী মমানবীশিংনা হংলমই "মুহিণী! নংবু বীরেনগা থাঙ্গৈশেংনা খায়নরগদৌরিব্রা ?" মুহিণীনা খুমলমঈ "ঐ মহাকপু নুংশি।

ঐ কাইনবগী অরাবসে মহাক কয়ামুক য়াম্না ফংবগে য়েংলিবনি। মহাক্কী পুকচেল চাং য়েংইবনি। হৌজিক্তি মহাক্কী পুকচেল খংলে। ঐনা হেন্না নুঙাইত্রে। করম্বা মুমিত্তা মাগী তুং ইনসিগে খল্লিবনি। অদুবু ঐনা অমুক হেন্না ইকাইদুনা লৈরে।"

হৌজিক্তি মুহিণী মফি মবোল নাম্না', মমায তরু তরুনা বীরেনবু ঙাইরমই। বীরেনগী চানবা ক্বা ফজনা তপতুনা থম-লমই। অদুবু বীরেনদি অমুক লাকখিদ্রে। মহাক্ক করিগুম্বা মতমদা বীরেনবু উনিংবনা মপাল থোকতুনা ঙাইরমই। ঙসি লাকত্রে, হয়েংদি শোইদনা লাকপা য়াই হায়না খল্লমই। অদুবু মহাক্ক অস্তুম্না ঙাইরম্বসে ঙমলকত্রে। মচা পিশক অদু পুবদুনা চৎপা হৌবকলে। মমানা উরদুনা "কদায় চংকদৌরিবনো ? মুহিণী!" হংলমই। মুহিণীনা "ঐ আদা চৎলবনি।" হায়রমই। "ঐখোয়গা য়াওদনা অঙাওবীদৌনা করমহায় তৌরিনো ? ঙসিদি নুমিৎস্থু ফত্তে।" মুহিণীনা "ইযুম চৎপবু নুমিৎ ফক্তবা—। কনাগা অমুক লোইনরুগনি।" মমানা করি করিনো ঙাংই, মহাক্ক করিস্থু তাবীরমদে,— চেননা চেননা চংখিবমই।

মুহিণী বীরেনহোইগী লৈকাই য়ৌবক্লে। মুহিণীবু উবদা লৈকাইগী মীনা "মুহিণী অমুক লাক্লে। মুহিণী অমুক লাক্লে।" হায়রমই। খর অমনা "মুহিণী মশক মতৌ ফজে। ঐখোয়গী লৈকাইদা লৈবা মতিক চাই। বীরেননা করিগীদমক তাম্থোক-ইবনো ?" খর অমনা "মশক ফজবসে, মপুকচেলস্থু ফজগল্লি।

ঈশিং শোকপী মমাননবী খরনা অমুক "মযুম পাম্নি লাকলগা কোইচেল চেনবসবু" নোকনবমই।

মুহিণীনা থওইনা তারমদে। মিকুপ অমক ও পন্থদনা বীরেনগী যুমদা চৎলমই। যুম অতুদা কন স্থ লৈবনদে। নুমিদাং রাইরম ওইবনা চথোকনবা মতম ওইরমই। মুহিণীনা মাঙ্গল কাখৎপদা মরাইবক কৎলমই, অতুগা ইমুংদা চংলমই। মচাক্র মাগী মচা অতু থাবতুনা যুমগী থবক তৌরমই। ইনুং মনু পুন্নমক রাইবম শিৎলদুনা য়াম্ন নান্না রাই তৈথোকলমই। কোল লিক পুন্নমক লংনা ফেংলদুনা তক তরু থমলমই। মঙ্গ ওইনা তুলসি থাউমৈ কৎতুনা ধুপ থাউমৈ থারমই।

মতম অসিদা বীরেনগী মমাস্থ কৈথেল কুমলক্লে। মুহিণীনা বীরেনগী মমাদা খুকমলমই। বীরেনগী মমানা "মাদি" মুহিণীনা খর ইকাইরপ তৌনা "চথোকখিমাল্লে।" "নখোইদগীদি লাক-মিন্নব্রা?" মুহিণীনা "ঐখোয়দদি লাক্তে।" "ঐদ নখোয়দা লৈখিবোই নিংই। যুমসিদা হল্লক্তনা ওসি কুননিরোম গুরে।" পাউ অতু তাবদা মুহিণীনা বীরেনগী লাইরিক তৌফমদা চংলমই। লাইরিকশিং অতুস্থ লৈপাক্তা খর টেবলদা খর ইচাই চাইবমই। বা অতু মী চংবীদবগী হৌনবা লৈমাই পুন্নমক কাকফাই কারমই। মুহিণীনা টেবল মথক্তা তারিবা লাইশিংদো ফাকতুনা য়েংলমই। লাইরিকশিং অতুদা বীরেনগী ড.ইরি অমা য়াওরমই। ড.ইর ফাকতুনা য়েংবদা চেনা খুদিংগী "মুহিণী" হায়বা মিং অসিনা

তৌবহনা কাইনবগী অরাবা কয়া ইরমই। অদুগা ইবোই লোইবা চেনাদা অসুন্না ইরমই ঃ—

ম্ তণা!

"বিদাযগী নুমিত্তা নুংশিবী মচাক্কী শক্তম অমক্তং পেন্না উজবা ফজরম্লবদি মরুপ য়াওদ্রবা স্বর্গগী লম্বীদা নোক্ল হন্না, হন্না য়েংজহনা চৎচবদি ঙনলমগদবনি।"

বীরেন।

তা. ১২। ৬। ৫৫ ইং

ইম্ফাল

থাজগি অইংবা মায়থোং

"যমুনা! কমদৌরি? নংগী পবি মানা কয়াম রাংলিবা?" অসি হায়বমলগা নংসু "নিঙোলনিকো ইবেম্মা।" অসি হায়দুনা যমুনাগী মনেনা নুংশা মপি হোন্না ফমথখিবমই। যমুনা মনেবু হাইফেত্তং য়েংনম্লগা রাতোন মতোন্দা লিথংলকইবা মপুং ফবা থা অদু য়েংলমই। মনাক্তা লাইরিক অমা অম চাইবা, শাক্তোকপা লাইরিক অমসুং মতম্বাকতা লৈরি। থাজবা লেমটন অদুসু ইরং লংনা ঙাল্লি। অদুদ যমুনাগী থম্মোয়দা মনেনা হোনখিবা নুংশা মপি অদু তত্তনা হোল্লি। করিগীনো? খংদে। থাদি মিকুপ পুংজা খুদিংগী খর খর লিথংলকই। অসুম্না ঙহাক্তং চক্ল লৈরুরগা তপ্প তপ্প যমুনানা হায়রকই "ইনে! ইনেনা ঐবু

নিঙোল্নি হায়রগা তুমিন্না লৈরিবদু করি তৌরবগে ?" মনেনা যমুনাদা হাইফেত্ত, যেংলমলগা ফি শেমদুনা ইল্লমই। যমুনানা লাংতক্ননা মনেগী পাউখুম ঙাইরমই। থাজগী অইংবা মায়থোং অসিনস্থ যৌবনগী মপুং ফাবকলবী যমুনাবু থোইদোক্ন পুক্নিং নুঙলহল্লি।

অহিংগী লিক্লানা থাবলগী মরক্তা পোপ পোপ তাবি। যমুনাদি মনেবু নুংশিবা অদুবু ফোংদোকপগী মহুত্তা মমায় মায়থোং মক-শিন্না "ইনে! নহাল মামানা ঐবু চাক্কৌনি হায়বগা তুমিন লৈথবদি কৈদৌরে ? ঐদি মামানা চাক্কৌগে হায়বদুদি কাওদ্রে।"

মনেনা হায়বকই "যমুনা! নংবু নিঙোলনি হায়বদি— নং লাইরিক হৈবীনি। নিঙোলবু করি ওইরকপা হৌনবগে ?"

যমুনা মনেগী পাউখুম অদু পাক পিরমদে, ঙহাক্তং রাখল খল্লুরগা তপ্ন তপ্ন হায়রকই "ইনে! পুর্ণীমাগী থাবল অসি ইদ্রা ? ঐদি থাবলগী অইংবা অসিদুম থোইনদুম নুংশি।"

মনেনা হায়রকই "যমুনা! ঐ চংলগে। নংগী লুহোংগ-দৌবা খিত্ত ঙাইরে, মদুগীদমক্তা নংবু চাক্কৌবা লাক্লিবনি—। নং, ঐখোয়দা হংচিৎ চাকচাবা লাকউকো—। নংস্থ নিঙোলনিনা য়ুম'সিদা অনুক উরবোইদো। ইনে চংলগে।" মসি হায়রম্লগা চংখিরমই।

যমুনানা অঙকপা অমস্থং চিংনবা অমস্থ পোক্লে। মনেগী অহানবা রাহৈদা নিঙোলনি হায়না রাহৌই, অরোইবদস্থ নিঙোল-নি হায়না চংখিরমই। মনেগী "নিঙোলনি" হায়বা রাহৈ

অসিতনা যমুনাগী রাখল অহু চুশিন্নমই। অমগা নিঙোল ওইবীগী যুমবানবা যমুনাগী পুন্সিদা ইকুই কুইদনা থোক্লগদৌরি। থাজগী অইংবা মায়থোং অসিনা যমুনাগী রাখলগী চেনা অসি মথং মথং হাংদোকপগুম তৌরি।

\+ \+ \+ \+ \+

মণিপুবগী চৎনবী, লুহোংবগী মতুংদা নিঙোলশিংগী খোংথাং অসি থোইদোক্ল রাখল খন্নিঙাই অমা ওইবি। মিকুপ পুংজা খুদিংগী শেন্নহুনতা লৈরবী খোংকাপ অমতং কাস্তোকখিবদা মিথল শুদনা তুং ইল্লবী মমানা মচানুপী অসিবু লুহোংখ্রবা মতুংদদি মিকুপ পুংজা অমতং মমাগী মনাকতা লাকহন্নিংদে। করিগীনো? কয়াদা খেৎনখ্রবা? খেৎনবস্তু নত্তে, কয়াদা নুংশিখ্রবা। সংসার অসিদা মমানা মচাবু নুংশিদবা অতাঙবনি। অহুবু লুহোংখ্রবী মচা নুপী অসিবু অহিং অমা লেকমিন্নহুনা রারি শানবা মতম লৈখিদ্রে। চাক চারা অমা চামিন্নবা ফাওবা মঙক্ থাঙ্গৎতুনা থেংলে হায়না তাল্লকলে। নিঙোল ওইবীশিংনা মপামদা য়োরক-ত্রিডৈদ। মমানা থিনগদৌবগীদমক হোৎনবসিবু করিগীনো? অসিগুম্বা রাখল অসি যমুনানা থম্মোই শোক্ল খল্লকলে। মহাকন ময়ুম পাল্লকলবা মতুং অসিদদি নুংশিরবী মমাগী মফমদা পুক্লিংগী রা ফোংদোকপা ঙমখিদে। কার অমুক হায়রুগদগে, মপামদগী ঈশিং খুজোক অমা ফাওবা থকপা হঙ্গোইরকলে। যমুনাগী অনৌ অনৌবা পুন্সিগী খোংথাং অসি মাগী রাখলগী চেনাদা নুমিৎ খুদিংগী ময়েক লানা ইশিল্লি।

ঙসি যমুনানা মপামদা লাকপা নুমিৎ অসিদি মমিক্ত' মপি তানা তেংথাবা নুমিৎ না। মচনুপী যমুনাবু নুমিৎ খুদিংগী নুমিৎ থা, যেংবগুম লৈবমলিবা, মনাক নক্ক শেন্নহুনা রর শাহুনা হরাওবম্বা মতু, শবত অসি যমুনাবু "যমন" হায়না হবাও হব ও কৌখিদ্রে। খব লাপথাবন, কোইথোক্ক চংগ্রে, মতুদ যমুনাবু উবগা হঙ্গে'ফবা ইক ইবা উংলব্রে। মতম কুইনা শানা যমুন না মবুংগী ফি শুব-বম্বনি, তৎব যমুনাগী অসিগুম্বা থবক অসি মাগী মনম্মা শবতকী নুপীনা মুনখ্রে। যমনাদা ঈশিং স্ন'বুল অমা শোকউ যাওবা হায়খিদ্রে। ইমুংগী চাকথোবা রাইতৈবা, কোল ফেংবা থবক পুন্নমক অসি যমুনাগী মখুৎতগী মনম্মনা মুনখ্রে। চুন্নদা মুনবা নত্তে, যমনাবু ফিদা থাহুনা ক্ষমহল্লবনি। অদুগা মবুংনা যমুনা উদনবা হোৎনখ্রে। অদুবু যমুনানদি মবুং মপুবা মেজ অমতদা পুন্না লাইরক তৌমিন্নবদু উবি। তৌখিবা মতম অসিনা অস্তুম মথং, মথং চংশিল্লকতুনা তৌজক্কী মতম অসিদা তেংথাবমল্লে। মমানা কমদৌরি? যমুনাবু মপুরোইবগী মযুমদা থিনগদৌবগীদা মফি শেংলি। যমুনাবু মপামদা মিকুপ অমা ক্ষাওবা পন্থহুনা লৈহন্নিংলমদে। যমুনাস্তু, মপামদা নোং'ফাদোক লাক্কদৌবসিস্তু হঙ্গে ইরে। অদুগা অমুক ইকাইবা হায়বসিনা বিদায় ওইহুনা মপামগী লমদম অদু খঞ্জিনখ্রে।

\+ + + + +

নুপীনা মপুরোইববু নুংশিজবনা মযুম পানবা ঙমলিবনি। যমুনাদি মপুরোইববু নুংশিরোইদ্রা? মাগী মপুরোইবদি কেথোক

মৌথোকপা ইনংদা পোকপনিনা নুপী অমসু পুরকলে। তৌজিক্তি মাগী মপুরোইবা অসি নুপী অনিগী মপু ওইবা ত্রারকলে। মযুম পাল্লবী নুপী অমগী মফমদদি মপুরোইবা অদুবু কনাগুম্বী অমন। নিচনা খজিক্তং য়েংবা ফাওবদা অনুতাপকী মশক ওইবিবনি। মমলাদ অনুতাপকী মৈচাক অসি ফংলরোইদ্রা? অদুগা মপুরোইবদু নুংশিদনা করম্না মযুম পানগদগে? অসিগুম্বা রাখল অসিনা নৌনা লুহোংলকলবী যমুনাগী থম্মোই অসিবু হক্তিল, তক্তিল থুগাইরি। অমনা যমুনানা মপুরোইবদবু নুংশিজবা, মপু রাইবনদি অতোনবীগী মিৎসৈদা লৈখ্রবা। কযাদা খেৎনববা রাখম্নো? মহাক্কী পুন্সিদা থোকইবা অনৌ-অনৌবা খোংথাং অসিনা পুন্সিগী ইতিহাস ওইববসু মাগী পুক্নিংদদি কপলি। মপামদসু মিকুপ অমতং পোথাফম লৈতে। মপামগী মনম্মা, মবু অনৌ অনৌবা ফিভম হোংলকইবা অদু উবগা মপামদা মায ওনগে হায়বসি খনখিদ্রে। অদুগা শোমদসু মপুং ফানা মপু রাইবগী সেভা ফংলক্তে। অতোনবীগী খুজিন্দগী নিপানা নাপ্থাকলবী নুপী অমা ওইরম্লে।

যমুনানা মাগা থোইদোক চেন্দোক্লা চান্নববী, ব্লাস অমতদা লাইরিক তমমিন্নরবী ললিতাগা ফমদুনা রাবি শাবমই। যমুনাগী অনৌবা পুন্সিগী খোংচৎ অসি মথং মথং লিথরমলগা খংহৌদনা চপ লেপথোকখ্রে—, মপি ঈরা চেল্লগুনা হাবকই "ইতা ললিতা! নংগা ঐগা লাইরিক নাকল য়েপতুনা লাইরিক শম্না চৎলিৱৈগী মতম অদু নুংশিদ্রা—। মতম অদুদা ইবাননা ঐখোয়গী অথুবা

থোংজিল অতুদা লেপতুনা মায়গা, মায়গা ওনশিন্নহুনা রারি শাহুনা নোকখিবদো—, মতম অহু অমুক হন্না লাকলরোই। অহুগা ললিতা! ঐগী তুংগী শম্মুন্দা কুন্দো পরেং থেৎপদা খোথাং খুদিংগী কুন্দো অমমম নিংখাইরকতুনা লৈপাক্তা তাখিবদা ঐনা, ইতা! ঐগী পুন্সিদি কুন্দোগুম নিংখাইরকলবনি হায়খিবদা নংনা "অঙাওবাসিদি" হায়না নোকমিন্নখিবহু অচুম্বা ওইরকলেদো।" মতাং অসিদা লালিতানা "নংনা অশাম্বা লম্বী অমা য়েংলোদনা।"

যমুনা মকশিনবা মায়থোং অহুদগী খখিক্তং নোকফেৎ তৌনা হায়রকই "ঐ মাবু নুংশি। মাবু থাদোকতুনা মফম কদাইদবু চৎকদগে? ময়ুম পাল্লবী নুপীনা করম্নগু মপামদা লৈরুগদগে?"

"নংবু নুংশিবীবগী খুদম উদ্রবদি নংগী খুদোংচাবা লম্বী য়েংউ হায়বনি।" অসি হায়রমলগা চৎকে তৌরমই। যমুনানা "ইতা? নংবু অঙাং ওইরিভৈগী লাইরিক তমমিন্নরিভৈগী মরূপনি। মতম কুইনগী মতুং অসিদা নংগা ঐগা রারি মতেক অমতং ফাওবা শাননবা মতম শংদ্রব্রা?"

'ইতাগ ঐগা লম্বী অমমমনি—। হায়বদি পরিক্ষা খজিক্তং ঙাইশিল্লকলে।" অসি হায়রম্লগা থুনা য়াংনা চৎখিরমই। যমুনানা মপি ঈরা চেন্না লুনা তিন্নরম্বদগী লাপথোক্লরবা মতা অহুবু য়েংহৌই।

\+ + + + +

নিপানা হন্না য়েংবিদ্রবী, মানা পাইবা পোং, মানা নোমজবা থবক শিংথাবীদ্রবদা করম্না নুপী অহুনা ময়ুম পানবা ঙমগদগে?

নুপী নিপাগী থম্মোইগী অচিকপা লংলা অদুনা নুংশিবগী য়াইকাইবুং ওইরিবনি। অসিগুম্বা লংলা অসিনা তৎলবদা মিকুপ অমতং ইমুং অদুদা শান্তি লৈররোই। অদুবু যমুনানা করম্না মপুরোইবগী মনাক্তা পুন্সি লেল্লিবা—? অতোনবী অদুগী মিৎয়েং, রাখলগী মতুং ইন্না নিপাগী মনাক্তা খজিক্তং চংজকম কংজরি। মপাম লমদমগী নুংশিবা রাখল অদুদি নিংশিংনবা নত্তনা যমুনাগী মফমদা অমুক ঈনৌ নৌনা লাকখিদ্রে। অদুবু যমুনাগী অরাবা মশা মথন্তা খাংজবা নত্তনা কনাগী মফমদসু ফোংদোকখিদ্রে। ফোংদোকপদা নত্তনা মপাম ফাওবদা মাগী নুঙাইতবা পুন্সিগী খোংচৎ অসি তাদনবা পাউমেঞ্জরি। যুমপানবগী নুঙাইতবা শরুক ফংবা অসিদগী মপামগী রাখন্না শরুক চামা হেন্না চৌন্তাগী রাখল ওইদ্রে।

অনৌবা ফিজেৎ লৈতেং, নাচোমলৈ, কেজ মোজবা, নিপাগী মনাক্তা ওইনবতনা অতোনবীগী পুন্সিনি। চীক্লা থাবল ফরবা অহিংদা করম্ন থাবলগী লৈরাংবু শাৎলোইদগে? শংবাননরবা অতয়া অসিবু ওইনা চাওবী শাবী শানৌশিংগী মফমদা করম্না হাংহনগদগে? আশাগী মূর্ত্তিনা মায়কৈ পুম্নমকতা লেপললরবসু মূর্ত্তিদা মূর্ত্তি উরকলগদবনি। নোংমা যমুনাগা লোন্নরিবী অতোনবী অদুনা ফিজেৎ লৈতেং নান্না, স্নাফিগে, স্নাগী লিককোল শিরদুনা ইমুংদগী থোরকই। যমুনানা ঙক্ল অতোনবীদুবু মুন্না য়েংলমই, অসুম্না য়েংউবগা মোমোন নোক্ল হায়রকই" ইনাওদি লাইবক ফৈদকো, "এনা অসুক কুইনা লৈরকপদি ইনফি অমা ফাওবা থোনবীদে—" অদুবু মাগী রা অসি হন্না ফাওবা তাবিরমদনা

চৎখিয়মই। যমুনাগী পুন্সি অসি মওঙ মওঙ খল্লকলে। মহাক্কী মপুরোইববু য়েংজহুনা পুন্সি লেঞ্জনিংলবস্থ মহাক্কী নুঙাইবা আশাদা খুৎ থিংজিনবগুম থোক্কদৌরি। অময়োমদা ময়ুম পাল্লবী মহাক মপামদস্থ পুন্সি লেল্লিংদে। অসিগুম্বা রাখল কয়ামরুম অসিদগী যমুনাগী অয়োইবা পুন্সিগী অনৌবা লম্বী য়েংলকলে। নোংমা মহাক্ক মমাদা "ইমা! ঐবু নোংমতা চাক্কৌবা" হায়খি। মমানা "হন্দক লাকইবা নিংথৌকাবা অসিদা কৌগে" খুমখি। যমুনানা "ইমা! নংগী নিংথৌকাবদো কদৌডৈ ওইরক্কদগে?" হায়খি। নুমিৎ অসিনা যমুনাগী আশাদি মমাগা উনবা অয়োইবা নুমিৎনি খল্লমই।

\+ + + + +

নুমিৎনা তাবমদাই মতমনি। তারমদাই নুমিংকী মশেক অসিনা স্নামচু মাল্লি। গঙ্গাগী ঈথক ঈপোম অসি তারমদাই নুমিংকী থোৎনা নৌরবা মচুনা স্নাগী ঈথককুম থনখ্রে। মেংনা থোৎলবা ঈথক অসিনা যমুনাবু খুৎলাম তোইনা কৌবগুম তৌরি। যমুনাস্থ অপনবা তৌদনা গঙ্গাগী ঈচেল অসিদা মথং মথং কুমথরকই। ঙসিগী নুমিং অসি ফননিংথিনা ইংনা চিকখরে। অচিকপা অসিবু অমুক হেনগৎনবগীদমক তামলবা তোর্ব্বান চাংজৌ রাংমদা গঙ্গাগী ঈথক ঈপোম্ন নোমহৌ নোমহৌ পুরবা কনাগুম্বা হিহোনবা নিপা অমগী থম্মোই শোক্ক তেংথা নাওইবা ইশৈ অমা মশেল মঙাল যমুনাগী নাকোংদা তারমই। যমুনানা ইশৈ অহু তাবদা থোইদোক্কা মমিত্তগী পি শিম্বরমই। গঙ্গাগী

ঈথক ঈপোমনদি অতৎপা সৈতনা মাগী মখৱাংদা বোম, বোম ফুরি। ঈশিংগী মরিক্ত মাগী মমায় চোংলমই। অদুবু যমুনাগী থম্মোইগী মৈচাক অদুদি মুংখিদ্রে। তোর্ব্বান্দা হৌরিবা উপালগী মমিনা থেক্কোই, থেক্কোই লাইরেনগী মতৌগুম্না মাবু য়োংকে তাম্নরি! ঈশিংদা মঙক য়ৌনা কুমথরকলবদা যমুনানা অমুক্তং হন্না য়েংলমই। তারমদাই নুমিৎনা গঙ্গাগী ঈথক ঈপোমদা লুপশিল্লকলে। মমিত্তা মপি তানা গঙ্গাগী নুমিৎ তারমদাইগী দৃশ্য অদুবু য়েংউরগা মাগী লুহোংবা নুমিৎকী অহিংদা থম্মোইদা তাখিবা মতমগী দৃশ্য থর নিংশিংলমই। অসুম নিংশিংউরগা খংহৌদনা "ইবুঙো" হায়না হন্না অমুক্তং য়েংলমই অদুগা "ননাওগী পুন্সিদি লোইরেদকো।" হায়রমই।

\+ + + + +

ঙসিদি যমুনাগী মমা অসি মচাগী মিৎকী পি অসি উবদা নুঙাইত্রমাল্লে "যমুনা! যমুনা! চাক লোইরে। করিগী কপলিবনো?" হায়রমই। যমুনানা ইফিং ফিংনা তুম্মুবদগী হৌগৎলমই, অদুবু গঙ্গাগী ঈথক ঈপোম্ন মাগী মমিৎ অদু থনখ্রে। মমাগী মশক উখিদ্রে। থানা চপ য়ুংনা ইরং লংনা থোকলবসু যমুনাগী পুন্সিগী থাবল অদু অমুক থোকখিগদ্রা খল্লমই অসুন্না ঙহাক্তং ঙক্ল রাখল খল্লুবগা মমাদা হায়রকই "ইমা! ঐসু নিঙোলনিকো।"

তাং ২৬। ২। ৫৫ ইং

ইম্ফাল

নুংশিবা

"মাধবী! নংনা ঐবু নুংশিরম্বদি'সি ওইরেকো ইবেম্মা।" অসি হায়রদুনা খুদোলপোৎ অমা মঙোন্দা পিরমলগা গোপালনা চৎখিরমই। নুমিৎ অদুদগী মাধবীনা মাগী পুন্সিদা গোপালবু অমুক উবা ফংখিদ্রে।

মাধবীগী পুক্লিংদা নুংশিবগী রাখল অমা ইচেন চেন্নরমই। থাপথোক্লনবা অমগীদমক করিগী অমুক নিংশিংউবনো? অমুক উনবা; অমুক কাইনবা, অমুক নিংশিংবা মীওইবগী পুন্সি অসিদা কনানা কনাগীদমক লমন শিংউগদগে? অদুবু মাধবীনদি তত্তনা "লমন তোলহৌরেদকো" হায়রমই।

নিপা নুপীগী পুন্সিদা খোৌবাংবা মৈচাক অমতং পিনরম্বা, মদুবু কাওদনা নিংশিংবা হায়বসিস্থু মমল য়াম্লবা পোৎশক অমনি। 'অতিয়া অসিনা তরু তরু লৈরমলবদি ঐগী নুংশিবীগী লমদম উরমগনিকো। অদুবু অতিয়া অসিনা লৈচিল থাংলবস্থু, সমদ্র, ঈরম তরেৎকী অমংবা নোংনা মরোল কুপশিনথ্রবস্থু নুংশিবীগী লমদমদি য়েংদবা নত্তে। উদ্রবস্থু খুনিং কাংদুনা য়েংলিবনি।

"ঐদি চৎলগে, মাগী নিংবা থুংজহৌবসনু—। পুম্নমক ঐগী ইরাল ঙাক্তনি।" মাধবীনা লৈকাইগী মন্দোল অদুদা হায়রমই।

মন্দোল অদুনা "ইবেম্মা মাধবী! নংগী নতৌ অসি য়েংবদা ঐস্থু যাম্না নুঙাইতে। অদুবু হেক চৎপা হায়বসিদি লোইরেদো। খংদেনে, চাওবা হায়বসিনা করম তৌনা নুপী অমস্থু পুশিল্লকইবনো?

"মাগীদি অপাম্বা য়েংজবনি। ঐনা মংডান্দা য়েংলবতনি।"

"শকস্থু খংনরক্কবা'সিদা নংনা করম তৌনা চেল্লকইবা ?"

"ঐখোইনদি ফিবম চাদবা অত্থদা অহল লমনগী অপামবা য়েংদুনা থাদোলকইবনি। মংডান্দা লৈগনি হায়বস্থু খংলমদে। নিপা অসি নোংমা লাকলমই। মহাক্ লাকপা নুমিৎ অত্থমক্তদা চেল্লকইবনি। ঐগীস্থু খংনচানবা অমা লৈজরিবনি। মসিগী রাসে কনাদস্থু তমখোকপিগনু। মহাক ঐগা মরি লৈনরকপা কুইরকলবনি। উনরগা চুম্না কৌরম্বা নত্তনা মহাক্ ঐংডান্দা করিগুম্বা রা অমতা হায়বা ঙমখিদে। য়াম্না ইকাই থিগল্লি। য়েংবা ফাওবা মুম্না য়েংনবা ঙমখিদে। ঐস্থু মাগী মফমদা করি অমত্তা কাংখোকপা ঙমলমদে। ঐনা চেল্লকপা মতমদা মহাক যুমদা লৈতে, লৈফেদা চৎখিরমই। ঐনা চেল্লকপা মতুং তবান্দিগুবা নুমিত্তা মহাক'সিদা লাকলমই। মতমদা নুমিদাংর ইরমনি। ঐনা কোক্তা ফিত্থপ অমনা কুপশিল্লদুনা ঈশিং শোকপা চৎলমই। ঐনা ঈশিং শোক্কে হায়দুনা পুখ্রিদা কুমথরকপদা মহাক্ ঐগী মাংদা লেপতুনা লৈরমই। ঐনা মহাকপু উবদা খুৎগী কোল তাখিবা খংহৌদে। মহাক্ "ইবেম্মা'সি ওইরেকো নংনা ঐবু নুংশিরব্বদি" হায়রমলগা চিঠি অমগা পোৎ খরগা পিরমলগা চৎখিরমই। ঐনা করিস্থু হায়বা ঙমলমদে, লুপ্লুকথনা লৈরোই। মহাক্কী দোষননি, ঙসি ঐনা মাগী কাংদা য়েংশংঙম খোকইবসে। ঐদি কনাগী মফমদস্থু য়েংহন্দিংদে। "মহাক্ অপাম্বা নুপী অসিগা

নুঙাইনা লৈজহৌবসনু" অসুম্না মপুক্লিংগী ৱা ফোংদোকলমলগা নুমিৎ অদুদগী মপামদা চংখিরমই।

মাধবী অহল লমন কনাসু লৈজদ্রবী নুপীনি। মহাক্ন যুম মচা অমদা তোঙান্না মথন্তা লৈবমই। ফি শাদুনা মহাক্কী হিংনবা লম্বী য়েংলমই। নিঙোলনা মপামদা হল্লকতুনা লৈবা হায়বসে মীগী মিনোকফমনি হায়বা মহাক্ন মুম্না খংলমই। মরম অসিদগী হরাও কুম্মে, লৈকাইগী চাকচা হৈজানবা ফাওবা মহাক্ন মপাল থোকখিদে। মনাদা চিল্লিবা লৈ, খুজি, খুদোপ, লিকপরেং পুন্নমক লৌথোকলমই। মশম অদুসু থাউ তৈদনগুম ঙক্তনা ইফা ফানা লৈরমই। মীগী মিনোক চংদনবা হোৎনবদা নুপী ওইবীগী ফিজেং লৈতেং, কেজ মৌজবা পুন্নমক ককথলমই।

মতম কুইরে। মাধবীনা চিক্ন মথন্তা লৈরকপসে। নোংমদি মহাক্ন তুক্কচরম্বা মীনোক চাওববা ৱাখল অদু অরানবনি হায়রে। মাগী মফমদা মশক মতৌ ফজবা পাখং অমা তত্তনা, চংলকপা হৌরক্লে। মাধবীগী মতৌ অদুদা মহাক্ন করিসু হায়বা ঙম্লমদে। নোংমদি নীপা অত্তনা "ইবেম্মা! ইবেম্মাগী অমুবা চন্দোল অদু মুথৎলগা অমুক্ত নৌনা থিঙ্জনিংথ্রেদা—।" হায়রমই। মাধবীনা করিসু খুমলমদে। অদুবু মপুক্লিংদদি লাংতক্লবা হৌরক্লে। নীপা নুপীগী ওইদবা সংসার অসি য়াওজররোই হায়না তোঙান্না লৈজরবা ঐভোন্দা, করিগীনো ঐগী পুক্লিং অসিনা লম হেল্লকইবসিবো? অসুম খন্না খন্না অমুক নীপা অসি কনা ওইরিগবা, মহাক্ন

ঐবু থাঙ্গৈশেংনা নুংশিরমগদ্রা ? মপুক্কিংদা হংলমই। হংনা হংনা নীপা অদুগী মশক উনিংলমই।

নোংমদি নীপা অদুনা লোৎনা মখোয়গী ইমুংদা চংলকতুনা ফমলমই। অদুগা অসুম্না হায়রমই "ইবেম্মা! ওন্থোক্ক রানা ঙাইজরকলেদা—। উখোঙদা ফম্বা ওইরবসু উনা অমা কেল লকপা মতম ওইরে।" মাধবীনা মরু লুকথনা তারমই, ঙহাক্তুং রাখল খল্লুরগা হায়রকই "তাদা! ঐবু নুংশিবীদুনা লেংশিন-বীরকইবনি হায়বা ঐ খংজে। অদুবু ঐদি অসিগুম্বা রাখল অসি থাদোক্কে হায়না লেপচখ্রে। ঐগুম্বী করিস্সু লৈতবী'সিনা তাদগী সেবা তৌবদসু মতিক চারোইদো। মীনোক চংলবী ঐগী আশা অসি থাদোকপিবনা ফগনি।" নীপা অদু ইকাইবনা মরু লুকথরমই, অমুক্তুং মাধবীবু মুনা য়েংলমলগা "ইবেম্মা! ইবেম্মাবু নুংশিজরুবগী পঙখন খঞ্জরুবনি। রারোবীগনুকো।" অসি হায়রম্লগা য়াম্না থুনা চংখিবমই। মাধবীনা থোংজিন্দা লেপতুনা নীপা অদুনা চৎখিবদু য়েংলমই। য়েংনা য়েংনা খল্লমই— ঐবু নুংশিবীদুনা চংজবকইবা মীসিদা করিগীদমক ইকাইবা পিরুরীবনো ? অসুম খল্লম্বদগী "দোষপু পুরগদ্রা ?" হায়রমই। নীপা অদুগীদমক পোৎ-থাদনা খল্লমই। মহাক্কীদমক নুঙাইখিদবনা নুমিৎ অদুমদি মাধবীনা চারা হেল্লমই।

নুমিৎ খরগী মতুংদদি নীপা অদুগা অমুক নৌনা উনদুনা মাধবীগী চাম্লবা মরূপ ওইরকলে। নীপা অদুগী মমিং চন্দ্র কৌই। মহাক নুপী থিদ্রিবা পাংখংনি। য়াম্না ইনাক খুনবা

মচানি। মহাক্ল মহাকপু লৌবীরোই হায়বসে খংই, অহুবু নুপী ওইবীগী থম্মোয় অসিনা চংজরক্লবা মহাকপু নুংশিদবা ঙম্রমদে। লোৎ থুপ্না মখোয় অনি উনবা হৌরকলে। নোংমদি অহিং অহু থাবলস্থু কৈ। মতমস্থু থেংলবনি খংহৌদনা মিকপ থোরকপা ক্বাক অমনা অমুক্তং "ক্বাক" হায়না খোংলমই। খোঞ্জেল অহু তাবদা মাধবীনা মনাক্তা তুমলিবা চন্দ্রদা অঙকপগা লোইননা "নোঙাল্লে, কমদৌনি" হায়রমই। চন্দ্রনা কমুংদগী ফুক হৌগৎতুনা খোংউপ তোংবা নংদনা নাকলদা য়েপশিল্লহুনা মফি নম্বো পোহুনা চেনখিরমই। মহাক্বী মতৌ অহু উবদা মাধবীনা নোকলমই, মাঙ্গোন্দা লেপতুনা য়েংলমই। চন্দ্রনা অহিংগী লিক্লা চোৎলবা মুৎলি মুৎলিবা থাবলগী মরক অহুদা হুরানবগুম চেনখিরমই। মাধবীনা শুমাংদা থোরকতুনা "নুংশিবা হায়বসে ওস্থোকপনি- দকো" শোল্লমই, তাম্না চৎখ্রবা চন্দ্রবু অস্থুম মশেল মঙাল য়েংলমই। থাবলনদি ফিঙৌ ফৌরি। উ, ৱাস্থু তুমিন তুমিন লেপলি। মরক মরক্তা লৈগী মনমস্থু নমলি। কনাগী খোঞ্জেলস্থু তাখিদ্রে। মাধবীদি ইমুং চংখিদ্রে, শুমাংদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলমই। চৎখ্রবা মহাকপূ হল্লকখিদ্রা হায়না উখোঙদা ঙারহুনা থাবলবু য়েংলমই। অস্থুম য়েংউরগা উপাল অমদা ওনশিল্লহুনা "তমথীরবা উচেক! অহিংগী মগুনস্থু খংদবা।" হায়রমই।

হৌজিক্তি মাধবী অনৌবা পুন্সি অমমুক ওল্লে। হান্না অকে অমৌ থাদোকলম্বদো হৌজিক্তি শরুক চামা হেন্না হাপকৎলক্লে। নাদা লৈ চিল্লমদবহু খজাইদা লৈগী চবুল অমনা অমুক্তং

নাল্হৌদ্রবদি নুঙাইবা ফংলমদে। মশমগী শমজ্জিদা কুন্দো পরেং নাচোমলৈ। ফিজেৎ লৈতেংস্থ লৈগী মচু মানবা, উনাগী মচু মানবা, অথোৎপা অনৌবা য়েংবদা পুক্লিংবু লুপশিনহনবা অসিগুম্বা ফিজেৎ ঙাকতনা লৈতেংমলই। মহাক অঙাওবীনি। চুম্নগী অঙাওবীদি নত্তে। অথেংবা অতিংদা থানা মাগী ফজবা পুম্নমক পুবহুনা চিরু অতিয়াদা মথন্ত চৎলিবী, অসিগুম্বী অঙাওবীনি। মঙোন্দদি পুন্সি তংখাই অমনা· অহিংগী মমল ওইরগা তংখাই অমনা নুংশিবগী ঙকশমদা কথোকলবদি পুন্সি মহৈ য়াল্লগদবনি। করিবু হায়রুগনি। লৈ অমতং শাৎপা, য়েন্নিং অমতং হুল্লকপা লিক্লা অমতং তারকপা নুংশিবগী অহানবা রাখল্লি।

মাধবীগী লৈগী পুন্সি অসি কুইরমদ্রে। চন্দ্রগী মমানা মহাক্কী যুমদা লাকলমই। অদুগা মাধবীদা "ইবেম্মা! মাধবী! ঐগী ইচাদি পাখংনি। থাদোকপিবা মতম ওইরেনা—। ইবেম্মাগী য়াথং য়াওদ্রবদি পোকচবা ইচা ওইদুনস্থ রারকপা য়াদ্রে। হৈত্রেদা করম্বা মহৈনবু ফারিবনো?" মাধবী ইকাই নুংশিবনা মরু লুকথনা কপলমই, অদুগা তপ্প তপ্প হায়রমই "ইমা! ঐনা কনাবুস্থ ফাজদে। চংজরকপা মীবু নুপী পাঙ্গল শোনবীনা থিংবা ঙমব্রনে?"

চন্দ্রগী মমা শাওবগী হায়নিঙাই লৈরমদে "নয়ুম নাইবা খংদ্রবী ইবেম্মাহোইনা অঙাংশিং য়াম্না মাংহল্লে। ঐখোয়গীদি অস্থুম্না তৌবা য়া-পোৎ নত্তে।" অসি হায়রমলগা য়াম্না শাওনা চৎখিরমই। মাধবী ইকাইবা অমস্থং অরাবগী হায়নিঙাই লৈরমদে। মরক মরক্তা মমিৎ উইশিন্দুনা "ঐনা ওইরিসিবু করিনো? মরুম

মরুম শোল্লমই। মহাক্ল খাংবা ঙমদবা পাউ অমদি চন্দ্র অমুক লাক্লরোই অতোপ্পা লৈশাবী অমগা লুহোংখিগদৌবে। চন্দ্রনা মাবু থাদোকপিরম্লে। কাইনবা নুমিত্তা চন্দ্রনা হায়বম্বা "মাধবী! য়াদবা মতাংনা নংগা ঐগদি কাইনবা তারেদো। অদুবু ঐগী পুন্সিদা নংবুদি কাওররোইদবনি।"

মাধবীনা শিন্তরকপা বিদায়গী পিগা লোইননা "মী অমবু পুন্সিদা কাওবীদবা হায়বসে য়াম্না মমল য়ামখ্রে। মদুগীদমক্তা নচম্না লমন তোঞ্জহৌরবনি" অস্তুম্না কাইনদুনা মাধবীগী অনিশুবা নুংশিবগী পুন্সি অমা হৌখ্রে।

\+ \+ \+ \+ \+

চন্দ্রগা কাইনবা অসিদগী মাধবী মিকুপ অমতং মহাক্কী শিন্থা পাংথোকপা ঙমখিদ্রে। থবক অমতং তৌবদা চপ চপ লেপলমই। চাগনি থক্কনি হায়বস্তু কাওথোকখ্রে। অহানবগী নুংশিবনা মথোং কারকপগী চিক্ল ইংনা উনা উনা য়েংঙমদবনি। অনিশুবগীদি ঙাইঙমদ্রবা রাখন্নি। করি অমুক হায়রুগনি, অহিং ওইরকলবদা লাকলরোই খংলবা মহাক্কবু অহিং চুপ্পা থোং হাংদোকতুনা ঙাইরমই। মপান থোকতুনা য়েংলমই। অস্তুম তৌনা পুন্সি লেল্লকপসিদগী হৌজিক্তি মাধবী অঙাওবীগুম কোইচৎ চৎলকলে। মযুমদা মিকুপ অমতং লৈবা ঙমদ্রে। নুংশিবা কাইনবগী মৈচাক মহাক থাঙ্গৈশেংনা ফংলে। নুপী ওইবগী ইকাইবা হঙ্গোইবা লৈরক্তে। অস্তুম মপান থোক্ল চৎলকলে। উখোং খুদিংদা পোত্থাদুনা অস্তুম লাকপনা মহাক্ল লৈরম্বা মকম অদু

থা়দোকলমলে। হৌজিক্তি সহরগী লমদম অদু থা়দোকলমদুনা য়াম্না থাপ্না লরাইগী খুঙ্গং মচা অমদা থুংলমই।

মাধবীনা থুংউরিবা লম অদু লৌবুক, পাৎ, চীংয়া তম্‌যা ওইবনা মনামশিং ললোন ইতিক্কী পোং মবাং কাইনা ফংলমই। মহাক্ক মফম অদুদা অমুক নৌনা অনৌবা পুন্সি অমা শেমগৎলে। মফম অদুদা লল্লোন ইতিক তৌহনা অমুক যুন্বানবা হৌরমই। খুলগী মীশিং অদুনা নুংশিবীদুনা মহাক্কী লৈফম অমা পিরমই। মহাক্ক দুকান মচা অমা ফমনবা হোৎনরমই।

মফম অদুদা স্কুল অমা লৈ; মদুনা মহাক্কী পোৎ য়োনবগী কান্নরমই। মাইল মরি মঙাগী অকোইবদা লৈবা স্কুলদি অদুম্মা-খক্তনি। মফম অদুদা অরাপ্পদগী ছাত্রশিংনা লাইরিক তম্বা লাকলমই। স্কুল অদুগী ছাত্রশিংনী পোৎলম, পোংলৈবমদি মাধবীগী পোৎফমদনি। স্কুলগী অঙাংশিং অদু মহাক্ক য়াম্না ল্‌না চান্না তৌরমই। মচাশিংগুম খল্লমই। কবি করিগুম্বা মতমদা পোৎ চৈ য়েন্দুনা পিজরমই। অঙাংশিংনা মগী পোৎফমদা লাংবা, নুমিৎ খুদিংগী অঙাংশিংগা তিন্নবা অদুদগী মাধবীগী থম্মোইদা মচা ফজনিংবগী অনৌবা ঈথক অমা কাখৎলমই, অদুগা লোইননা মমা ওইনিংবগী রাধম অমা তক্তনা লাকলমই।

নুংথিল স্কুল ছুটি থানরকপা মতম শাসিদা খুল অদুগী নত্তবা শকখংদবা অহল অমা মাধবীগী পোৎফম অদুবাইদা হক্তিল, হক্তিল চৎলমই, মমৈথংদা মাধবীগী মনাক্তা চংলকতুনা "ইবেম্মা! খাইদা অঙাং অমতা থম্নবা মফম লৈগদ্রা?" মাধবীনা "করিগী ওই-

রবনো ?" নীপা অদুনা মনাক্তুগী অঙাং অদু মখুৎ পাইরদুনা "'সি ঐগী ইচানি। 'সিদা লাইরিক তমহনগে পুরকইবনি। হোসতেলদা থমগে হায়রুবদা মখোয়গী ওঝা হেডমাষ্টরনা লৈফম লৈত্রে হায়রকই। অঙাং'সিগী লৈফম অমতং পামই।" মাধবীনা অঙাং অদু য়েংলমই। অঙাং অদু ঙৌবোক ঙৌরদুনা মমিৎ তরু তরু পাংলদুনা য়াম্না ফজে। য়েংবদা ইচা-ইনাওনি হায়-নিংই। মাধবীনা "ইচাবু ঐঙোন্দদুম লৈথোকতুঙাইদনা।" হায়রমই। নীপা অদু হরাওবগা লোইননা অঙাং অদু মাধবীদা শিন্নরমই। নীপা মচা অদুগী মমিংনা শমু কৌই। মাধবীনা অঙাং অদুদা কবোক অমা পিরগা "ঙসিদগী হৌনা ইমাগা লৈর-গদবনি। ঐঙোন্দা ইমা হায়না কৌকো" হায়রমই।

মাধবীগী মনাক্তা অঙাং অমা লৈরে হায়বসে খুলগী মী পুম্নমক খংনরকলে। মাগী পোংফমদা পোৎ লৈবা লাকপা মী-শিংনা অঙাং অদু উবদা "মাধবী! অঙাং অসি কনানো ?" হংলমই। হংবা লোইদ্রিঙৈদা মাধবীনা "ঐগী ইচানি। লাই-রিক তমহনগে হায়দুনা কৌরুরিবনি।" খর অমনা "শক ফজে, মমা মাল্লি।" হায়রমই। খর অমনা "নংগী নচাসে ওস্তোকন তপত্রেদা—? নংনা পোকইদুম থাজদে।" খর অমনা "ইচেগী অঙাং'সি নুংশিদা, ওস্তোক্র ইংত্রেদা।" শোল্লমই।

মাধবীনা অঙাং অদুগী মরমদা হংলকইবা মী খুদিংদা কা লাল্লমই। চুক্নপ বিড়ি য়েল্লমই। শমুবু মহাক্কী মচানি হায়না

ৱারি শারবা মীদা মহাক্ক পিজ পিথক করি'মতা পাম্মুদে। মমৈ-থংদদী মহাকপু মাধবী হায়না কৌখিদ্রে। শমু'মা হায়না কৌরমই।

মাধবীনা শমুবু অসুক্কী মতিক লুনা তৌরমই। অযুক খুদিংগী চাকওল থোংহুনা পিজরমই, অহুগা স্কুল ফাওবা লাইরিক পায়হুনা থিনবীরমই। নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং অশাবা লুমহুনা শাবননা শেংনা ইরুজবীরমই। চারা খুদিংগী শন্নগী চান্নবগীদমক ঙাথোংবা মথেল্ল অমমম তোপলমই। মহাক্ক করিগুম্বা তুমল্লিডৈ মতমদা খজিক্কুং নিল খোংবা খোঞ্জেল ফাওবা থোকহল্লমদে। ইমুংদা চংবা তার-বস্থু খুনিং কাংনা নুংশা স্বর হোন্দবগুম তৌনা চৎলমই।

ঙসি চিঠি অমা মাধবীগী মখুত্তা থুংলমই। চিঠি অদু উবদা মাধবীগী পুক্লিং লাংতকনরমই। করিবু ওইরিগবা—? চিঠি মরোন্দি অতৈ অমা নৎলমদে। শমুবু মাবু পোকপি মমানা কৌবা ওইরম্লে। মমানা শমুবু উজনিংই। চিঠি অসিনা ফংবগা য়াম্না থুনা লাক্কবা য়াদে। হায়রমই। পাউ অসি তাবদা মাধবী মকোক্তা ব্রজ কোটি অমা থাদবগুম রাখ্রে। খংহৌদনা খোঞ্জেল থোক্ক কপলমই। শমুবু চেজেৎ কোল্লহুনা "নং ইমাবু থাদোকতুনা চংলগদ্রা?" হায়রমই। শমুনা "ইমানা ঐবু কৌরে। ঐ চৎলগে।" হায়রমই। মাধবীনা রা ঙাংলমদে লৈপাক্তা থরো থরো ওন্দুনা কপলমই। শমুনা মাগী লাইরিক অদু নাকন্দা য়াল্লহুনা চৎখি-রমই। মাধবীনা অঙাওবীগুম শমুগী তুং ইন্দুনা তান্নরমই, অহুগা লম্বীদা শমুবু কোল্লহুনা "ইমাদা হায়রমউ। নহাক কদৌডৈ লাকনি। ইমা চাক হাপলমগে।" অঙাং অদুনা "খংদে।" হায়-

রমলগা অমুক খর খর চৎপা হৌখিরমই। মাধবীনা লম্বীদা লেপলদুনা ম'পিনা থল্লবা মমিৎ অতুনা শমুবু য়েংলমই।

লম্বী অতু'দি অযুক্কী ডিমাপুর গাড়ীনা অতং অথম নাইদনা চংলম্মি। মহাক্কী মনাকতা গাড়ীনা অতংপা লৈতনা হয়োন খোংদুনা চেল্লি। মাধবীনা মহাক্ক লেপলিবা মফম অতুদা অতুম লেংদনা শমুনা অস্নুম তান্না তান্না চৎখিবা লম অতু ফাওবা খুনিং কাংদুনা য়েংলমই। শমুবু য়েংবা অসিদা মহাক্কী রাখল তোইথ্রে। মহক পুক্নিং লুপথ্রে। তুংদগী খোঞ্জেল তাখিদ্রে। মীয়াম পুম্নমক্ক "নুপা নুপী!" লাওনরমই। মহাক করি'মতা তাবা তৌখিদ্রে। মীয়াম পুম্নমক হোৎচিন্নরমই" শিবা তারে, শিবা তারে। হায়বা মীরাওখোন্না পুমনিন নিম্লমই।

ঙসিদগীদি ঐখোয়না মাধবীগী পুন্সি অমূক উররোই। হৌজিকতি মহাক্কী অন্না নুংশি য়ান্নরবা পুন্সি অতুবু নিংশিংবী-গ'দৌবদা মঙাইরে। থাঙ্গৈশেংমমক মাধবীদি মচা নুংশিবগী সংসার অতুদা অমুক নৌনা চৎথ্রবনি।

তাং ১০।৩।৫৫ ইং

মোতবুং চীং

য়ুম্বানবা

মীওইবগী য়ুম্বানবা হায়বা 'সে য়ান্না কুপশিল্লবা খোংথাং অমনি। খোংথাং অসি—অসিনি হায়না প্রমাণ পীবা নত্রগা

থিন্দুনা তাকপা য়াবা মওং নত্তে। মী, মী অদুগী ইতোপ তোপ্পা খোংথাং অমমম লৈ। ইতোপ তোপ্পা রাখল অমমম লৈ। ইতোপ তোপ্পা সংসার অমমম লৈ। য়ামদ্রবদা নুপা নুপী অনিগী লৈনরিবা, চেৎনরিবা থম্মোই অদু খরদং কোম্লকপদা, নত্রগা য়ম্বান হৈবী নুপীগী হৈজন' চৎচবা শাজত্তা মপুরোইবগী অনুতাপ— নত্রগা অহল মশেল অনুক্তং চাং য়েংনবা অসি পুন্নমক অসিদগী মীৎয়েং অমমম থোরকই—পুন্সিগী মরূপ, নত্রগা তমথীবা মীৎয়েং, কাইনবা, উননিংলবস্থু উনবা য়াদ্রবা, চৎনিংলবস্থু চৎপা য়াদ্রবা। সমাজ, চৎনবী, মীগী মীনোক, মদুদগী থোৎলবা নোরবা থম্মোই অদু মরুভুমিগুম তমথিরবা সংসার অমমন ওইহল্লি।

মনিবাবুগী মপুক্লিংদা শান্তি লৈবমদে। মিকুপ অমতং মযুমদা লৈনিংদবসি মতম কুইবক্লে। মতম অয়াম্বপা সিনেমা য়েংই, মরুপ মপাংগী মযুমদা চৎলি; অসুম তৌনা কোইচং চৎলগা মহাক পোথাবগুম তৌরম্মী। করিগীনো মহাক মযুমদা লৈনিংদ্রিবসি। মসি য়াম্না খন্ননিংডাই ওইবা হিরমনি। মহাক মশামক বি, এনি, হাইস্কুল অমগী ওঝানি। মমা মপা লৈ, মচিন মনাও মচনশিংস্থু য়াম্না লৈ। থোইদোক্লা লাইববা ইমুংস্থু নত্তে। অদুগা মহাক্কী নুপী নলিনিস্থু শকফজবী; ইনাকখুনবী নুপীনি। অদুবু করিগীনো? মহাক্লা মিকুপ অমস্তং মযুমদা লৈনিংদে। মযুম অসি তমথিরবা থম্মোই রাওদ্রবা শাহিং ডাহিং চাবা জাবশিংগী লৈফম ওইনা লৌরমই।

ঐখোইনা উবদি মনিবাবুনা লুহোংলমদাইদা খরা য়ানিংদবা

উংখি। অদুবু নলিনী অসিবু মহাক্কী অপাম্বগী মিৎয়েং মনুং মন্দবী নুপীনি হায়রবস্থু মহাক্না পামজবী, মহাক্কীদমক খরস্থু রাখল খঙ্ডবী অমতং পুথোক্কদবস্থু তাংনা থোকই। নলিনীগী মগুন্দা য়েংউরবস্থু মহাক মশক ফজবী; লাইরিক হৈবী, খুৎশু কনবী ইনাকস্থু খুনবী নুপীনি। গুণ অসিগী মনুংদা অমস্থু মহাক অমতং পোকচবী নুপীনি। মনিবাবুনা মথন্ত খনবদগী হেন্দোবকতুনা মহাক্কী মরুপ মপাংশিংদা তান্নজরবনি। মরুপ-শিংনস্থু "মহাক য়ান্না ফৈ লৌবা য়াই।" অমনস্থু "মনিবাবুদি নুপীগী সম্পত্তি য়ান্না ফংবা তারে।" মনিবাবুনা মপুরিংদা নোক্লম্মী, করিগুম্বা মতমদস্থু হায়দোকখি "সম্পত্তিদি অরাইবনি, তিন্নবনি অরুবদি—"। অদুগা মমা মপাদস্থু অস্থুম্না হায়খি 'ইনাকখুনবা তিন্নবসিবু নুঙাইগদ্রা?" মমানদি করিবু হেনগদগে মতাগুম নোকফেৎ তৌনা "ঐখোইনা করি রাৎকদগে? নংগীস্থু অস্থুক য়ান্না লৈরিদনা—।"

লুহোংবা মতুং মতম খরদি মাখোয়গী ইমুংসি খরা নুংঙাইনা নোক্কুনা ঙাক্না লৈবা উবম্মি মচনসিংনস্থু হৈ অমক্তং চাবা তারবস্থু "ইনম্মা! ইনম্মা মনাওনিপাসিংনস্থু করিগুম্বা পাউ অমক্তং তম্বদা হান্না "ঐখোই ইতৈমাদ" অদুগা মমা মপানস্থু করিগুম্বা হৈ লৈ অমত পুবকপদা অহানবদা 'নলি' হায়না কৌরমই। অপোকপা মচাদগী হেন্না লুনা তৌরমই। অসিগুম্বা অচান নুংশিগী মতৌ অসি মাখোইগী ইমুংদা তারক্কবা মতম কুইরক্লে। করম্বা রাহৌদগী করম্বা থৌদোক্কগী নিংঙোল মৌগী রাথোক

অসি ওইরক্লিবনো! ইমুং অসিগী নিংঙোল মৌগা নুংশিনবসি ফনা নিংথিনা নুংশিনবে। অমনা ফৌরম্বা ফি অমনা লৌশন্দে। অমনা পাইবা পোৎ অমনা শোক্কে। মৌনাচাক থোংবা নুমিৎ অহুদি নিংঙোলগী চারা হেনবা নুমিৎনি। নিংঙোলনা চাক থোংবা অহুদি মৌগী ঈশিং থকতুনা লেনবা নুমিংনি। অমনা খিত্তং য়েংলম্বদ অমনা "খারেদকে।" হায়রমই। অমনা কনাগুম্বা অমগা চুন্নদা রারী শাবস্থ অমনা "মীনাইদনা মপুগী রারী শাবনি।" অসিদস্থ নত্তে, মীকুপ খুদিংগী রাথোক কয়ামরুম লৈরি। থাঙ্গে-শেংবা মখোই খৎনবা হৌখিবদি নোংমা মৌনা শিংলম্বা রাই অহু নিংঙোলনা অমুক হন্না শিৎলুরে হায়ব্রা? মহুদগী হৌখিবনি।

য়ুম পাল্লবস্থ নলিনী মপামদা লৈরিঙৈগী ফিভম অহু থোইদোক্লা হোংদে। ইনাক খুনবা মচা ওইবনিনা খরস্থ থোই-চৎনৈ। ঐখোয়গী মৈতৈ সমাজদদি অকাইবনি হায়নরিবা মনেম মকুগী মমাংদা খোংউপ তোংহুনা চৎপসি মাঙোন্দদি থোইনা লুনা থোক্লমদে। মহাক্লা থল্লমই "মচা নুপীশিংদি তোংবা য়ারগা ঐনদি করিগী য়ারোই"। "মপামদা চৎপা তারবস্থ কনাদস্থ তাকলমদে, সাইকল অমা তোংলগা হেক্তা মচৎখি। থবক তৌবস্থ কয়া হৈতে। ইনাকখুনবা ইমুংদগী থোরকপা ওইবনা থবক্তি য়াম্না লৈথোকপা হৈরকই। মহাক্কী খুৎলাই অমনা "হকচাং ঙমদে" হায়না ফমুংদা চংবা অসিনি। নুমিৎ খুদিংগী তৌদবা য়াদ্রবা রাইতৈ কোনকেং ফাওবা হৈনিংবা তৌরমদে ফৌ শুবস্থ য়াওনিংদে। অসি নত্রগা অতোপ্লা থবক অমা ফি শাবা,

লংচাক চাকপগী থবকস্থু হৈরমদে। য়ুম পাল্লবী মৌ অমনা তৌফম থোকপা তঙাই ফদ্রবা থবক অত্থু মহাক্না শরুক য়াবা ঙম্নমদে। অত্থুবু কেবদি মিৎকুপ পুংজা খুদিংগী পাওদব, সাবন, থাও মনম নুংশিবা, মনম্না মী থৈনবা ফাওবা চুরে। নোংমা মকুবোক্না নলিনিগী মমাদা হায়খি "ইবেম্মা নচানুপী ইবেম্মা'সি ঐদি ভাব য়াম্না তারমগদ্রা নিংবনি। অত্থুবু মহাক মপামদা লৈরিঙৈগী ফিভম অত্থু ইহোং হোংদ্রি। মহাক য়ুম পাল্লবীনি করিগুম্বা হৌনবা অমত্তা খংদে, ঐখোয়না হায়বস্থু কয়া লৌনিংবগুম তৌই। ইবেম্মা হোইনা অমুক্তং ন্নারকপীবা পামই। মহাকী শাজৎ অসি ঐখোয়দি ওম্থোক্না পামখিদ্রে।" নলিনিগী মমানা "মহাক অঙাং ওইদুনা তৌরিবনি ন্নারৌবিগনু। তাদহোইগী মৌ ওইরবনিনা তাদহোইগী খুৎ চানবা ন্নারকপিগদবনি। ঐখোয়না করিস্থু হায়নিংঙাই লৈতে। পুম্নমক তাদহোইদা শিন্নরবনি।" মচিন্নদি অস্থুম্না হায়বশাই, মপুক্লিংদদি মাখোয়না করি হেন্দুনা ইচাবু করি থোকএ হায়দুনা হায়জবা শারীনো? মচানুপীদা খুজিন্না শিক্লমই—লৈনিংদ্রেগা হেক্তা লাকউ। করিগুম্বা নলিনীগী মমানা মচানুপীগী নাক্তা লাকপা থোক্লবদি কনাগস্থু উনদে, মচানুপীগা লোৎনা ন্নারী খরা শারগা হেক্তা মচৎখিরম্মী। মসিনস্থু নলিনীগী মকু মনেমদা অশাওবা মৈরি অমা হেনগৎলম্মী। ইচে ইনেম কমদৌরি, লাকইব্রা? নুঙাইরীদনা অসিনচিংবা ঙাই· শেলগী হৌনবা ন্নারী অমতা শানরমদে। অমগা অমগা চাও· থোক্লবা তাম্নবগুম তৌরমই।

মনিবাবুগী মমাস্থ য়াম্না ইঙ্গিৎ উবী, মীনা লাকচবা য়াদবী নুপীনি। মচাশিং রারকপদা অসিগুম্বা লোন্দা অমা শিজিন্নরম্মী "মপা মপু জাৎ নাইদবা সঙ্গ তৌদবা মচানবু কয়া কজরগবনো ?" ইমুংসে ঙুং ঙুং ঙংলম্মী। নোংমদি নলিনীনা খুম্লকই "অবোক হোইদি জাৎ নাইবা মচা ওইহুনা তৌবমাল্লে। মীচং শঙ্গন ওন্থোক্লা নাইগ্রে।" মনেম্না "আকপাক নাইদনা, নপা নমানা রারেক্তবগী রাঙাং অহু শ্বাইদা তৌরনু। নং য়ুম অসিগী মৌনি। ঙরাংদা লাকইবনি খঙব্রা ? নরু লূকথনা চৎকদবনি।" নলিনীনা "মৌনি হায় হায়দুনবু নুমিৎ খুদিংগী অবোক হোইদা খুরুম্মু হায়ব্রা ? ঐখোয়স্থ মৌনি হায়বা খঙই। লৈকাই অমদগী লাকইবনি। ঐখোয়স্থ মিৎ পাল্লি, নাকোং পাল্লি। রাঙাংস্থ য়াম্না হৈজৈ" "হাই নচিনদো থিনুনে, চিনথিবী করম্বা অহল লমম্না রারক্তবা মচানো ? ননেম নকুদা করি হায়নি তম্বিরকত্রা ?" করিগীনো খঙদে, পঙখত্তা খৎনৈ কনানা চুম্বা, কনানা লানবা খংবা ঙমদে। অহুবু খৎনরীবা মখোয়দি অচুম্বা ঙাক্তনি লৌনরীবনি।

"নংগী নুপীসি খাইনখো, বেব্যহার য়াম্না লৈতে। লমচৎ নাইদবী নুপী অসিনবু মচিন মনাও কোনবা য়াবা নত্তে, মচিন্না থিরিবা—।" মমানা মনিবাবুদা হায়রকই। মনিবাবুনা থোইদোক্লা রাখল অমুকপু খল্লুদনা হায়রকই—"নুপীবু থিরগা হেক খাইনবা য়াব্রা ? ইমাহোইনা পামজৈ হায়বদাইনে ?" মমানা "মনিপুরগী নুপী রাক্তে ; ইচানা পাম্বদা হাইয়ু, হৌজিকমক হেক্তা

লুহোংগনি।" মনিবাবুদাদি যাম্না নোক্লিবা রাফমনি "ইমানা হাইবীবত্থু ঐখোয়বু রাখল লৈতবগুম খনবীরি। মীগী মচাবু লৌকবগা হেক খাইনবা—। অদুগা লুহোংববু শাম্নপোংনি খল্ল-মাল্লে। ইমাহোই অহল্লি, নখুৎ চানবা রারকউদনা ইমাহোইদি অশোইবতা য়েংনদুনা লৈনরে। ফনবদি অমত্তা খন্নদে।" মমানা শাওনা "ঈবুঙো! ঙবাংদা লুহোংবদা ঙাইরি। ইমাহোইবু থুনা কাওবেনা। নংবু বি, এ ওইনা পোকলকপোই নিংলব্রা নুপী অমত্তং থীবগা হৌজিক্কাসগী হৌনবী অদু তৌরকলব্রা?" মনি-বাবুনা লাওবম্মী "হৌজিক কালগা করিমত্তা খংদে, ঐগী নুপীদি খাইনবা য়াদে। নুপীবু হেক থিরগা খাইনবা ইমাহোইগী পুকচেল অদু কবি পুকচেলনো? ইমাহোইনা লৈমিন্ননিংব্রগা ঐখোযদা তোঙান্না লৈবা হাযবত্থুনি? মমানা চৈরমই "ইচানিপা পোকপগী মহৈ ফংলে।" অস্থুমনা মুকম মুরুম শোল্লদুনা ইমুং লময়াইদা ঙাংলম্মী।

নলিনী মপামদা হনখ্রে। মনিবাবুগী মপানা মচাবু অস্থুন্না রারক্লম্মী "মনি; ইপা রা হায়গে। মপাম য়ৌথ্রবা নুপীদি ইমুং অসিদা অমুক চংহনবা য়াদে। ঐখোয়দি মপাম য়ৌথ্রপা অহিং লেক্লবা নুপীদি যুমগী নুপী ওইনা খনদ্রে। শাগৈ ময়েং তাবনি, মীমান্দা ইকাই। অদুগা 'সিমগা হায়গে নংনা অসোমদা চৎলুই, লাকলুই তারবদি নুমিৎ অদুদা লোইরবনি।" মনিনা ঙাইহাক্তং তুমিন লৈরগা খুম্নকই "ঐ নুপীসীবু খাইনরব্রনে? বাজীহোই ইমাহোইনা নমত্থুনা চংহনখিবা নত্রা?" মপানা "নিপামচা!

ঐনা হায়রিবসিনিকো ; অশোমদা চৎলিকা তারবদি নুম্বিৎতুদগী ইচা নত্রবনি। হেরা ঐগুম্বনা পোকপা মচানস্থ নুপীমচা অমগী মতুং করিগী পংইন ইনগনি। নং খংউকো , ঐনা হায়রিবসিনি।"

মনিবাবুদি করি অমত্তা খুমখিদ্রে। মহাক্না হায়রিবদি অসিনি। নিপা নুপীগী লৈনরিবা মরি অসিবু হেক থাদোক্লবা য়াব্রা ? মীনা নোক্লবা মীনা নুঙাইনবা য়ুম্বানবা নত্তে। মখোয় অনিতগী ওইবা মখোয় অনিতগী সংসারনি। অদুগা ময়ামগীনা চাওরাকপা মিয়েং অমগী মখাদা য়ানবগী মতুং ইন্না লৈনগদবনি।

মনিবাবু মপানা ইমুং চংহনদ্রে। নলিনীগী মযুমদা অস্থুম চংবসিবু লৈকাইগী মী অমদি মরুপ মপাংগী মমাংদা খরা খরা হঙ্গোইবা পোকলমই। নলিনীগী ইমুংনা মহাকপু থওইনা তৌবি- দবগুমস্থ তৌরমই। লৈকাইনা, মরুপ মপাংনা নোক্লবা মনাকোংনা তারক্লে। রারেম ঙাংবদা হৈনজত্রবা নুপীশিংনদি অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসি নাম্থোকহনখিদ্রে। হিদাকপু অশাংবা অমমম পাইরদুনা "মমা মপা থাদোকতুনা নুপী মতুং ইনখ্রেয়ে ? অদুবু নুপীনস্থ য়াবিদ্রেয়ে।" অমনা অমুক "ওন্থোকনস্থ চোপ- চত্রবা মী হায়বদুনি" অমনা অমুক "মী' মচাবু লৌনি লৌরগা খাইনবসিবু ··· ···।" অস্থুমনা রারেম ঙাংনখিবা অসিনা মনঙ্গন মনঙ্গনদা হিদাকপু ঙাশিনবফাও খংনখিদ্রে। ময়ামগী নোক্লবা, অহল মশেলগী য়েংথিনবা অসি তারগা মনিবাবু তুমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদ্রে। মহাক্কী রাখলদা মথোই অমা কারমই, মদুদি তৌদুম তৌগে মত্রাগুম, শিংনবা রাখল অমা ঈহৌরকই। কল্লকপদা

কল্লকপা য়েংথিবদা য়েংথিবা থোইনা হেন্না নোক্লসনু, থোইনা হেন্না তাথিরসনু মতাগুম্ মহাক্কী রাখন্না মথোই কাবমই। হৌজিক মহাক নুপী মমুমদস্থু চন্ত্রে, মমুমদস্থু হন্দ্রে। মরূপ মপাং কনাগী যুমদস্থু চংলমদে। হোটেল অমদা ভাত্রা পীহুনা লৈরমই। নোংমদি মহাক ইমুংদা থোং লোনশিন্দুনা মপাল থোক্কনা ফমুংদা হিপতুনা খল্লমই—"মখোয় ইমুংগী মওং মতৌ, নুপীমমুমগী ব্যবহারদা মফজবা—। মীনা নোক্লবা। অমরোমদা নুপী অদুবুস্থু কাওবা ঙমদে। মাগীদমক্তা থোকখিবা রাথোক ঙাক্কনি। মমাংদা নুপী অমা থিবসিরা? মখোয় ইমুং মতাসিদা য়ুম্বানগদৌবসিস্থু ওক্লে।" নোংজুথাদা কুংনা পাইরকপা নোংগুম মহাক্কী রাখন অসি মিকুপ অমত্তা হাথিদে। অমুকস্থু "ঠকাইদা" হায়না মথন্তা অঙাওবগুমস্থু হায়দোক্লমই। থংনবা নুমিৎ অদুদা মহাক মরূপ অমগী মমুমদা চংতুনা রারী শারমই। "মরূপ! ঐনা ঐখোয়গী ইমাহোই বাজিহোই, অদুগা নলিনীহোইনা হেক উবদা কল্লক পেনবা থবক অমতং তৌনিংই। যু থক্লসিরা? নত্রগা জুরার শানদুনা লেল্লসিরা?" মহাক্কী মরূপ অদুনা মহাক্কী নুপী কাইনবগী মৈচাকনি খংলমই। মরূপ অদুনা হায়রমই "ভাই! করিস্থু লৈতবা রানি, যুগা থকউগনুদা—। অদুক তুক্কচবা চিঞ্জাক অদুবু। অদু' শরুকপুদি নুপী অমা কোইশিল্লু। মরাইনা কাওজখিনি।" মনিবাবুনা "ভাই! নুপীদি তল্লেদা—" খুম্লকই।

নলিনীবু ঐখোয়না পংখন খনবীবদি চুমদে। রারক চেস্তবী নুপীনি হায়না ঐখোয়না লৌরবস্থু -। মাগী থম্মোইদা অচেৎপা

রাখল অমদি লৈরীবনি। মতুদি মহাক মৌনি। মহাক্না মুন্না খংজরম্মী মহাক নিঙোল নত্রে। নলিনী ইনাক খুনবা মপামদা লৈদুনস্থু অতুক য়ান্না নুংঙাইবা ওইদ্রে। মহাক্না মযুম পান্দ্রিবা নিঙোল অমা ওইরমলগদি থোইদোক্না নুঙাইবস্বা য়াই। মহাক্ন ফোংদোকপা ঙমদ্রবস্থু মপুক্নিংদা তত্তনা ফাওই। ন্নমিং খুদিংগী ইচিক চিকপা, মথন্তা ঙাইবা পুন্সি অমা, করিগুম্বা অমা ইরাৎ রাৎপগুম তৌরমই। ইনুং নুংঙাইরমদে। অসিগুম্বা অরাবা অসি খাঙবা ঙমদ্রবুনা করিগুম্বা মরম অমদগী ইখঙ খঙহৌদনা মনি-বাবুহোইগী ইমুংবু তত্তনা চৈবা হৌরমই। অতগা মনিবাবুবুনা য়ান্না তাথী তাওইনা শোল্লম্মী। অমুন্না তাথীব, শাওনিংবা মওংদা মনিবাবুবু তত্তনা নিংশংবগী লম্বী অমা শেল্লম্মী। মৌ ওইরগা মপামদা লৈবগী নুঙাইতবা রাখল অদু নলিনীনা ফংজবম্মী।

নলিনী নোংমদি মমান্নবা অমনা চাক্কৌবা চৎলম্মী মহাক্না লাইরিক তম্মীনরকপী নয়নী হায়রুহুনি। মখোয় অনি অসি চহি অমত্তদা য়ুম্বানমিন্নবনি। চাক্কৌবা অতুদা মাগী মরুপ মপা, লাইরিক তনমিন্নরকপা কয়াগু য়াওবমই। খরনা মচা অমমম মতম্বাক্তা পমজবা উরম্মী। মখোয় ময়ামনা শারিবা রারীদি ছাত্রী ওইরিবৈ, লৈশাবী ওইরবৈগী রা অদু শাখিত্রে। মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী রারী ঙাক্তা—, মতুদা নুঙ ইহুনা নোকচরমই। নিপাগা পুক্নং মান্নন লৌমন্নবগী নুঙাইবা, মৌ ওইবগী খরদং ব্যবহার তৌনা থাক অমতং কাজবা ফংজবা, মচা নুংশিবগী রাখল। অসি নত্তনা থোইদোকপা রারী শাদে। মহাক্নী

মমান্নবীশিংগী অসিগুম্বা ৱারী অসি তাকুবগা নালনীগী পুরিং অদু ঙহাক্তা ইংথবা ঙম্লমদে। মতা অমনা “নলিনী! নহাক নপামদা লৈ হায়বা তাই, করিগীনো?” নলিনীনা “ঐ হকচাং ফত্তদুনা ইমাখোইগী অসিদা লায়েংবনি।” খুম্লমই। মতা অদুনা “নখোই নকুবোকহোই, ননেম্বোকহোই কমদোই? ঐখোয়গীদি ইবেম্মা! মখোয়গী অহন লমনগী চাং য়েংবা হাযবা অদু ওইবমাল্লে। লুহোংবা মতুং থা অহুমগী মতুংদা ঐখোযবু তোঙাল পীজরমই। ঐখোযগী ইকুবোকহোই, ইনেম্বোকহোইনা নখোই নযুম পাল্লবনিনা নচিঞ্জাক পুজবা ঙমনবা হোৎনজরো—। নখোইগী মথি মকুম পুবা ঙম্বোই হাযরমই। অদুদগী ইবেম্মা হন্না ফাওবা শুকয়েং হেক য়েংদবনি। ঐখোয়’ নিপা অদু মমিত্তা মপী ওরো ওরো হেক তানা কপ্পনি। ঐস্থু থবকসে নোমগে হায়না হেক নোম্বদা ঙহাক্তু লৈতানা ফম্বা ঙমদে। ৱাই তৈবদা খুৎ অসি লামুক পাই— অহিংনা নোংয়াই মতুংদা তুম্বা ঙাক্তা ফি শাবনে, মোজা ল্লোনবনে। ঐগী চিঞ্জাক্তদি পুবগে হায়দুনা নোম্বসি য়াংগসে খ্রকখ্রক কংই। ঐখোয় ইমাহোইনস্থু হল্লকপা য়াদে, অহন লমন্না য়ানবা চৎলু অসিদগী হেন্না করি অমত্তা হায়দে। ঐস্থু ইপামদদি হল্লরোই হায়দুনা শিববস্থু অদুমঙাইরে হায়দুনা খাঙদুনা লৈববনি। অস্থুম তৌনা চহি অমরোমদি কযা ৱানা লৈখ্রে। মতুংদদি যুম্বানবা ঙমলগনি হায়রমাগে, ইকুবোক, ইনেম্বোকহোইনা অনুক কৌশিল্লে, পুন্না চামিন্নরে। অদুদগী কনাগী খোং খোৎপা পৈশা নুংশা, শেৎনা চানবা চুমশোনচিংবা

ঐঙোন্দা লোয়না শিন্নরে। পৈশা অমগী মরোই লৈবা ফাওবা ঐঙোন্দা হ'দনা লৈদবে। অস্সুম হায়না খাংলকই ঐখোয়দি—। "মতাগী রারী অদু তাবদা নলিনীগী মপুক্লিংদা য়াম্না ইকাইবা অমদি "নুপীমচা অমগী মগুণ ইয়াও য়াওদ্রবা ঐবু" হায়না নুংঙাইতবা পোক্লমই। অস্সুম খল্লবগা মনিবাবুগী মনাক্তা চৎনিং· বনা মহাক্কী থম্মোই অসি পোত্থাবা লৈবমদে। মনেম মকুবোক অদুদা লাল্লে হায়না হায়জরুসিবা হায়ন' খনখিরম্মী। মহাক্ হয়েংমক মপুরোইবগী যুমদা চৎলগে হায়না লেপখ্রে।

অদুবু পাও অমা তারক্লে, মনিবাবু ময়ুমদা লৈতে। অদুগা পাউ অমস্সু মনিবাবু মৌ অমা লৌদুনা লৈখ্রে। মনিবাবুনা অতোপ্পা নুপী অমা থিরে হায়বসি নলিনীনা তাবা ঙমলমদে। খঙহৌদনা য়াম্না পুক্লিং শোক্না খোঞ্জেল হৌনা কপলমই। মাগী অনিগুম্বা নিংবা কাইবগী মকপ অসি লৈকাই তরেং তারমই হায়বা য়াই। চাক চাদে, ঈশিং থক্তে, মচিনবান খ্রখ্রক কংই। ফমখিবা মফমদা চিন্তানি, মমিত্তা মপি অতৎপা লৈতনা শিন্থে। নোংমদি মহাক্না নুংঙাইতবগা লোয়নন মমান্নবী অমা হৌরদুনা মনিবাবুনা লৌরিবা মৌ অদুগী ময়ুমদা চৎলমই। অদুগা মনি· বাবুনা লৌরিবা নুপী অদুদা খর হস্থনা য়েংবগুম তৌনা "ঐগীদি ইনাও অমা ফংজরেদনা—। ইনাওদি কমদৌরি। য়াম্না নুঙাইন লৈবা উইনা—। ফি-রোন্না অহনবা ঙাক্তা।" মীগী ইমুংদা চংদুনা কোইয়েং য়েংলম্মী। অদুবু নুপী অদুনদি করিস্সু তাবীরমদে, ফিদাফাও' থাবিরমদে।

নলিনী য়াম্না রানা চিন্তাগী মশক ওইনা মপামদা লৈরমই। মহাক্না নিংজবম্বা আশা পুন্নমক কাইরে। মাগী নিঙমহৌদবা, ফোংদোকখিদ্রবা, নুপী অমগী মৈচাক রাখল পুন্নমক অদুনা হৌজিক্তি মৈরিগুম মাগী থম্মোইদা মুত্তনা চাক্লম্মী।

নুংশিবা থিবা

রাখল অসি য়ামখ্রে, য়াম্নস্থু চিকখ্রে। মফমনগা চিকপনে, য়েংখিবদা লমহাং-তুহাং, ইশং শংনা তাম্লবা লৌবুক লমহাং, অদুদগী চিং মথং-মথং ·· ···। মফমনগা আউটপোষ্টনি। মরুপ অমত্তগী মায়থোংস্থু উবা ফংদে। লৈকাইগী ইচন ইচে কনাগী খোঞ্জেলস্থু তাদ্রে। রাজেনগী মরুপ হায়ববু মাগী নৌনা ফজবকইবা অচিকপদা ঈখৌ লাংলবা মাগী যৌবনগী থম্মোয় অসি তা মঙাইরে। মতম অসিদা "ইবুঙো" হায়বা য়াম্না নৌরবা খোঞ্জেল অমা রাজেনগী নাকোংদা তারমই। মহাক্না খোঞ্জেল অদু তাবদা হন্না য়েংথোক্লমই। খোঞ্জেল অসি ঙসিদি য়াম্না নৌনা তাখ্রে। অমুক্তা তাখিদ্রিবা নৌরবা বীণাগী খোঞ্জেল অমগুন্না মহাকপু ইরায় লায়না শুম্বাৎপা ঙমখি।

নুমিৎ খুদিং উনবিবা কৈথেল কাবী নুপীনি। মখোয়গী মযুমদা তত্তনা ইন্সাং নাপী য়োনবা লাকপী মৌনহা 'দুনি। করিগী মহাক্কী মপুক্লিংদা অস্থুক নৌনা অস্থুক থোৎনা শুম্বাংপগী খোঞ্জেল অমা ওইনা থোক্লিবনো? ঙসিদি মহাক্কী মফমদা ইনৌ

নৌই। মৌনহা অদুবু মুন্না য়েংদুনা লেপ্লমই। মপুক্কিং তানা য়েংজনিংই। মংকোক্তা মনা-মশিং, কোৎনী হাপ্লা থুমোক মচা অমা পুবি। অঙৌবা ফুরিৎ অমা শিৎলি। মখুবাং অদু খুবাজেং নিংথিনা লাকপনা চেত্তক তৌনা ফনা নিংথিনা উরে। তুংন ফজবী, নিংথৌ তাবী ফজনী নুপীনি। নিংথিনা পুন্নবা শমগী শমজি অদুনা থওইদনা য়াম্বা মওংগুম চেৎরবা থবাক্কী মপাদা চাইনা তারি। পিশুম ফজবী, মিত্তা ফজবী, য়াতা লংবী, নোংকপদা খজাই কুত্তক তৌরবী, মমায় কোইত্তক ভাবী নুপীনি। রা ডাংবদা মমিৎমনা শিংই। রা চাবগী চিংনম্ব ডংত্তক তৌবদুনা ডসিদি রাজেনগী মমাংদা করেম্নবা মাংখ্রাং খং ওইনা থেকথ্র। রাজেন্না মিৎফম হোংদনা যেংলমই। করিগুম্বা পাউথুম অমত্তা পিরমদে। মতমম্ভু তারমদাই নুমিৎকা চাদ্রিনবা দগ্গ অদুনি। রাজেন্না য়েংনা য়েংনা নুপী অদুনা কৌবকই "ইবুঙো ইতৈমনা ইন্সাং-নাপী খরা পুবকই। করি করিনা য়েংহৌরো।" রাজেন্না থুম্মোক অদু নুপী অদুগী মকোক্কগী থাবীবমই।

"ইতৈম ! কদায়দগী ইন্সাং নাপীনো ? য়াম্না পুবারক্লে !" রাজেন্না হংলমই। "ইবুংঙো ! কৈথেলদগীনি। করি করবনো য়েংহৌরো।" অসি হায়বদুনা মৌনহা অদুনা ইন্সাং-নাপীশিং অদো অমমম লৌথোকতুনা য়েংহল্লমই রাজেন্না নাপী মশিং য়েংবগা লোয়নননা মৌ অত্তী চেৎববা পানবা, হৈংগৎনবা চুংশা, খজাইদা চাইথারবা শমনাশিং, রাশি লৈরবা চিনথান অম্ভুম য়েংদুনা পেঞ্জরমই। মীনা করি লৌহৌগদগে হায়বদুগী পাউথুমদি

পিরম্মদে। মৌনহা অহুনা "কৈনোসে লৌহোগদবা লৌগৌবো, ইতৈমা চৎলগে।"

বাজেন্না খবা শোল্লপনা "ইতৈমনা য়েংহুনা হেক থম্বীরম্মো।" মৌনহা অহুনা নোক্রহুনা "ইবুঙোনা পাম্ববু ঐনা খংলবদি করিগী হংলুগদগে। কোবী অসি লৌহোগেরা? 'সিদি নখোয় অনি চাববদি নুমিৎ হুমনিহুম চান্নগনি। ইবুঙো অমহুদি কদায়দা চৎখ্র?"

"ইম্ফাল চৎখি।" রাজেন্না খুম্লমই, "ঙসিদি ইতৈমগী ইন্সাংসে লোইনহুম লৌহৌবশিরা কৈনো!" মৌনহা অহুনা নোকচরমই "লৌহৌরোনে ইতৈমম্তু রাদনবা।" রাজেন্না ইন্সাং মপুল অমা য়েংলহুনা "ইতৈমা মপুল মচাশি, অহুদি করিনো?" "চাং য়েন্সিন্নি। ইতৈমনা চানিংই হায়হুনা লৈরকইবনি, লৈহোগেরা? লৌহোগে হায়রবদি তস্থাই য়েন্নশি।" "'সিবু করিগা খোংলগা হাওবগে?" রাজেন্না হংলমই। "ইবুঙো মসিদি ঙা অয়াইবগা, ঙাসেপ অয়াইবগা খোংসবদি করি হায়রুগনি। ইতৈমদি হাওজখ্রে।" অসি হায়রহুনা চীং য়েন্সিন্দো তস্থই খোক্রা য়েন্নমই। অহুগা "ঙাদি লৈববরা খোংনবা?" রাজেন্না "ঐখোয়গীদি করি অমত্তা লৈজদে, ইতৈমনা পুরক্লগা চাববহুনি।" "চাবেল লৌরলাও, ইতৈমনা তুরেন্দগী নহাল ফারকপা ঙা খরা লৈহৌই। ঐ চৎলগে। শেল-থুমদি ইবুঙোনা অহুম পাশিল্লো।"

রাজেন্না খর নোকক্ৎ তৌনা "ইতৈমসে ঙসিদি ওম্বোক্না ফজং়খ্রে ; ঐদি ঙসাইদি করি লমদগীনো - খল্লুরে ।"

মৌনহা অহুনা হরাওনা নোকচরহুনা "হোয়নে ফজরমল্লগনি। ঙসিদি হরাদো চিনবনা ইম্নবদা শম·নাগা ইতৎ তৎলবনি । অমুক্তা লৈতানগা ফম্মক্তে।" অসি হায়রহুনা মশমদো থাদোক-তুনা পুল্লমই । রাজেন্না করিগুম্বা অমা হায়নিংই, হায়দোকপদি ঙমদবা । অম্মুম্না ঙহাক লৈরমল্লগা "ইতৈমা" কৌরমই ।

"করি হায়বগে ?" রাজেন্না খর ইকাইরপ তৌনা "ইতৈমদা করিনো অমতা হংগেনা—।"

মৌনহা—"করিনো হংউনে ?"

রাজেন—"ঙসিদি ইতৈমা য়াম্না কোইনিংলকখ্রে। স্বাইসিবু কোইফমগা লৈবরা ?"

মৌনহা - ইবুঙোখোইনা কোইবা য়াবা মী অমতা লৈতেদা।

রাজেন—স্বাই'সিবু লৈশাবীগা, মোগা অমতা লৈত্রা ?

মৌনহা—লৈতেদা—; য়েংবা য়াবস্থু লৈতেদা।

রাজেন্না ইকাই মীনোক তৌনা "ইতৈমা ! খর থিবিরকউ। হন্দক মরক্তি নুপীগা য়াম্না কোইনিংলক্লে।" মৌনহা অহুনা রাজেনবু য়েংলহুনা নোক্লমই "লৈতেয়ে—, ইবুঙো কোইগে হায়রগা ইতৈমা মঙাইয়ে।" রাজেন্না মিকুপ অমতা পম্থবা তৌদনা "হোয়নে ইতৈমবু ওইর স্থ অমতদি কোইজগে।" নুপী অহুনা খর তপলপ্না হায়রকই "ইবুঙোদি ইপ্‌াগুম্না খল্লি। অসিগুম্বা রাগা হায়রক্কনি হায়বা থাজদে।" অসি হায়রম্লগা চৎখিরমই।

রাজেন খুদক্তা হুমাং অনপ্প কানা ইকাইরম্মই। ইরাং হৌরম্লবা মায়থোং অত্তু চুম্লদা মকশিনবদা নত্তনা থমক্ষম লৈত্রনা লু লুকথরমই।

শকহেনবী মৌনহানি। মমিংনা মণি কৌই। চহি কুনমরি কুনমঙাগী মৌনহানি। মহাক মথন্তা লৈবী, মপুবোইবগস্থু কায়নরবী নুপীনি। মায়থোং খুদিংমক, শকফম খুদিংমক, শাবান য়েংউরবস্থু অথোঃপা অমেংবতা মহাক্কী ওইবি। খোইমু শয়াম তোংলম্বা লৈরাংদস্থু হয়েংগী অযুক অঙনবদদি শিংঙেল লৈপোপ কায়দনা, লৈরাং লৈনা চোইদনা থোইনা তেশৎনতুম মউবি। রাজেনগী আশা করিগী লাল্লুগদগে? অত্তুবু পাউখুম অমত্তদা মহাক্কী ঙাওরম্বা আশা অত্তু মরুভূমিদা মাংখ্রবা তুরেনগী ঈচেল-গুমখ্রে। মহাক অস্থুক্কী মতিক হঙ্গোইখ্রে মত্তুদি মীপুম খুদিংমক্তা নোক্করবোইদা খনখ্রে। মপাল থোক্কদবা হঙ্গোইরে। মহাক্কী পুন্সিগী মতমনগা যৌবনগী মথোৎ কারকপা মতমনি। মপুন্সদা কনাগীস্থু আশা তৌখিদ্রি। লৈরাংগী ফজবা, নুজা ওইবীশিংগী রাখল মাগী থম্মোয়দা মমি তাখিদ্রি। অত্তুবু থাপলবা খুঙ্গং অসিদা ইকাই নুংশি য়াম্লবা চৈনাখোল ফংলবা রাজেন অসি, পোপলবা লফু মত্তুপকুম মহাক্কী পিক্লবা কা অসিদা লোংখাক লোংনা তাত্তুনা লৈরি! মরক মরক্তা মহাক্তা শোল্লি "ওস্থোক্ত ইকাইখ্রেদা—।"

নুমিৎ খর হৌখ্রে। নোংমদি মৌনহা অত্তু হাম্লগী মতৌ গুম্রত্তুনা ইন্সাং, মনা মশীং পুরত্তুনা রাজেনগী য়ুমদা লাক্লমই,

হান্নগুন্না "ইবুঙো! ঈবুঙোলৈত্রা ?" রাজেন্না খোঞ্জেল অদু তাবদা স্বাই লাওরমই। মহাক মপান থোকপ। ঙমলমদে। মফম অসিদা চংবীরক্তুনা হনথ্রবদি ফরনিদা হায়না লাইনিংতুনা লৈরমই। মশা পুন্নমক হুমাংনা পুমচোৎ চোৎখরে। মৌনহা অদুগী খোঞ্জেল অদুনদি অস্থুম অস্থুম নকশিল্লকতুনা মহাকী হুমাংনা চোৎলবা মমায় অদুদা ঈশ্বরু তেংর্ববান্দা য়েশিনবগুম থেংলরে। "ইবুঙো লৈত্রা ? ইবুঙো!" রাজেন খাংবা ঙম্মকত্রে, হিপলম্বদগী হৌগৎ-লমই। মমায় অদু তৈথোকলদুনা "আ লৈ।" হায়না তপ্না খুমলমই। মৌনহা অদুনা "ইবুঙো! করি করিনে, ইন্সাং নাপী লোহৌরোসে। ইতৈমনা পুবকই।" মতম অসিদা রাজেন মপান থোকবা য়াদ্রদুনা মরু লুকথনা তপ্ন তপ্ন ইমুংদগী মপাল থোরক্লে। মমায় অদু অমুক্তা হাইগৎনা য়েংলমদে। মহাকী মহৌশাগুমদ্রবা য়াম্না ইকাইখিরবা মায়থোং অদু উবদা নুপী অদুনা মুন্না য়েংলগা নোকফেৎ, নোকফেং তৌরমই। মৌনহা অদুনা "করি ইন্সাংনো লোগদৌরিবাসিনু—?" রাজেন্না য়াম্না ইকাইনা "ইতৈমা! কোবী 'দুগা হরাইদুগা খর থন্বীরম্মু।" মাগী মতৌ অদু উবদা মৌনহা অদুনা য়াম্না নোক্লিংবগুম তৌরে। থোইনা হেন্না পুক্লং তানা মোমোন তৌনা "ঙাস্থু য়াওরিনে।" আস হায়রদুনা ঙাতোন অতেকপা খর পুথোরকমই। রাজেন্না "ঙা অসিনা কয়াগী ওইববনো?" হৌজিক ফাওবা রাজেন মমায় হাইগ তুনা য়েংবা ঙমদ্রে। মৌনহা অদুনা মহাকপু য়েংল য়েংলদুনা নোক্লি হায়বসি মহাক্লু করি অমতা বংলমদে। শকহেনবী

মৌনহা অহুনা "করিগী মমলনো ? ইবুঙোনা চানবা পুরকপনি। ইতৈমনা লোং খোল্লুবদা ফারকপনি। ইবুঙোহোইদি ইম্ফাল' লেংউরগা ইতৈমগী চানবা করি অমতা পুরকতেদো।" রাজেন করি অমতা খুমলমদে, অস্থুম তুমিন্না লেপ্তুনা লৈরি। নুপী অহুনা "ইবুঙো ! হোরেন নুংদাংদি ঐখোয়দা অমুক্তা লেংথোরকউ। লাইরিক অমতা ইবিযু।" রাজেন্না য়াম্না নোল্লুক "ফনি ইতৈমা, লাকচগে।" খুমলমই। হৌনহা অহুনা "ইবুঙো শোয়দনা লাকউকো" হায়রম্লগা চংখিরমই।

নুংদাং অহু পুং মাপলবোম তারে। রাজেন্না মৌনহা অহুগী ময়ুমদা চংলমই। মৌনহা অহু চাক থোংলমই। রাজেন্না থোং হাংদোক্লহুনা "ইতৈমা চাক থোংলিবরা ?" মৌনহা অহুনা "ইবুংঙো লেংঙকলবরা ? ফক অহুদা হেক্তা ফম্মু য়া'নি। ইতৈমা চাক থোংলি।" রাজেন্দি নহাল কা খরঃ হেনবা রাস্তা অমা তৌখিবদগী করিগুম্বা রাফম অমতা থৌনা ফনা ঙাংবা ঙমলমদে। হৌজিকফাওবা মমায় হায়গৎপা ঙমদ্রিবনি। রাজেন্না "করিনো ইগদববু ?" মৌনহা অহুনা "এঃ অরুবা নত্তেদা। লাইরিক মচেং অমতা খোৎলু হায়না তৌবনি। ইতৈমা চাক লোইখিগে। চাক লোইরগা ইসি। থেংলত্রনে ?" রাজেন্না "য়ানি ইতৈমা, থেংদে।" মৌনহা অহুনা অস্থুম মথং মথং রারি শাবা হৌরকই "ইবুঙোগা নৈমিন্নবা ওঝা 'হুদি ?" রাজেন্না "মহাক ইম্ফাল চংখিবদগী হল্লকত্রি।" মৌনহা "ইবুঙো করি লৈকাইদগীনো ?" "ঐ খাংমৈবন্দগীনি।" "ঈবুঙোহোয়গী অহল লমন লৈরিবরা ?"

"লৈরি—।" "ইচিন-ইনাও কয়া শুরিবগে?" "ইচিন ইনাও ঐখোয় মঙানি। নিপা অহুম, নুপী অনি - ।" "ইচিন ইনাও য়াম্বা 'সি নুংঙাইরিনিদা - । ইতৈমগীদি ইবুং অমা য়াওই - মহুস্থু মথোং চাদে। নুপী মতুং ইন্দুনা চৎখ্রে। ইবুঙোদি নুপী থিরবরা?" "থিজদ্রি।" নুপী অহুনা "ও—" হায়না শোল্লমই। অস্থুম রারি শাবা অহুনা চাক লোইরকলে। চাক লোইরকপা অহুদা নুপী অহুনা "ইবুঙো, ঙসিদি চাক চাথ্রসিদো।" রাজেন্না "ঐ তৌজররোই –।" "হঙ্গোইব্রনে?" "হঙ্গোইবগী নচ্চদে, ঐ চাজররোই।" রাজেন্না খল্লমই চাদ্রগস্থু ফজদ্রে, নহালস্থু চোপথ্রবনিনা। অহু মঙাইরে চারবা হায়বা অহুনি। চাক অহু কয়া নিংথিনা শেম্লে। রাজেনবু থাঙ্গেশেংনা চাকৌবা ওইরম্লে। ইন্সাং মথেল অহু নিংথিনা তরামুক ইকোই কোইনা থেল্লমই। মহু উবদা রাজেন্না ইতৈমগীসে নহাল রাতা অমা তৌনখিবা অহুদা ঐবু হঙ্গোইদনবা চাকৌরিমাল্লে হায়না মপুক্লিংদা খল্লমই। অমরোমদা অমুকস্থু মহাক্না লানখিবা অহুগীদমক্তা য়াম্না ইকাইরমই।

চাক চাবা লোইরে। চাক চাবা লোইরবা মতুংদা মৌনহা অহুনা রাজেন্দা ক্বা মতপ অমা লাল্লহুনা "ঙসিদি ইবুঙো! ঐখোয়দা লেকথ্রসিনা—।" রাজেন্না মপুক্লিংদা হঙ্গোইরপ তৌনা "করিগী ওইরবনো ইতৈমা? য়ুমস্থু কনাস্থু লৈহৌদে।" 'ছোদি লোল্লম্মীদনা?' "লোল্লমই" "ইবুঙোহোইগী পোৎপু কনানা হুরাল্লুগদগে। ঐখোয় শ্বাইদি হুরানবগা লৈতবনিদা।" রাজেনগী মপুক্লিংদা য়াম্না চিংনবা অমা পোকলক্লে। চৎলসিরা হায়না

মখোঙ থাংদোকতুনা চৎপস্থু ঙমলমদে। রাজেন্না খঞ্জারনদুনা "করিগী ওইরবনো ইতৈমা ?" অম্মক হংজবমই। নুপী অদুনা রাজেনবু মুন্না য়েংলদুনা "ইতৈমবু হঙ্গোইববনে।" রাজেন্না হঙ্গোইদে হায়না খুমস্থু ঙমলমদে। অদুবু মৌনহা অদুগী মিংয়েং অদুদগী রাজেন্না খোংকাপ অমতা থাংদোকপা চংম্মাইদৌরে হায়বা 'সি ফোংদোকপা ঙমদনবা মাগী মপুক্লিংনা য়াম্না মুন্না খংজখি। রাজেন চৎকে হৌগৎলম্বদগী হঞ্জিন্দুনা ফমুং অদুদা মখোঙ য়ান্থরতুনা মরু লুক্ক রাখল তৌরদুনা ফম্লমই। ঙহাক লৈরগা মৌনহা অদুনা চেংহি মনম নুংশিরবা মাগী শময়াম অদু থাদোক্লদুনা ইকাইথিগল্লবা রাজেনগী মমায় অদুবু চাইনা কুপশিনবিরদুনা য়াম্না তপ্প রাজেনগী তম্পাক্তা হিপথখিরমই। চৌরোক ঙৌরগা মায়থোং অদুনা মোমোন নোক্লদুনা "ইবুঙো ! ইতৈমবু হঙ্গোইবরা ?" রাজেন করি অমতা খুমখিদে।

মতম খর লৈরগা নোংমদি লম্বীদা মৌনহা অদু অতোপ্পা নিপা অমগা লোইননা রারি শাদুনা চৎপা থেংনরমই। রাজেন্না "ইতৈমা !" হায়না কৌরমই। নুপী অদুনা খুমলমদে। রাজেন্না য়াম্না থরাই য়াওনা তান্নদুনা "ইতৈমা, ইতৈমা !" হায়না অঙম মরিরক কৌজরমই। অদুবু নুপী অদুনা থওইনা তাবিখিদ্রে;

২৯ । ৫ । ৬১

অথাপ্পদা লৈহোরবা [illegible]রূপ

চীংনা পুনকেই কোইশিনবা, নিংথিবা চী লৈবাক[illegible] [illegible]রবা, অনেগা চ[illegible] প[illegible]বনা অমমম অস্থুম [illegible] উথ। অ[illegible] থবানমিচাক্ল চীদোন, চা[illegible]ন্দ শাৎপা [illegible] গুর[illegible]। [illegible] লমদম যে উবরদি অ[illegible]বা লৈচল নোংকা[illegible]না [illegible] ঈশর হৌবি। তত্তনা ওমলবা নুংশিংনা চীংশা [illegible]শিংনা চ হত্তনা উজাও উপাল খু[illegible]গী [illegible]লং লেং চংলবা উন[illegible] বা, বা[illegible] চল্ল[illegible] ঈশং ঈবাওখোন্ন। চীচেপ্তা শাবা [illegible]পিত্ত[illegible] [illegible]পেত্ত[illegible] [illegible] নিংথবা যুমশিং [illegible] উপা[illegible]বক্ল[illegible] ওজিল্লব। [illegible] মঙাল্লা অস্থুম অমমম অ[illegible]ন আ[illegible] প[illegible]বে পবে [illegible]ই। [illegible] য়েংনা, যেংনা অস্থুম তাল্লা উথ্রবা খু[illegible]গী [illegible]যাই [illegible]। পু [illegible] লোইননা লৈশাবী পাখংশিংনা মৈত ও থাবত্তন[illegible] [illegible] শাক[illegible]। ইশৈ অহুনা অচিকপা চীংমাই খু[illegible] [illegible]খোল্লা না [illegible] মখোনগী লোইননা অস্থুম তাল্লা তল্লা চা[illegible] অমদগী চী[illegible] অমদা অস্থুম শন্দোকখি।

মফম অসি খুলগী লৈশাবী পাখ গুনা [illegible]। লৈশ[illegible] পরেং অমা, পাখংনা পাবং অমা কা[illegible] [illegible]না ইশৈ শকপা তাল্লবি। মপুং ফাদ্রিবা লৈশাবী [illegible]চা অহু[illegible]বক্ল পাক্লন, পুখম অমদা চাগী মগ পরেং পাবং [illegible]। [illegible] অদু য়েল্ল। মযাম অসিগী মযাইদা [illegible]শা[illegible] [illegible]মগ পা[illegible] [illegible] জগোয় শার। মখোয় আনমক মাওই মীতৌ ফজে। অনিমক ঈশেংনা ঙৌবা ঙাক্তনি। রাংবস্থু নীপানা খরদং মহেল্লি।

পাখং অহুগী মমিংনা সৈখো, মহাক্তি খোংজাইনি। অহুগা লৈশাবী অহুনা লুসি' মহাক্তি তাংখুল চনু শক ফজবীনি। য়াম্না বাসি লৈ, ম'মিত্তু লাওবপ তৌবহুনা মহাক্না য়েংথোরকপদা যাম্না অর্থ লৈ। নোকপদস্তু মিৎ, খজাই, চিনবান অমমম ওইনা রাসি লৈ। মমায অহু খবদং শাংতক তৌই! বেনী লোন্দুনা থাদবকপা মশম অহু নিংহুদগী খর হেল্লি। লাইবক্কী অকোইবদা চোমথ'রবা অতেনবা শমশিং অহুনা কোন্তক কোন্তক তৌবহুনা চাং মান্নবা লাইবক্তা হাইথ ব। তাংখুলগী অঙাংবা ফনেক অমা শে·লি। ন।পুগী অপারা ফিহুপ অমা ইল্লি। ফি অহু মশাদা তপ নপশিন্না ইল্লদূনা জগোয শাবদা হাই হুম্বদা অপনবা লৈহনদে। খাংনা চেংতক তৌই, থাবাক্কী লৈতেংনা মপুং ফানা নিংথিজে। লাওরপ তৌবা মিং অহুনা শাংতক তৌবা পা মরক্তগী হম্বনা য়েংবা মিৎচি অমনা খোংথাং শোইখিগদোরে, মতাগুম পাখং অহুগী খোংথাং অহু মুন্না যেংজরি। খোংথাং অহুমগী তান অহু শোই-দনবা হোৎনজবদা হজ্জিল হজ্জিল শোইরমই। অমুকস্তু ইকাই-বনা নোকমি, নোকমিস্তু তৌবমই। ইশৈ শকলিবা পাখং লৈশাবী শিং অহু পরেং পবেং লেঙ্গোন্নরদূনা নোমহৌ, নোমহৌ য়াম্না কন্না ইশৈ শকলমই। খরনা "ফজৈ, ফজৈ" লাওই, খরনা "নুপীনা হেল্লি।" কাংবু অমনা "নীপানা "হেল্লি।" মাগী মাগী কাংবু থাগৎনহুন। নোকপি। জগোয় শারিবা মখোয় অনিস্তু হুমাং মরিক, মরিক শোরবা মায়থোং অহুনা অমুকস্তু য়েংনরহুনা নোক্ক-রমই। জগোয়গী পুংলোন্দি অমতা, অনিগুবা মরোল তাদে।

চাং নাইনা য়েন্নিবা পুংখোল অদুগী মরক্তা অমুক অমুক শেন্সুংগী খোঞ্জেল তারমই। লেপ্পুবা পুংখোল অসি অত্তংপা লৈতনা থেংলবা অহিং নোংঙাল্লমদাইগী মতম অদু ফাওবা তারি।

সৈখোদি মফম অসিদা ওঝা ওইবা লাকপা সুপনগী থা অহুমগীদমক্তনি। অদুবু মহাক্তি খুল অসিদা চহি কয়ামরুম লৈরক্লবা অদুগা অমুকস্থু কুমজ্ঞা কয়া মশিং খংদনা লৈবগী মওংগুম খুঞ্জা ওইনা খল্লি। খুল অসিগী কব্বিগুম্বা থৌদোক অমত্তা চিথরমদে। পাম য়ানবা, লৌউবা' লুহোংবা অতৈ হয়াওনুংস্মে, খুলগী থবক অতৈ পুন্নমক্তা মহাকমক্ল মকোক চিংলদুন। হোং-নরমই। ফাগী তৌবস্থু য়াম্না হে। মহাকপু লৈশাবীশিংনা "ইবুং অঙাওবা" হায়না কৌই।

অয়ুকনি, লৈশাবী পাখং ময়াম পাম য়ানবা চংলি। অয়ুক্কী লৈচিন অসিনা ঈথক ঈপোম নাইনা চীংয়া চীংখোং তম্না অহাংবা থম্না চেন্থরকলি। অপিকপা চীংদুন মচা খরদি লৈচিনগী ঈথক ঈপোম্না থুমশ্রে। অস্নুম য়েংখিবদা য়াংলবা সিরোই চীংজাও অদুগী চীংয়াং অদু পানা লশিং মপোপ মাল্লবা লৈচিলনা থনগ্রে। অপিকপা চীংদোল খরদি ঈথক্তা তাওবা কংগুম উরি। অসিগুম্না লৈচিল মরক অসিদগী পাম য়ানবা লাকপা লৈশাবী পাখংশিং অদুস্থু অমমম অনিনি লিখংলকতুনা অরাংবা চীংদোল তম্না কাখংলকই। মাখোয়না লৈচিনগী পোমাই অদু লানখংলকপা মতমদদি মুমিক্কী মঙাম্না লৈচিনগী মথক অদু ইরং লংনা লৈরম্রে। ময়াম অদু ঙহাক্তং পোম্বাবগুম তৌরমই। মতম অসিদা লুসিনা

সৈখোগী মনাক্তা চংশিল্লকতুনা য়াম্না নৌনা "ওঝা ! রারব্রা ?" হংলমই। সৈখোনা লৈচিলগী তাংথক নাইরবা ইথক ঈপোম অদু য়েংলদুনা "এঃ, কয়াদা ফজথ্রবনো ? ঐদি অসিদি অমুক্তা উদ্রি। " মখোয় অমুক চংলমই। অঙম্বা চীংগী নাপোম অমা কাখৎলকপদা সৈখোনা "লুসি ! নখোয়গী পাম য়ৌগদবা কয়াম ব্রাৎলি ?" লুসিনা "চীংগী নাপোমসে লান্থোকলগা লৈরে।" অসি হায়রম্লগা "ঐ নহাক্কী য়োং অদু পাইবিগেসে" অসি হায়রদুনা মহাক্না সৈখোগী য়োং অদু পুবিরমই। খর চংলে হায়রগা চীং অদুগী মরক্তা পাকলবা থেল অমা লৈরমই। থেল অদু লুসিগী লৌফমনি।

লৈশাবী পাখং ময়াম অদু থবক শুনবগীদমক লম য়েন্নরে। লৈশাবী কাংবু অমা, পাখং কাংবু অমা, কাংবু অনি অসি ঙম-লোইবা তান্নসি, হায়দুনা শীংনখ্রে। লৈশাবীশিংনা চরৈ কৌরপ শেংলদুনা খরাংজেং কন্না ল্যাকখ্রে। পাখংশিংস্থু নখোইনা করি হেনগদগে মতাগুম নিংগ্রি তন্না শেংলমই। মাখোয়না খোঞ্জেল অমতা ওইনা "হোই" লাওদুনা পাম য়াল্লম্মী। স্বর্গদগী কুমলকপা লাই ময়াম্না হিমালয় চীংদোন্দা জগোয় শাবগুম থোইনা হেন্না নিংথিজখ্রে। তাগী মতোন্না ইরং লং ; য়োংলৈ হায়বদা নোংথাং কুপকুম্মি। 'হোই' লাওবা খোঞ্জেন্না অতিয়া শিনবা থুংখ্রে। মতৌ অদু উবদা সৈখোদি ইঙক ঙক্লমই। চীংয়া মাইগৈ য়েংলুরগা মহোশা খুৎশেমগী ফজবা লৈচিন্তনা পোমাই য়ৈরবা পাক্লবা সমত্রগুম উথ্রিদো, নোংথক লমদম শ্লেংউবস্থু নোং চীং থাংজ্রবা

মেংলবা নুমিৎক্কী মঙাল্লা ইংনা শারা শল্লবা। মরক অসিদা পাম য়ানবা লৈশাবী পাখং ময়ামগী 'হোই লাওবা খোঞ্জেল্লা কয়াদা পুক্লিং চুরিবা। মহাক্তি থবক শুবা মাওরমদে। খরদং রাংবা চীংদোল অতুদা ফমলদুনা হাই চুম্বা তৌদনা লমদমগী ফজবা; লৈশাবী পাখংশিংগী শিন্থা অদু য়েংদুনা লৈরমই। ময়াম্না ঙম অমা য়ানবা লোইবকপা মতম 'অসিদা লুসিনা সৈখোবু য়েংলদুনা "ইবুং অঙাওবা! করি য়েংলিবনো?" হায়রকপদা মহাক খংহৌদনা মং ফাওনরকই।

কালেন ছুটি থারে। চায়নখিবা মতুং ইল্লা সৈখোনা লুসিবু ইম্ফালদা পুবিরমই। মখোয় অনি উখ্রুলদগী ইম্ফালরোমদা গাড়ী তোংদুনা লাক্লমই। মখোয় অনি জাৎ তিল্লদবনা মৈতৈ লোন নত্তনা অতৈ অমতা ঙাংলরমদে। অদুগী মথক্তা মৈতৈ লোনসু য়াম্না শেংনা খংনবা নত্তে। ইফাল চৎপগী শাংলবা লম্বী অদুদা সৈখোনা অসুল্লা রারী হৌখি "লুসি! ঐদি নংবু নুংশি। নংদি ঐবু নুংশিদ্রা?" লুসনী পাওখুমাদ নোক্লমই। মঙোন্দা নুংশিবগী রা অমতং হংবদা মহাক্কী পাওখুমদি নোকপা অসিতনী। সৈখোনা অমুক লুসিবু য়েংলদুনা "লুসি! অচুম্বা ঐদিনে নংবু হেক উবদগী নুংশিখ্রবনি। নুংদি ঐবু নুংশিদমাল্লে" লুসিনা নোক্লদুনা "পংহায় হায়বনিদা—।" হায়রমই। সৈখোনা লুসিগী পাওখুম অদু খংবা ঙম্লমদে মহাক্না অমুক "লুসি! ঐনা নংবু নুংশি হায়বা অসিদা নহাক শাওনিংলব?" লুসিনা নোক্লদুনা "পংহায় হায়বনিদা।" হায়রমই। সৈখোনা "ঐনা হায়বসে

নংনা পংচাগ হাপ্পবনি হায়না থল্লবদি নংনা ঐবুদি মুংশিরন্নবোই।" হায়দুনা "ওসে। মীনা নুংশিবগা ঐনা মুংশিরোইদবা লৈগদ্রা? ঐসা নুংশিলগা মীনস্থু নুংশিবীগদবা লৈত্রা?" অস্নুন্না ঝার শান্দুনা নাক্পনা ইম্ফাল চৌরক্লে।

ইম্ফালগী চুকান মচৌবা পান পরেং শারিবা, কৈথেল, মায়াম অতু ভবন। নুপীদি মহাক্কী পুন্সিগী অহানবা ওইদনা খোংহবা মফম অহুমগী মেংফম হোৎবা চমসনদে। লম্বী লেংলম্থু মীযম অতুগী পাক্লা। মরম্বুন হাঙ্গোইবম্বুম তুং মাং হন্না হন্না লেংলমই। মরক মরক্তা সৈংখেগী খুদাংস্থু পাইবমই। পোৎফম চংদুনা সৈংখেনা নুপিদিনা খুজি, খুদোপ সৈবীরমই অতুগা রুমান লোন্নবা ফি অডোবা মতুপ অনগা—। পোৎ চৈ লৈবা মোইরংগী মতুংগী ইম্ফালগী লম মেউসি হায়দুনা রিকসো অমা তোঙ্গদুনা মরম অনি লোইবক্কী। মথাংবংমদা শীংজমৈ দুকান যৌরমই, মতুংদা অমা লোমদনা মিলিটারি সিমিটরী যেংমীন্নরমই। অস্নুন্না ইম্ফালগী লম খর লুসিনু যেংতন্নমই। নুংদাং অতু মখোয় অনি সিনেমা যেংমিন্নৈ। সিনেমা হায়বদু লুসিনা মমিং তাগ্রবস্থু চেমদা লুসিনা অহানবনি, মখোয় অনি হিন্দীগী সিনেমা অমা যেংমিন্নে। মতুংদা সৈংখোনা ওম্বমপৈ অর্থ হন্দোকতুনা লুসিনু থংহল্লি। অর্থ হন্দোকপগীদমক্তি মহাক মতিক চাত্রবস্থু লুসিনু খংহনলবদি য়াম্না কম্ন। তোংনজবমই। সিনেমা অদুদা উৎলিবা লম যজবা, সহর মজব উবদা মহাক্না বোম্বেনি, দিল্লিনি, কালিকাটা হায়বদুনি। অস্নুন্না ওমল্লিবমথৈ হন্দোকল্লমই। মহুদা

মুপী নিপা য়েংনবগী খজিক্তং উংমকপদা সৈখোনা কায়নবা কয়াগী য়ায়বা চৈনাখোল, নুংশিবা কয়াগী মিৎকী পি কংহনখিস্রে। মহাক্কী অর্থদা লুসি ফনা পেঙ্গুবা ওমজখি। ময়ক ময়ক্তা মখিত্তগী মপিন্তু তাখি। অম্মুমন্তু হায়খি "সিনেমা য়েংবদা ঐগী পুক্নিংসে সেগাইখয়ে।" কয়াদা নুংশিনা ফোংদোকখ্রবনো? সৈখোনন্তু "নুংশিবা অশেংবা হায়বা অদুদি মম। মপানা কয়ায়ক য়াত্রবন্তু মখোয় অনিদি খক থাদোকনয়োইদবনি।" অম্মুম্না কোইখোম্বা য়ারি কয়ান্তু লিবিখি। লুসিদি সৈখোগী য়ারিদা মুনখিত্তুনা মক্ক লুকখখি। ময়ক ময়ক্তন্তু ঙাজরমই।

সৈখোনা ওঝা ওইরকপসে থা অনিয়োমদি হৌগ্রে। মহাক্না সৈগদবা মতম কুইদ্রে। অদুবু মহাক্না সিরোই চিংজাও অসি অম্মুক্কী মতিক নুংশি। য়াংলবা চীংদোল অদুদগী পাকলবা তম্পাক্কী লমদম অদু অমুক; অমুক নুমিৎ থুদিংগী য়েংলমই। চিংগী নিংথিবা লমদম, তম্পাক্কী পুক্নিং হুয়বা তাম্না, তাম্না উশ্রীবা দৃশ্য কয়া উরুবগা মপুক্নিংদা কয়া পেনবা, অদুবু মচিন্নদি ফোং- দোকপা ঙমলমদে। মহাক্না দৃশ্য য়েংবগী মরমদা অম্মুম্না লুসিদা হায়খি "লুসি! ঐদি নখোইগী চীংদোক অসিদা লেপলবদি হেক্তা কপ্লি।" নোংমদি মখোয় অনি সিয়োই চিংদোম্দা শাৎলিবা সিয়োই লিলি হেকপা চৎলমই। সিয়োই চীংদোম্দা পাক্তকনা শাৎলিবা সিয়োই লিলি ময়াম অদুগী মরক্তা মখোয় অনি কোইনা চত্না শাময়মই। লুসিনা সিয়োই লিলি অদু মাগী ফিগাও থম্না হেকলমই। মহাক্কী শমজিদা মহাক্কী শাংলবা বেনীগী শম

পম্বেংদা সিয়োই লিলি অদু পরেং শানা থেৎলমই। থোইনা কুচু ফজরবী লূসিগী মায়থোং অদুদা সিয়োই চীংদোনগী অভাংবা লৈবাক্কী মচুনা য়েংবদা মমুন কাম্নবা কমল্লাগুম কয়াদা নির্থিজখে। মখোয় অনিনা চীংদোন অদুদা লেপলগা পুদোনবী থিল্লহুনা "মসিনা অঙ্গো চীংনি। মসিনা তোলোইনি, মাসিনা কখোগী লমনি।" অম্মুন্না হায়রমই। সৈখোনা নোংচুপ মাইথৈ পাংনা খুদোনবী থিল্লহুনা "লূসি! ঐখোয়গী খুলদি আদা, চীংয়াদা পিক্কা ইরং লংনা লিক্লাগুম উৎরিবসে লোক্তাক হায়বত্তুনি। অদুগা মসিগী মনাকত্তা উরিবা চীংয়া অসিনা ঐখোয়গী চুড়াচান্দপুর হায়বত্তুনি।" লূসিনা "মুংশিদা!" অসি হায়রহুনা তাম্না য়েংলমই। সৈখোনা "ঐখোয় অনি কাওনগুমসিকো; কাওনগুমসিকো" হায়নরমই। অম্মুন্না সিয়োই চীংদোনগী দৃশ্য য়েংমিন্নরহুনা মখোয় অনিদা. নুমিৎ চুপ্পা কমমিন্নরমই।

থাবল অসি কয়াদা ফখবা। নোংমদোন অতিয়া থক্তা থোকপা থা অসিনা ওসিদি কনাগুম্বা লংফৈ চৎপা মুপা অমগুম চীংদোন অসিদদি উখোঙ খুদিংগী পোত্থাহুনা চৎপগুম তৌরি। চীংগী নিংথিবা উচান পাম্বীগী কুংনা য়াম্মুরবা মনানা লম্বী থৎ-খিবনা উখোং খুদিংদা লম্বী য়েংবগুম তৌরি। প্রকৃতিগী অচিকপা চীংমুংগী ফজবসে মাগী কল্লক চাওবা মিৎয়েংনা অমেংবা অথোৎপা লৈজবা মঙাল পুম্নমক পুথোকতুনা নৌজরীকী চীংমুংগী দৃশ্য অসিবু লোইনা চুপ্পগুম তৌরি। লমকেৎপা থাজ অদিনা মীছৌ-

চাওবা মিংয়েংগা লোইনয়দুনা চীংদোন অসি খন্নদি কুপশিনখরে। থাবলনা চৈরাং অসিনা তুমিন্না কপ্পা য়াত্রবা চীংগী লৈশা পাখং-শিন্না চাইনা চাইনা চৎপা হৌরমই। সৈখো অমসুং লুসি মখোয় অনিস্নু অন্নাংবা চীংদোন তম্না কাখৎলকই। উরকতা লোসিবা থাগী মডাম্না চাইথোরকপা লগ্গীশিং অতু উবদা খংহৌদনা সৈখোনা "আদ থা লৈরে, আদা —।" খুদোনবী থিল্লমই। মাংদা লৈব, খুৎনা লাম্বা ফংবগুম উর্রি। সৈখোনা থাবু য়েংলদুনা চেনখৎখি।

চীংদোন্নগী খংহৌদনা চেম্নরকপা লৈচিসগী মপৈনা মথোৎ-কাররকপা মুজাগী অনৌবা খুদোনবু মীংহৈচাওনা শোকচনিংবা মতাগুম খংহৌদনা লুসিগী যৌবনগী খুদোনবু কোইশিনখি। মিকুপ অমতং তুংলগ্গা লৈচিলসে অমুক খংহৌদনা চীংয়াং, নাপোম তম্না অসুম শন্দোকাখ। থা তাম্নবদা চোকথরবা সৈখোসু লুসিগী মনাকতা হল্লকলে। লুসিনা মোমোন নেল্লদুনা "ওঝা! থা কাল্লকলব্রা?" "থা অসি ডকখরে, হৌজিকতা মাংদা লৈরম্বদো, অা তুংদা হেকতা লৈরমই।" লুসিনা "ওঝা! থাবু তানবা ফংই হায়ব্রা? ঐখোয়গী চীংগী থাবলদি য়াম্না ডাওবনি।" "অদুনা ওইবা তারে তাংখুল লৈশাশিংনা 'অমুক ফজরিবসে।" লুসিনা "ওই, ইবুং অডাওবা।" য়াম্না নৌনা হায়জরকই, থাবলনা ইবুং লাংলবা মাইথোং অদুনা য়াতা ঙৌনা নোকচবমই।

লুসিনা লমজিংলমই "লাকও, আদগী চীংদোন অসি কাক্লাস।" মখোয় অনিনা চীংদোন অদুগী মতোন তম্না থুৎ শমদুনা কাখৎলকই।

মখোয়না চীংদোন য়ৌবদা উরক্তা তাওরম্বা থা অসিস্তু চীংদোন তম্না তাম্না থোকলমই। ওহাক্তং চীংদোন অদুদা লেপলিঙৈদা খংহৌদনা হৈনম লৈনম্না চুরবা মুংশিৎনা ঈথক ঈপোম নাইনা হুমলকই। কয়াদা পুক্লিং হুরবা—। "ইস, কদাইদগী লৈনমনো ?" লৈখোনা হায়দোকলকই। লুসিনা "ওঝা! চীংদোন অসি হৈ, লৈগী মুংশিং লশ্বান। মফম অসিদা অমুকতং য়ৌরকলবা মী অদুদি স্বর্গ য়ৌবগা মান্নে হায়নৈ।" অসি হায়রমলগা নোকফেৎ তৌনা "ওঝাস্তু তসিদি স্বর্গ কারেদো।" "স্বর্গ হায়বা অদু অসিমক ওইরম্বা য়াই।" অসি হায়রদুনা লৈনমশিংদো চিংশিল-লমই। চীংয়া, তময়াদা শাৎলিবা মথল খুদিংগী লৈ, চীংমাই খুদিংদা শাৎলবা হৈরাং, লৈরাং লৈমন চল্লিবা লৈগী মনম পুম্নমকসে লমহাং কয়া, চীংদোন কয়া লান্দুনা মুংশিংনা পুরকল্লি। মখোয় অনি য়াম্না নক্ল লেপমিন্নখি অদুগা খংহৌদনা খুৎক, খুৎক চেৎনা পাইসিন্নখি। অথাপ্পদা চাকলিবা লাইশ্মে অদু উবদা লুসিনা হায়রকই "ঐদি থাবল কবা অহিংদা মৈগী মশক অমতা য়েংনিংদে।" "কবিগীনো থাবল স্মুক কব্বিবসিবু মৈনা কৈদৌনি।" মহাক্ত মপুং ফানা ফোংদোকচনিংবদি রাখল অসি ওজগ্রবা মুজা ওইদৌগী পুংসং পনদবা কনাগী মায়থোং অমনা হম্না হম্না য়েংলকপগুম থাবলগী অহিংদা মৈরী অসিনা মতোম্দাদি য়েক্লবা ওইব। মহাক্ত অমুক হায়খি "থাবল অস্তুক কররবদা মৈঙাললা কৈদৌনি।" চীংগী লাইশ্মে হায়বসি মমল লৈতবা পোৎতি নত্তে। থামস্বা অহিংদদি লামদম তাম্না লৈরবা শোংলবা নারক্তা চৎলিবা

চান্নবী মাগী য়ুমগী লম্বী অদু লাম্মৈগী মতেংতনা লমজিংই। সৈখোনা হায়রমই "থামম্বা অহিংদদি লাম্মৈ উত্ৰবদি শোইদনা লম্বী লম্মাংনগনি।"

চীংদোন অসিদা ওহাক্কুং লৈয়গা লুসিনা "ওঝা! নহাক্ক হয়েং ঐখোয়গী খুল অসি থাদোকতুনা চৎথ্রবস্থু ঐখোয়গী চীং অসিদদি নিংশিংবীউকো।" সৈখোনা হায়রকই "খুল অসি য়াম্না থুনা কাওথিবস্থু য়াই। অদুবু কাওবা ঙমলোইদবা অমদি লৈরে।" "করিনো ?" "খংদেদা" সৈখোনা হায়রমই। "করিনো হায়য়ু" লুসিনা তক্ররমই। সৈখোনা তাকলমদে। লুসিনা তকমল্লবা অদুদা সৈখোনা "অদুবু খংনিংব্রা ?" "হায়য়ু তাসি।" "নংগী পুক্লিংদা হংউ।" লুসিনা সৈখোবু মুম্না য়েংলদুনা নোকমি নোকমি তৌনা "ইবুং অঙাওবা !" অসি হায়রমলগা চেনখিরমই। শাংলবা অহিংগী মতম অদু থাবলনা তংখাই অমা চুপথোকখিবগুম অহিং লেল্লি খংখিদে। মখোয় অনিনা চীংদোন অসিদা অয়ুক্কী য়েনবানা খোংবা তাখি।

থা অহুম শুরে। সৈখো ময়ুমদা হনবা তারে। নুমিৎ অসিদা মাগী মতম খর তিন্নরম্বা মরূপ মপাংশিংনা ইকোই কোইশিল্লদুনা কাইনবা নুমিৎ অসিদা উনরি। মরূপ খরনা মাগী লৈফম, খুলগী মমিং লৌনরমই। খরনা "খুল্লানবা লাককে" হায়রমই। খরনা "অমুক লাকখো" হায়রমই। সৈখোস্থু "ঐখোয়গী খুন্দা খুল্লানবা লাকউ—।" অস্থুম্না খাইনরমদাইগী মিকুপ 'সিদা মপুক্লিং ইনৌ নৌনা কাইনবগী নুঙাইতবা, অমুক উনবগী নুঙাইবা

কয়া ফোংদোকনরমই। অয়ুক্কী মতমনি। লৈচিলস্থু ঈথক ঈপোম নাইনা সমত্রগুম উরি। মহাক্ক মহাক্কী নম্বো অদু মনঙ্গন্দা পোরহুনা খুস অদুদগী বিদায় লৌরহুনা চীংগী লম্বী মচা অমদা অস্থুম লাকলমই। খুল অদু থাদোকতুনা চৎপদা মহাক্কী পুক্লিং অদু য়াম্না নৌরমই। মহাক্ক হম্না হম্না য়েংলহুনা চৎলমই। হম্না হম্না য়েংলিবা মিৎয়েং অসিদা তত্তুনা রাখল অসি পোকলকই—লুসিদং উনরবদি কয়াদা নুঙাইগবা। মহাক্ক অস্থুম খন্ন চাংগী নাপোম মথং মথং কুমথরকই।

মতম অমদা ফাইরেন থাগী তঙাং তঙাংনা য়েন্নিং হুম্রম্বা উপাল, উনাশিং অসি হৌজিক্তি ইশং শংথ্রে। শজিবুগী মপুং ফাবা চীংয়ানি। অশংবা হানৌনা চীংমায় চোম্না থনখ্রে। উপালগী উনাশিংস্থু মরিক চুম্না য়ুম্বান নৌরবী মৌগী মতৌগুম মরু লুক্লি। থাঙ্গেশেংবমক চীংগী অঙাওবা নুংশিৎনা ফন য়াম্না থেংথু ঙাথুহুনস্থু অদুক য়াম্না খোঞ্জেল হৌনা নোকখিদ্রে। শজিবুগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ, কালেনগী অকনবা নুংশাবু অমদি পুন্সিগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ কয়াবু মায়োক্লবদা নোম্লুক্ল খাংজরগে মতাগুম ইচং থৌনা চোংথোরকলবী ঋতুগী মপুং ফারবী শজিবুগী দৃশ্যনি। পুন্সিগী নৌনা শকখংনবা চান্নবা মহাকপু করিগুম্বা পুক্লিংগী রাবু ফোংদোকচবা ঙমজদবনা মিংচিনা মুনা মুনা য়েংজবনা রাখলগী নাতৈ কাংবা ওইজরিবী; নৌরবী মৌগী মতৌগুম শজিবুগী মনা পুংলবা হানৌনা নোম্লুক্ল লেপলি। অসিগুম্বা হানৌগী মরকসিদা লুসিনা নোম্লুক্ল লেপলমই। মকোক্ত অপাবা ফিদুপ অমনা

কুপশিল্লহুনা অরাংবা পামগী চীংদোন অসিদা লেপলহুনা তামনা চংথ্রিবা সৈখোবু য়েংলমই। য়েংনা য়েংনা মখুৎ থাঙ্গত্তুনা খুজিগী মখোন থোক্ল মখুৎ হাইরমই। মহাক্কী খুজিগী মখোন অসিনা অসুম পাইখিহুনা চীংনুংগী নাপোম খুদিংদা নৌরবা খোম্থাং ওইনা থোকখিহুনা মাইকৈ মরি অহু লুসিগী "চিং চিং" লাওবা খুজিগী মখোন্ত তাগ্রে। খোঞ্জেল অহু তাবদা সৈখো হন্না য়েংথোকলমই। অসুম তাম্না তাম্না য়েংলকপদা রাংবা চীংদোন অমদা নুপী অমনা লেপতুনা লৈবা অহু উরে। মহাক্ল নুপী অহুবু উবদা কয়াদা হরাওনা নোকলমই, নোক্ল নোক্ল রুমাল হাইরমই। মখোয় অনি অসি খুদক্তা খংনখি। মখোয় অনি উনরিবমখৈ মখুৎ হাইনরকই। অহুবু অযুক্কী লৈচিল্লা অসুম তাংথক নাইদনা খঞ্জিল্লকপা চীংগী নাপোম অসুম হাইথরকপা মরমনা মমৈ থংদদি মখোয় অনি অমুক উনবা ফংখিদ্রে।

য়েংখিবদা অরাংবা চীংদোন, থারবা লৈচিলগী মপৈ ইহাং হাংবা নত্তনা করিস্সু উবা ফংখিদ্রে। অহুম ওইনমক সৈখোনা হন্না হন্না য়েংহুনা চংলমই; চান্নবা মরূপ অমগা নুঙাইনা রারি শাবগুম, খংহৌদনা মোমোনস্সু নোকলমই। ঐখোয়স্সু অথাপ্পদা চান্নবা মরূপ অমতং লৈজবা ফংজরবদি চীংদোন্দা তুমিন্না লেপতুনা লৈহৌরিবী নুপীমচা অসিগী অরা-নুঙাই শরুক থরদি ঐখোয়গী থম্মোয়দা ফাওরমগদবনি। য়ামদ্রবদা সৈখোনা হন্না হন্না য়েংজবা অহুস্সু খংলমগদবনি।

—— তাং ১০। ১২। ৫৯ ইং।

লোইরবা